CONCISE ANGLO-MANIPURI DICTIONARY

Students' Store
PAONA BAZAR
IMPHAL

Scanned by TapScanner

A

A (অ, এই), **an** (অন্, এান্) *indef. art.* one, অমা

aback (অ'বোক্) *adv.* backwards, তুংলোম্দা। *be taken aback,* ঙক্চানবা।

abacus ('এাবকস্) *n.* frame with beads for teaching numbers to children, অঙাংদা মশীং থীবা তম্বীনবা মতুম্ মচা মচা য়াওবা ফ্রেম্।

abaft (অ'বাফ্ট্) *adv. & prep.* at the back end of a ship, জহাজ্গী তুংলোম্গী অরোইবা শরুক্তা।

abandon (অ'ব্যেন্ডন্) *v.t.* 1. forsake, হল্লক্করোই নীংতুনা চৎখিবা। 2. give up, থাদোক্পা। *n.* carefree behaviour, করিস্ থৌশাদবা শাজৎ।

abase (অ'বেইস্) *v.t.* humiliate, (ফীভম্) তোন্থহন্বা, নেম্হন্বা *n.* **abasement.**

abash (অ'ব্যেশ্) *v.t.* 1. cause to feel self-conscious ; confuse ; চম্মহন্বা। 2. embarrass, চঙক্লহন্বা।

abate (অ'বেইট্) *v.t.* 1. make less, হন্থহনবা। 2. *v.i.* become less, মথন্তা হন্থজখবা। 3. abolish উঠাইবা। 4. do away with, লোইথোক্পা; মুথৎপা। *n.* **abatement.** *adj.* **abatable.**

abattoir ['এাবট্যা(র্)] *n.* slaughter-house, (কৈথেন্দা য়োন্নবা) শা-হাৎফম্।

abbey ('এ্যাবি) *n.* dwelling place of monks and nuns ; লম্বোইবা, লম্বোইবীশিংগী লৈফম্।

abbot ('এ্যাবট্) *n.* (*fem.* **abbess**) head of a monastery, লম্বোইবা ময়াম্ লৈফম্গী মকোক্।

abbreviate (অ'ব্রীভিএইট) *v. t.* shorten ; abridge (a word. title, etc.) ; (অইবা বাহৈ, মিংনচিংবব্) তেন্হন্বা ; শম্জীন্বা। *n.* **abbrevi'ation.** *adj.* **abbrevi'atory.**

abdicate ('এ্যাব্ডিকেইট্) *v.t. & i.* to give up power formally, নিয়ম্ চুম্না ফম্ নত্রগা শক্তি থাদোক্পা। *n.* **abdi'cation.**

abdomen ('এ্যাব্ডমন্) belly, পুক্। *adj.* **ab'dominal.**

abduct (এ্যাব্'ডক্ট্) *v.t.* to carry away or kidnap unlawfully ; (নুপীনচিংবব্) নম্ত্থনা চিংবা নত্রগা ফাবা। *n.* **abduction.**

aberration (এ্যাব'রেইশন্) *n.* 1. straying away from the right path, অচুম্বা লম্বীদগী লৈক্কে চৎপা। 2. mental disorder, বুদ্ধি চোইবা।

abet (অ'বেট্) *v. t.* help sb. in doing wrong, থোদোংবা, ফত্তবা তৌবদা ঈন্শিন্বা।

abeyance (অ'বেইঅন্স্) *n.* condition of not being in force for some time, মতম্ খরা চৎনহন্দনা থম্বগী ফীভম্।

abhor [অব্'হোও(র্)] *v. t.* hate ; think of with hatred ; তুক্কচবা ; তুক্কচনা থনবা। *n.* **abhorrence** *adj.* **abhorrent.**

abide (অ'বাইড্) *v.t. & i.* 1. stay ; reside ; endure ; লৈবা ; হোংদনা থাঙ্বা। 2. **abide by,** নিয়মচিংবা ইন্বা (কায়দবা)।

ability (অ'বিলটি) *n.* capacity to do or perform, থবক্ ঙম্বগী মতৌ নত্রগা পাঙ্গল্।

Scanned by TapScanner

abject ('এাব্জেক্ট্) *adj*. miserable, যাম্নমক্ ফীভম্ চাদবা। 2. degraded; থাক্ হন্থরবা। *adv*. **abjectly** *n*. **ab'jection.**

abjure [অব্'জুআঅ(র)] *v.t*. **give up** by oath, ৱাশক্তুনা থাদোক্পা। *n*. **abju'ration.**

ablative ('এাব্লটিব্) *adj*. & *n*. The 5th case of Latin, Sanskrit, meaning "away from";(ব্যাকরণ) ল্যাটিন্ নত্রগা সংস্কৃত্‌কী ৫শুবা কারক্, অর্থদি "দগী"।

ablaze (অ'ব্লেইজ্) *adj*. & *adv*. 1. on fire, মৈ চাক্লিবা। 2. shining, তরং তরংনা ঙাল্লিবা।

able ('এইবল্) *adj*. 1. capable, (থবক্)ঙম্বা। 2. clever ; capable ; হৈ-শিংবা ; তৌবঙম্বা। *adv*. **ably.**

ablution (অ'ব্লূশন্) *n*. ceremonial washing of the hands or the body (religion), ধর্মগী মতুংইন্না খুৎ-শা হামদোক্পা নত্রগা ঈরূজবা।

abnegation (এ্যাব্‌নি'গেইশন্) *n*. self-denial ; self-sacrifice ; মশাবু খুঠুম্ চন্‌বা ; মশা কথোক্পা।

abnormal (এ্যাব্'নোওমল্) *adj*. not normal ; irregular ; মহৌশা ওইবদু নত্তবা ; চাং নাইদবা। *n*. **abnormality.** *adv*. **abnormally.**

aboard (অ'বোওড্) *adv*. & *prep*. on board ; on ship or plane ; (হি, জহাজনচিংবগী) মথক্তা নত্রগা মনুংদা।

abode (অ'বউড্) *n*. house ; dwelling place ; য়ুম্ ; লৈফম্।

abolish (অ'বোলিশ্) *v.t*. put an end to ; চৎনহন্দবা ; (লৈরম্বদগী) লৈহন্দবা ; তোক্‌হন্‌বা। *ns*. **abolition, abolitionist.**

abominate (অ'বোমিনেইট্) *v.t*. detest; feel hatred for; য়াম্না পাম্‌দবা ; তুক্কচবা। *n*. **abomi'nation.** *adj*. **abominable.**

aborigines (এাব'রিজিনীজ্) *n.pl*. original inhabitants of a country, লৈবাক অমদা এলহৌভৈদগী লৈরক্লবা মীশিং। *adj*. **abo'riginal.**

abort (অ'বোওট্)*v.t*.& *i*. miscarry, অঙাং যৈথবা ; অঙাং লাইরৈ চৎপা। *n*. **abortion.** *adj*. **abortive,** unsuccessful, ৱাবম্ মায়দবা ; মায় পাক্তবা। *adv*. **abortively.**

abound (অ'বাউণ্ড্) *v.i*. have in great numbers or quantity, মরাঙ্ কায়্‌না লৈবা।

about (অ'বাউট্) *prep*. & *adv*. 1. around, অকোয়্‌বদা। 2. concerning, মরম্‌দা। 3. nearly, রোম্। 4. in all places, মফম্ মফম্ খুদিংমক্তা।(কোয়পাই পাইব', চৎপনচিংবদা)।

above (অ'বব্) *adv*. & *prep*. 1. on or over, মথক্তা।

abrade (অ'ব্রেইড্) *v.t*. rub away ; scrape away ; (উন্‌শাগুম্বনু) কন্না তক্কুনা হুদোক্‌হন্‌বা। *n*. **a'brasion.**

abreast (অ'ব্রেস্ট্) *adv*. side by side, নাক্-য়েৎ ওইনা ; খাৱাংননা।

abridge (অ'ব্রিজ্) *v.t*. make shorter by using fewer words, ৱাহৈ মণীং হন্থনা শীজিন্নহুনা তেন্‌শিল্‌হন্‌বা। *n*. **abridgement.**

abroad (অ'ব্রোওড্) *adv*. 1. in or to a foreign country ; away from one's country; মীরৈবাক্তা ; ঈরৈবাক্ ৱাংমা লান্না। 2. far and wide ; পাক্‌চাউনা।

abrogate ('এাব্রগেইট্) *v.t*. repeal ; (আইন্, চৎনবীনচিংবনু) কক্থৎপা। *n*. **abro'gation.**

abrupt (অ'ব্রপ্ট্) *adj*. sudden ; hasty ; ঈখঙ্ খঙ্‌হৌদবা ; হাথু হাথুবা। *adv*. **abruptly.**

abscess ('এাব্‌সেস্)*n*. gathering of pus, নাই চাবা ; অপোম্বা ; য়াম্‌রোঙ্।

Scanned by TapScanner

abscond (অব্'স্কোণ্ড্) *v.t.* go away suddenly (অরানবা তৌরম্লগা) চেন্‌খিবা। *n.* **absconder,** person who absconds, অফম্না চেন্‌খিবা মী।

absent ('এ্যাব্‌সন্ট্) *adj.* keep (oneself) away; মশা লাক্তবা, থোদোক্তা য়াওরুদবা। *adv.* **absently,** পুক্নিং চঙ্‌উদনা। *adj.* **absent'minded,** পুক্নিং চঙ্‌উদবা। *adv.* **absent'mindedly.** *ns.* **absent'mindedness, absence.**

absent (অব্'সেন্ট্) *v.t. refl.* keep oneself away. *n.*(থোদোক্তা) মতোম্‌তা য়াওজদবা ; **absentee,** লাক্তবা মী।

absolute ('এ্যাব্‌সলূট্) *adj.* 1. complete ; perfect ; মপূংফাবা। 2. unlimited ; having absolute power ; ভূমৈখৈ লৈতবা ; শক্তি পূম্নমক্ লৈবা। *n.* **absoluteness.** *adv.* **absolutely.** *n.* **absolution.**

absolve (অব্'জোল্‌ব্) *v. t.* free from (sin, guilt, promise), (মরাল্, পাপ্লচিংবা) কোক্‌পীবা।

absorb (অব্'সোওব্) *v.t.* 1. take or suck in (liquid, heat, light, knowledge, etc.), (মহী) চুপ্‌শিন্‌বা ; (মৈশা, মঙাল্, জ্ঞান্নচিংববু) লৌশীন্‌বা 2. take up attention, পুক্নিং চিংশিন্‌খিবা। *adj.* 1. **absorbent,** (মহী) চুপ্‌শিন্‌গন্‌বা। 2. **absorbing;** পুক্নিং লুপ্‌হল্লবা। *n.* **absorbent,** *n.* **ab'sorption.** *adj.* **absorptive.**

abstain (অব্'স্টেইন্) *v. i.* keep from ; refrain from ; (পুক্নিংনা) লাপ্‌থোক্‌পা ; থাদোক্‌পা ; য়াওরুদবা ; *ns.* **abstention ; 'abstinence ; abstainer,** (মী)।

abstemious (অব্'স্টীমিঅস্) *adj.* 1. sparing or moderate (চাব থক্‌পনচিংবদা) চাং নাইবা নত্রগা কা চেন্দবা। 2. frugal, শীকশীন্‌বা। *adv.* **abstemiously.** *n.* **abstemiousness.**

[1]**abstract** ('এ্যাব্‌স্ট্রাক্ট্) *adj.* existing only in the mind, not concrete ; ভাব্ শুঙনতা লৈবা, পোৎ শুঙনা লৈতবা।

[2]**abstract** (অব্'স্ট্রাক্ট্) *v.t.* take out the essence of a thing, পোৎ অমগী মচি লোথোক্‌পা। *adj.* **abstracted,** *adv.* **abstractedly,** *n.* **abstraction.**

[3]**abstract** ('এ্যাব্‌স্ট্রাক্ট্) *n.* short account, (অইবা লাইরিক্, রাঙাঙ্‌নচিংবগী) অতেন্‌বা রারোল্।

abstruse (অব্'স্ট্রূস্) *adj.* difficult to understand, খঙ্‌বদা লুবা। *adv.* **abstrusely.** *n.* **abstruseness.**

absurd (অব্'সঅড্,-'জঅড্) *adj.* contrary to reason ; foolish ; ridiculous ; নাতৈ চাদবা ; মরম্ য়াওদবা ; অপঙ্‌বা ; নোক্নীংবা। *adv.* **absurdly.** *n.* **absurdity.**

abundance (অ'বন্‌ডন্স্) *n.* great plenty, মরাঙ্ কায়্‌বা। *adj.* **abundant.** *adv.* **abundantly.**

abuse (অ'ব্যূজ্) *v.t.* 1. make a bad or wrong use ; ফত্তনা নত্রগা লান্না শীজিন্নবা। 2. say unkind or unjust things, চৈবা ; থীনা তৌবা। *adj.* **abusive.** *ns.* **abuse; abuser.**

abut (অ'বট্) *v.t. & i.* border on ; adjoin ; কোয়্‌শিন্‌বা ; শম্‌জিন্নবা। *n.* **abutment,** support esp. of a bridge, থোংগুম্বগী ভাক্লো।

abyss (অ'বিস্), **abysm** (অ'বিজম্) *n.s.* a bottomless pit ; hell ; the lowet world ; লৈথা ফংদনা লুবা কোম্ ; নোরোক্ ; পাতাল্। *adj.* **abysmal,** *abysmal ignorance,* পুম্পঙ পঙ্‌গ্রবা।

Scanned by TapScanner

acacia (অ'কেইশ) *n.* thorny shrub producing gum, চিংগোংলৈ।

academy (অ'ক্যেডমি) *n.* higher school, অৱাংবা থাক্কী লাইরিক তম্ফম্ (স্কুল্)। *adj.* **aca'demical.** *n.* **acade'mician.**

accede (অক্'সীড্) *v.t.* 1. succeed (to), ফৃভম্ ফংবা নত্রগা ফংহোবা। 2. agree to, য়াবা। 3. **accede to,** join, য়াওবা।

accelerate (অক্'সেলরেইট্) *v.t. & i.* quicken or increase speed ; খোঙ্জেল্ হেন্গৎহন্বা নত্রগা থুহন্বা। *ns.* **accele'ration ; accelerator,** করিগুম্বা অমগী খোঙ্জেল্ হেন্গৎহন্নবা পোৎ, মরুওইনা হৱাগাড়ীগী খোঙ্জেল্ হেন্গৎহন্নবা খোঙ্নেৎ।

accent ('এ্যাক্সন্ট্) *n.* stress given to a syllable, খোন্থোক্ অমদা পীবা অন্নম্বা। *vs.* **a'ccent ; accentuate.** *adj.* **accentual.** *n.* **accentuation.**

accept (অক্'সেপ্ট্) *v.t.* receive sth. offered ; agree to ; অপীবা পোৎ লৌবা ; য়াবা। *ns.* **acceptance ; accep'tation.**

access ('এ্যাক্সেস্) *n.* approach ; admission ; way to a place ; চঙ্বা ; চঙ্ফম্। *adj.* **ac'cessible.** *n.* **accessi'bility.** *adv.* **accessibly.**

accessary (অক্'সেসরি) *n.& predic. adj.* helper in any act, esp. a crime, করিগুম্বা থবক্তা (মরুওইনা অৱানবদা) মতেং পাংবা মী।

accessory (অক্'সেসরি) *n.* helpful, but not essential part of a thing ; পোৎ অমগী, মরু ওইবদি নত্তবা, কান্নবা শরুক্।

accident ('এ্যাক্সিডেন্ট্) *n.* unfortunate event happening by chance ; অৱাবা থোদোক্ ; খঙ্-হৌদনা থোক্পা ফত্তবা থোদোক্। *adj.* **accidental.** *adv.* **accidentally.**

acclaim (অ'ক্লেইম্) *v.t.* welcome by calling ; applaud loudly ; কৌহ্না তৱাম্ তৱাম্ ওক্পা ; লাউনা থাগৎপা। *n.* **accla'mation.** *adj.* **a'cclamatory.**

acclimatize (অ'ক্লাইমটাইজ্) *v. t. & i.* accustom oneself to a new climate or condition, অনৌবা ঈশিং-নুংশিৎ নত্রগা ফীভম্ অমদা চৃহন্বা (হৈনহন্বা)। *n.* **accli-mati'zation.**

acclivity (অ'ক্লিবটি) *n.* upward slope, মথক্লোম্দা ঙম্থৎপা। *adjs.* **acclivitous, acclivous.**

accommodate (অ'কোমডেইট্) *v.t.* 1. have or provide lodging for, থুংফম্ পীবা। 3. adapt ; harmonize ; চা-নহন্বা ; চৃ-নহন্বা। *adj.* **a'ccommodating,** হায়্ন-তান য়াবা ; মীয়োক্-মীচান্ ফবা। *n.* **accommo'dation.**

accompany (অ'কম্পনি) *v.t.* 1. go with, লোয়্ননা চৎপা। 2. attend, characterize, শাগোন্নবা, মরম্চৎ ওইবা। *n.* **accompaniment ; accompanist,** পৃংয়েবা ; ঈশৈ শক্পবু যন্ত্রনা ইন্বা মী।

accomplice (অ'কম্প্লিস্) *n.* helper or companion (in wrong-doing), মতেং পাংবা মী ; লোয়্নবা মী (অৱান্বা থবক্ তৌবদা)।

accomplish (অ'কম্প্লিশ্) *v.t.* perform ; finish successfully ; পাঙ্থোক্পা ; নীংথিজ্জনা (থবক্) লোইখোক্পা। *adj.* **accomplished,** clever ; skilled (in), (মগুন্দা) মপৃং ফারবা ; হৈ-শিংলবা। *n.* **accomplishment.**

accord (অ'কোওড্) *v. t. & i.* 1. give ; grant ; পীবা ; নিরবড় পীবা। 2. *accord (with)*, match ; agree (with); be in harmony ; চা-নবা; য়ানবা। *ns.* 1. **of one's own accord,**

willingly, মপুক্‌থোক্লা । 2. **accordance,** *in accordance with,* according to, মতুংইন্না ।

according (অ'কোওডিং) : **according as** *conj.* in a manner that depends upon, মতুংইন্না । **according to** *prep.* (a) on the authority of, করিগুম্বা অমগী মতুংইন্না । *adv.* **accordingly.** therefore, মরম্ অদুনা ; মদুগী মতুংইন্না ।

accordion (অ'কোওডিঅন্) *n.* portable musical instrument with bellows ; পুথোক্-পুশিন্ য়াবা, ভাটি য়াওবা ঈশৈগী যন্ত্র অমা ।

accost (অ'কোষ্ট্) *v.t.* go up to and speak to (esp. a stranger), (লম্লান্‌বা মীবু) তরাম্-তরাম্ ওক্‌পা নত্রগা কৌবা ।

[1]**account** (অ'কাউন্ট্) *v.t. & i.* 1. consider; খন্‌বা, খন্নবা। 2. **account for,** explain the cause of, করিগুম্বা অমগী মরম্ তাক্‌পা ।

[2]**account** (অ'কাউন্ট্) *n.* 1. statement of money, শেল্‌গী হিসাব্ । 2. dispute ; quarrel ; মোৎ খেন্নদুনা নুংঙাইনদবা ; খৎনবা : *settle accounts with sb.,* avenge, লমন্ খুম্বা । 3. counting ; মশীং থীবা, হিসাব্ । 4. benefit ; কান্নবা ; শেন্দোং। 5. report ; description; পাউদম্-ৱারোল্; শক্তাক্-ৱারোল্ । 6. attention, পূক্নিং চঙ্‌বা । 7. reason ; cause ; মরম্ ; *on account of,* because of, মরম্‌গীদমক্ । *adj.* **accountable,** responsible, দায়ী ওইবা । *n.* **accountant,** person who keeps accounts, হিসাব্ তৌবা মী। *n.* **accountancy,** হিসাব্‌কী থবক্ ।

accredit (অ'ক্রেডিট্) *v.t.* send an ambassador with official letters ; ওফিস্‌কী চিঠিগা লোয়্‌ননা রাজ্‌দূত্ থাবা । *adj.* **accredited,** (of person) officially recognized, (মী) অফিস্‌না মশক্ থঙ্‌লবা ।

accretion (অ'ক্রীশন্) *n.* increase by growth, চাউথৎলক্‌পা ।

accrue (অ'ক্রু) *v.i.* come as a natural development, থোক্‌কম্ থোক্‌পা মহৈ (ফল্) ওইনা থোরক্‌পা ।

accumulate (অ'ক্যুম্যুলেইট্) *v.t. & i.* 1. gather together ; heap up ; খোম্‌জীন্‌বা, পৈশিন্‌বা । 2. become greater in number or quantity, মশীং নত্রগা চাং হেন্গৎলক্‌পা । *ns.* **accumu'lation ; a'ccumulator.** *adj.* **a'ccumulative.**

accuracy ('এ্যক্যরসি) *n.* 1. exactness, চপ্‌চাবা । 2. freedom from error, লান্দবা । *adj.* **'accurate.**

accursed, accurst (অ'কঅষ্ট্) under a curse ; hateful ; শাপ্ ফংলবা ; তূক্কচনীঙায় ওইবা ।

accusative (অ'ক্যূজটিব্) *n. & adj.* (gram.) objective case, কর্ম্ম-কারক্ ; দ্বিতীয়া বিভক্তি ।

accuse (অ'ক্যূজ্) *v.t.* say that (sb.) has done wrong, মরাল্ পীবা (শীবা) । *adj.* **accused,** *ns.* **accu'sation ; accuser.**

accustom (অ'কষ্টম্) *v.t.* make used to, হৈনহন্‌বা ; অভ্যাস্ ওইহন্‌বা । *adj.* **accustomed.**

ace ('এইস্) *n.* the one on dice or playing card, চৌবর্‌গী নত্রগা তাস্‌কী একা ।

acerbate (অ'সঅবেইট্) *v. t.* to make sour or bitter, শীল্‌হন্‌বা নত্রগা খাহন্‌বা । *adj.* **acerbic.** *n.* **acerbity,** খোন্ য়াক্‌পা ।

ache (এইক্) *n. & v.i.* continuous pain, মতম্ শাংথনা চীক্‌পা (নাবা) ।

Scanned by TapScanner

achieve (অ'চীব্) *v.t.* 1. complete; accomplish ; মপুং ফাহনবা ; পাঙ্-থোক্পা ; (থবক) লোইথোক্পা। 2. gain or reach by effort, হোৎন-ডুনা ফংবা। *n.* **achievement.**

Achilles (অ'কিলীজ্) *n. Achilles' heel*, weak or vulnerable point, অশোন্বা নত্রগা অচেঙ্বা মফম্।

acid ('এ্যাসিড্) *adj.* sour, (মহাউ) অশীন্বা। *n.* sour substance containing hydrogen, হাইদ্রো-জেন্ য়াওবা অশীন্বা পোৎ। *n.* **acidity.** *v.t.* **acidify,** শীন্হন্বা। *v.t.* **acidulate,** make sth. some-what sour, (মহাউ) শিস্তক্ তাহন্-বা। *adjs.* **acidulated; acidulous.**

acknowledge (অক্'নোলিজ্) *v.t.* 1. admit the truth of, অচুম্বনু চুম্ই হায়্না য়াবা। 2. announce receipt of, ফংলে হায়্না খঙ্হন্-খিবা।

acme ('একমি) *n.* highest point (of development, perfection), (ফীভম্গী) চাওখৎপগী খ্বাইদগী ৱাংলবা থাক্।

acne ('এ্যাকনি) *n.* pimples, উরীৎ।

acoustic (অ'কুস্টিক্) *adj.* of the science of sound and the sense of hearing, খোঞ্জেল্ অমসুং তাবগী জ্ঞান্গা মরী লৈনবা বিজ্ঞান্গী ওইবা। *n.* **acoustics,**

acquaint (অ'কেইন্ট্) *v.t.* 1. make known ; make aware ; তোরোৎ-খোদানহন্বা ; খঙ্হন্বা। *ns.* **ac-quaintance ; acquaintanceship.** *adj.* **acquainted.**

acquiesce (এ্যাকি'এস্) *v.i.* agree or accept without protest, ভুমিম্না য়াবা ; য়েত্তনা য়াবা ; বেরা-বেরী তৌদবা। *n.* **acquiescence.** *adj.* **acquiescent.**

acquire [অ'কাইঅ(র্)] *v.t.* get or earn by skill or ability ; হৈ-শিংবনা নত্রগা থবকওস্বনা ফংবা নত্রগা তান্শিন্বা। *ns.* **acquirement ; acqui'sition.** *adj.* **acquisitive.**

acquit (অ'কিট্) *v.t.* 1. release from arrest, (আইন্না) ফাবদগী থা-দোক্পা। 2. pay off debt, লমল্ শিংদোকপা। *n.* **acquittal ;** *n.* **acquittance,** payment of debt, লমল্ কোক্পা।

acre ['এইক(র্)] *n.* measure of land, 4,840 sq. yards, or about 4,000 sq. metres, বর্গগজ ৪,৮৪০ নত্রগা বর্গমিটর্ ৪,০০০ রোম্ চাউবা লম্। *n.* **acreage ;** number of acres ; একর্ মশীং।

acrid ('এ্যাক্রিড্) *adj.* (of smell or taste) sharp, biting, চাবদা নত্রগা মনম্ নম্বদা য়াক্পা নত্রগা নমথীবা। *ns.* **acridity ; acridness.**

acrimony ('এ্যাক্রিমনি) *n.* bitter-ness of temper, manner, lan-guage ; খোল্ য়াক্পা; থীনা শাউ-বা ; খোন্দা ৱাউবা। *adj.* **acri'mo-nious.**

acrobat ('এ্যাক্রবেট্) *n.* person skilled in rope balancing, থোরীদা হাইড্না হৈশিংনা সার্কস্ তৌবা মী। *adj.* **acrobatic.**

across (অ'ক্রোস্) *prep. & adv.* fromside to side, ফৈগাক ফৈনা; তুবৎ।

[1]**act** (এ্যাক্ট) *n.* 1. deed ; thing done ; থবক্ ; পাঙথোক্লবা থবক্। 2. law made by a legislative body ; আইন সভা অমনা শেম্বা আইন্। 4. main division of a play, লীলা অমগী তাঙ্কক।

[2]**act** (এ্যাক্ট) *v. i. & t.* perform actions ; do sth ; করিগুম্বা অমা তৌবা নত্রগা পাঙথোক পা। 2. take part in a play, লীলা য়াওবা ; লীলাদা কনাগুম্বা শাবা।

action ('এ্যাকশন্) *n.* process of doing ; movement ; থবক তৌবগী

শিল্লম ; লেঙ্-ওৎপা । *adj.* **actionable.**

active ('এ্যাক্টিব্) *adj.* 1. doing things ; able to do things ; থবক্ তৌরিবা। 2. energetic, মশা-খীংবা। *adv.* **actively.** *v.t.* **activate,** make active, মশা খীংহন্বা। *n.* **activity.**

actor ['এ্যাক্ট(র্)] *n.* man who acts in a play or film, লীলাদা নত্রগা ফিল্মদা য়াওবা নুপা। *fem* **actress,** লীলা য়াওবী নুপী।

actual ('এ্যাক্চুঅল্) *adj.* real ; অশেংবা; থাঙ্গৈশেংবা। *adv.* **actually,** *n.* **actuality.** *v.t.* **actualise.**

actuate ('এ্যাক্চুএইট্) *v.t.* cause to act ; influence ; রাখল্বু থবক্তা ওন্থোক্পা ; ইথিল্ পীবা। *ns.* **actuation ; actuator.**

acumen (অ'ক্যুমন) *n.* sharpness of mind ; power to understand clearly ; বুদ্ধি-লৌশিং থৌবা ; শেংনা খঙ্বা ঙম্বগী শক্তি।

acupuncture ['এ্যাক্যুপঙ্ক্চ(র্)] *n.* pricking with fine needles to cure disease, য়েন্তুম্না থিন্দুনা লায়্নাবু লাইয়েংবগী মওঙ্।

acute (অ'ক্যুট্) *adj.* keen ; sharp ; (বুদ্ধি-লৌশিং, ঈন্দ্রিনচিংবা) থৌবা নত্রগা থুনা খঙ্গন্বা। 2. (of diseases) coming sharply to a crisis অনাবা হোৎঙ্গল্লক্পা, প্রপ্-প্রপ্ তক্শিন্গন্বা ; 3. (of angles) less than 90°, (কোণ্) ডিগ্রী ৯০° দগী হন্থবা । *adv.* **acutely.** *n.* **acuteness.**

adage ('এ্যাডিজ) *n.* old and wise saying, লিরবা অমসুং লৌশিং য়াওবা পাউরৌ নত্রগা রাওঙ্।

Adam ('এ্যাডম্) *n.* the first man according to the Bible, বাইবল্গী মতুংইন্না ঈহান্ হান্বা মী।

adamant ('এ্যাডমন্ট্) *n.* very hard stone, য়াম্না কন্বা নুং। *adj.* firm in purpose ; never changing ; নুং-চঙ্বা ; মনুং-কন্বা। *adj.* **adamantine,**

adapt (অ'ডোপ্ট্) *v.t.* make sth. suitable for a new need ; করিগুম্বা অমবু অনৌবা দরকার্ অমগা চা-নহনবা, চুনহন্বা নত্রগা চা-ননবা শেম্বা। *adj.* **adapted.** *n.* **adaptation.** *adj.* **adaptable,** *n.* **adaptability.**

add (এ্যাড্) *v.t. & i.* join one thing to another, তিন্শিন্বা। 2. increase, হেন্গৎহন্বা। *n.* **addition.** *adj.* **additional.**

addict (অ'ডিক্ট) *v.t.* **be addicted to ;** be given to, habitually or compulsively, করিগুম্বা (ফত্তবদা) হৈনথবা।

addle ('এ্যাডল্) *adj.* empty ; muddled, অহাঙ্বা ; চৈনবা ; ভাব্ তাহন্দবা। *v.t. & i.* 1. confuse ; চৈনবহন্বা, চৈননদুনা ভাব্ তাহন্দবা। 2. (of eggs) become rotten, (য়েরুম্) পুম্বা : *addled eggs.*

address (অ'ড্রেস্) *v.t.* 1. say sth. to, in a speech or writing ; কনাগুম্বদা চীন্না নত্রগা ইদুনা করিগুম্বা খরা হায়্বা; 2. write on a letter, parcel, etc. the particulars of the person to whom it is to be delivered, চিঠিনচিংবা ফংগদৌরিবা মীগী ঠিকানা (মিং লৈফম্নচিংব) চিঠিদুদা থাবা। *n.* particulars (name, residence, etc.) of a person to whom a letter is sent, চিঠিনচিংবা ফংগদৌরিবা মীগী ঠিকানা (মিং লৈফম্নচিংবা) । *n.* **addressee.**

adduce (অ'ড্যুস্) *v.t.* put forward (as proof, as an example), খুদম্ নত্রগ প্রমাণ্ ওইনা পুথোক্পা নত্রগা পন্বা। *n.* **adduction.** *adj.* **adducible.**

Scanned by TapScanner

adept ('এ্যাডেপ্ট্) *adj.* expert in sth. করিগুম্বা অমদা ফজনা হৈশিংবা। *n.* expert, হৈ-শিংলবা মী।

adequate ('এ্যাডিকট্) *adj.* sufficient ; enough ; suitable ; মতিক্ চানা ওক্পা ; চুনবা। *adv.* **adequately.** *n.* **adequacy.**

adhere [অড্'হিঅ(র্)] *v.i.* 1. stick fast, নপ্পনা খাঙ্বা। 2. gum ; (গোম্না তৌবগুম্না) নপ্পা। *n.* **adherence.** *adj.* **adherent.**

adhesion (অড্'হীঝন্) *n.* act of sticking ; নপ্পা ; থাদোক্তনা শোংপা।

adhoc (এ্যাড্'হোক্) (Lat.) arranged for the time being or purpose, মতম্ খরতগী নত্রগা মরম্ খরতগী শীন্বা : *adhoc committee.*

adieu (আ'ড্যু) *n.* & *int.* good-bye, বিদায় ; কায়্নরম্দাইদা হায়্নবা ৱাহৈ।

adjacent (আ'জেইসন্ট্) *adj.* lying near ; close at hand ; নক্লবা ; (নক্লা) লোন্নবা। *n.* **adjacency.**

adjective ('এ্যাজিক্টিব্) *n.* word added to a noun to describe it, বিশেষণ্। *adj.* **adjectival.**

adjoin (আ'জোওইন্) *v.t.* unite ; be next to ; পূন্শিন্বা ; শম্নবা ; থংনবা। *adj.* **adjoining.**

adjourn (আ'জঅন্) *v.t.* 1. postpone, মতম্ য়ৈথোক্পা। 2. go to another place, অতোপ্পা মফম্ অমদা চৎপা। *n.* **adjournment.**

adjudge (আ'জজ্) *v.t.* 1. decide by law, (আইন্না) ৱায়েন্বা। 2. pronounce judgement, বিচারগী ৱায়্ লাউথোক্পা। *n.* judgement, ৱায়্।

adjudicate (আ'জুডিকেইট্) *v.t.* & *i.* 1. try according to law, ৱায়েন্বা ; (আইন্না) বিচার্ তৌবা। 2. sit as a judge, বিচারপতি ওইনা ফম্বা। *ns.* **adjudication ; adjudicator.**

adjunct ('এ্যাজঙ্ক্ট্) *adj.* joined ; added, হাপ্চিল্লবা। *n.* person or thing added to, হাপ্চিল্লবা মী নত্রগা পোৎ ; বিশেষণ।

adjure [অ'জুঅ(র্)] *v.t.* beg ; entreat earnestly ; কন্না হায়্জবা। 2. require sb. on oath, কনাগুম্ববু ৱাশক্তুনা হায়্হন্বা। *adj.* **adjurable.**

adjust (অ'জষ্ট্) *v.t.* put in order; arrange ; চা-নহন্বা ; মথং-মনাউ নাইনা থম্বা ; চুনহন্বা। *n.* **adjustment.**

adjutant ('এ্যাজুটন্ট্) *n.* military officer who assists superiors, মথক্থোংবা অফিসারশিংবু মতেং পাংবা লান্মীগী অফিসার।

administer [অড্'মিনিষ্ট(র্)]*v.t.* & *i.* control, manage, look after (business affairs, government, etc.) ; (কারবারগী থবক্,শাসন্নচিংবা) লাক্পা ; (মখাগী মীবু) শীল্লাঙ্বা, (শোয়্দনবা) য়েংশিন্বা ; শাসন্ চালাইবা। *adj.* **administerial,** pertaining to administration, লৈবাক ঙাক্পগী (ওইবা)। *ns.* **administrator; administration,** শাসন্। *adj.* **administrative.**

admiral ('এ্যাড্মরল্) *n.* commander of navy, ঈশিং-লান্মীগী মকোক্। *ns.* **admiralty ; admiralship.**

admire [অড্'মাইঅ(র্)] *v.t.* look on with wonder and pleasure; have a high regard ; ঙক্লা অমসুং নুংঙাইনা য়েংবা ; য়াম্না ঈকাইখুম্নবা। *ns.* **admiration ; admirer.**

admit (অড্'মিট্) *v.t.* & *i.* 1. allow (sth or sb.) to enter, চঙ্বা য়াবা; চঙ্হন্বা ; মিং চন্বা (স্কুল্, কলেজ্দা)। 2. confess ; accept as true, লাল্লুরে হায়্না য়াবা ; অচুম্বনি হায়না লৌবা। *adv.* **admittedly,** by general admission, খ্ৱাইনা

য়ানরবা ওইনা। *n.* admission. *adj.* **admissible,** *n.* **admittance.**

admix (এ্যাড্'মিক্স্) *v.t.* mingle ; mix ; (পোৎ ময়াম্) য়ান্শিন্নবা। *n.* **admixture.**

admonish (অড্'মোনিশ্) *v.t.* give warning ; reprove gently ; ৱারক্-ৱাতেম্বা ; হাইরপ্ চৈবা। *n.* **admo'nition.** *adj.* **ad'monitory.**

ado (অ'ডূ) *n.* fuss ; trouble and excitement ; মনা-মনিল্ নাইবা ; ঈলাঙ্দ-লাঙ্বা।

adolescence (এ্যাডো'লেসন্স্) *n.* period of life between childhood and manhood, মথোক্ কারক্পা ; পাখং লৈশাবী ওইরক্পা। *adj.* & *n.* **adolescent.**

adopt (অ'ডোপ্ট্) *v.t.* take sb. into relationship, মীচাবোক্পু (মাগী ওইনা) য়োক্পা। 2. take (an idea or custom) and use, (ৱাখল্ নত্রগা চৎনবীবু) লৌরগা শীজিন্নবা। *n.* **adoption.**

adore [অ'ডোও(র্)] *v.t.* 1. worship (God) ; love deeply ; respect highly ; (ঈশ্বরবু) পূজা তৌবা ; য়াম্না নুংশিবা; য়াম্না ঈকাইখুম্নবা। *adj.* adorable. *ns.* **adoration ; adorer.**

adorn (অ'ডোওন্) *v.t.* decorate ; add beauty to ; লৈতেংবা ; ফজবা হেঙ্গৎহন্বা। *n.* **adornment.**

adrift (অ'ড্রিফ্ট্) *adv.* & *pred. adj.* 1. (of ships and boats) not under control and driven by wind and water, (হি, জহাজ্) নুংশিং অমসুং ঈশিংনা পুখিত্না থোনীংবা মায়্কৈদা থোৱা ঙম্দবা। 2. at the mercy of circumstances, কীভম্গী মখা পোন্বা।

adroit (অ'ড্রোওইট্) *adj.* skilful ; হৈ-শিংবা। *adv.* **adroitly.** *n.* **adroitness.**

adulate ('এ্যাডুলেইট্) *v.t.* flatter, চীরোন্ তৌবা। *ns.* **adulator, adulation,** *adj.* **adulatory,** চীরোয়া থল্লবা।

adult ('এ্যাডল্ট্) *adj.* & *n.* grown to full size and strength, person or animal grown to full size, মীওই-মীতৌ শুরবা ; চাউবা মপূং ফারবা মীওই নত্রগা শা।

adulterate (অ'ডল্টরেইট্) *v t.* make impure by mixture, ফত্তবা পোৎ য়ান্শন্দুনা শেংতনদবা। *ns.* **adulteration ; adulterant.**

adultery (অ'ডল্টরি) *n.* sexual unfaithfulness of a husband or a wife, মীগী মতূ নত্রগা মৱা ঙাঙ্নবা। *n.* **adulterer,** *fem.* **adulteress.**

adumbrate ('এ্যাডম্ব্রেইট্) *v.t.* indicate faintly, (থোক্কদোরিবা থোদোক অমবু) হাইফেৎ ঊৎপা।

advance (অড্'বান্স্) *v.t.* & *i.* 1. come or go forward, মাঙ্লোম্দা লাক্পা নত্রগা চঙ্শিন্বা। 2. pay (money) before it is due, পীফম্ থোক্তিঙৈদা শেল্ পীবা। *n.* **advance.**

advantage (অড্'বান্টিজ্) *n.* sth. useful or helpful ; opportunity, খুদোংচাবা ; কান্নবা নত্রগা মতেংওইবা করিগুম্বা পোৎ। *v. t.* benefit, কান্নহন্বা। *adj.* **advantageous.**

advent ('এ্যাড্বেন্ট্) *n.* 1. coming or arrival, লাক্পা নত্রগা থুংলবা।

adventitious (এ্যাড্বেন্'টিশস্) *adj.* coming by chance ; accidental ; খঙ্হৌদনা থোক্লবা নত্রগা লাক্পা।

adventure [অড্'বেন্চ(র্)] *n.* unusual or strange happening (of journey or activity), মহোশা থোক্তবা নত্রগা অঙক্পা থোদোক্ (কৌখোঙ্চৎ নত্রগা থবক্) ; থোনা ফবগী থবক্। *n.* **adventurer,** *adv.* **adventurous,** থোনাফবা; খুদোংথীরবা।

adverb ('এ্যাড্বঅর্) *n.* a word that modifies a verb, an adjective or another adverb, ক্রিয়া বিশেষণ্। *adj.* **adverbial.** *adv.* **adverbially.**

adversary ('এ্যাড্বসরি) *n.* enemy ; opponent ; য়েক্নবা ; লাম্বা।

adverse ('এ্যাড্বঅস্) *adj.* 1. opposed to, ওন্নতৈনবা ; য়েংথীনবা। 2. unfavourable, খুদোংচাদ্রবা ; নুংঙাইতবা।

adversity (অড্'বঅসটি) *n.* distress ; misfortune ; অৱাবা ; লাইবক্থীবা।

advert (অড্'বঅট্) *v.i.* refer to sth. in speaking or writing, ইবদা নত্রগা ৱা ঙাঙ্বদা করিগুম্বরু পল্লম্বা।

advertise ('এ্যাড্বটাইজ্) *v.t.* make known to people (by notice in newspaper, etc.), (পাউ-চে-নচিং-বদা) নোটিশ্ তৌদুনা ময়াম্দা শন্দোক্পা। *ns.* **advertisement ; advertiser.**

advice (অড্'বাইস্) *n.* opinion about what to do, পাউতাক্ ; পাউমেল্। 2. (pl) news from a distance, অরাপ্পদগী পাউ।

advisable (অড্'বাইজবল্) *adj.* wise ; sensible ; অশিংবা ; জ্ঞান্তাবা।

advise (অড্'বাইজ্) *v.t.* & *i.* 1. give advice to ; recommend ; পাউতাক্ পীবা ; পাওমেন্বা। 2. inform, পাউ তাক্পা। *n.* **adviser,** *adv.* **advisedly,** *adj.* **advisory.**

advocate ('এ্যাড্বকট্) *n.* person who speaks in favour of sb. or sth ; উকিল্। *v.t.* support ; plead for another; মীচ্ঙ চঙ্বা; অতোপ্পগীদমক্ চুম্হই হায়্না য়েৎপা।

adze (এ্যাড্জ্) carpenter's tool for cutting away wood, হাঙ্মৈ-থুদোং।

aegis ('ঈজিস্) *n.* 1. shield, চুঙোয়্। 2. protection : ঙাক্সোক্পা, (শোক্তনবা) কন্বা। 3. sponsorship, শোগৎপা।

aeon, eon ('ঈঅন্) *n.* period of time too long to be measured; য়াম্না শাংথ্রবা মতম্ ; যুগ্।

aerate ('এঅরেইট্) *v.t.* *1.* expose to air, নুংশিৎ য়েহন্বা। 2. charge with carbonic acid gas, কার্বনিক্ এসিড্ গ্যাস্ হাপ্তন্বা (য়ান্শন্বা)। *n.* **aeration.**

aerial ('এঅরিঅল্) *adj.* *1.* existing in or moving through the air, অতিয়াদা লৈবা নত্রগা চৎপা। 2. of or like air ; immaterial; নুংশিৎকী ওইবা নত্রগা নুংশিৎকুম্বা ; পোৎশক্ ওইনা লৈতবা। *n.* wire that receives or sends out radio signals. রেডিওগী পাউ ফা-নবা নত্রগা থা- ব তারা।

aerie, aery ('এঅরি) *n.* nest of bird of prey, esp. eagle, অতৈরু শিকার্ তৌদুনা হিংবা উচেক্কী (মরু-ওইনা ঈগল্গী) মহুম্।

aerodrome ('এঅরড্রউম্) *n.* flying ground, এইরোপ্লেন্ তাফম্ অমসুং পাইখৎফম্।

aeronaut ('এঅরনোওট্) *n.* person who pilots an airship ; এইরোপ্লেন্ বেলুন্নচিংনা খোৎবা মী।

aeronautics (এঅর'নোওটিক্স্) *n.* (sing. v) science of aviation, নোংথক্তা পাইনগী বিজ্ঞান্।

aeroplane ('এঅরপ্লেইন্) *n.* flying machine, এইরোপ্লেন্।

aesthete ('ঈস্থীট্) *n.* person who has great love for beauty, ফজবা য়াম্না পাম্বা মী। *adj.* **aesthetic** *n.* **aesthetics,** branch of philosophy that deals with the laws and principles of beauty, ফজবরু খঙ্নবা লৈনবা দর্শণ্শাস্ত্রগী শরুক্।

Scanned by TapScanner

afar [অ'ফা(র্)] *adv*. far off, লাপ্পা।

affable ('এ্যফবল্) *adj*. polite and friendly, লৈবাকমচাতাবা, বোবহার্ ফজবা। *adv*. **affably**. *n*. **affa'bility**.

affair [অ'ফেঅ(র্)] *n*. 1. event, থৌদোক্। 2. business; থৌ; থবক্।

affect (অ'ফেক্ট্) *v.t*. 1. have an effect on; act on; ফল্ থোক্হন্বা; শোক্হনবা। 2. pretend, তৌশিন্নবা। 3. move the feelings of, পুক্নিং খোয়্রাঙ্হন্বা। *adj*. **affected**. *adv*. **affectedly**. *n*. **affectation**.

affection (অ'ফেক্শন্) *n*. kindly feeling; love; fondness; নুংশিবা; পাম্বা। *adj*. **affectionate**. *adv*. **affectionately**.

affiance (অ'ফাইঅন্স্) *v.t*. betroth; promise to marry; (নুপী) থাজবা; লুহোংগে হায়্না ৱাশক্পা।

affidavit (এ্যফি'ডেইবিট্) *n*. written statement on oath (law) ৱাশক্তুনা হায়্বা অইবা জবান্ (আইন্)।

affiliate (অ'ফিলিএইট্) *v. t*. & *i*. adopt or take sth or sb. as branches, (করিগুম্বৱু, কনাগুম্বৱু) অচৌবা অমগী মশা (=শৱক্) ওইনা লৌশিন্বা। *ns*. **affiliation**; **affiliator**.

affinity (অ'ফিনটি) *n*. 1. relationship by marriage, লুহোংবদগী থোক্লবা মরী। 2. close connection; structural resemblance (of plants, animals, language); নক্লবা মরী; (জীব, পাম্বী, লোল্গী) শাওঙ্-শাদাদা মান্নবা।

affirm (অ'ফঅম্) *v.t*. state as a fact; অচুম্বনি হায়্বা; শোয়্দবনি হায়্বা। *adj*. & *n*. **affirmative**. *n*. **affirmation**. *adj*. **affirmatory**.

[1]**affix** (অ'ফিক্স্) *v.t*. fix; fasten; attach; (তাদনবা) ফাজিন্বা; হাপ্চিন্বা; নপ্শিন্বা। *n*. sth. added হাপ্চিল্লিবা পোৎ।

[2]**affix** ('এ্যফিক্স্) *n*. suffix or prefix; বিভক্তি, প্রত্যয়, উপসর্গ।

afflict (অ'ফ্লিক্ট্) *v.t*. cause bodily or mental suffering, হক্চাংদা নত্রগা পুক্নিংদা অৱাবা পীবা। *n*. **affliction**.

affluence ('এ্যফ্লুঅন্স্) *n*. wealth; abundance; লন্, মৱাংকায়্বা। *adj*. **affluent**.

afford (অ'ফোওড্) *v.t*. 1. spare or find enough time or money for, মতীক্চাবা শেল্ নত্রগা মতম্ ফংবা নত্রগা কাইথোক্পা। 2. give পীবা (=হুন্বা)।

afforest (অ'ফোরিষ্ট্) *v.t*. plant (land) with trees, (লম্ অমৱু) উ থাদুনা জঙ্গল্ ওইহন্বা। *n*. **afforestation**.

affray (অ'ফ্রেই) *n*. fight in a public place, খুৎইগী ওইবা মফমদা খৎন-চৈনবা।

affright (অ'ফ্রাইট্) *v.t*. frighten, কিহন্বা। *n*. fear; terror, অকিবা।

affront (অ'ফ্রন্ট্) *v.t*. insult on purpose; ঈকাইবা পীগে হায়্না পীবা।

affuse (অ'ফুজ্) *v. t*. pour on, হৈথবা। *n*. **affusion**.

afield (অ'ফীল্ড্) *adv*. 1. on, in or to the field; লৌবুক্তা। 2. far away from home; at a distance; য়ুম্দগী লাপ্পা; অৱাপ্পদা।

afire [অ'ফাই(র্)] *adv*. & *pred. adj*. on fire; মৈথক্তা; মৈ হৌবা।

aflame (অ'ফ্লেইম্) *adj*. & *adv*. on fire; burning; মৈৱী থোক্লা চাক্লিবা।

afloat (অ'ফ্লউট্) *adv*. & *pred. adj*. floating; carried along on air or water, তাউরিবা; নুংশিত্তা নত্রগা ঈশিংদা তাউদুনা চৎপা।

afoot (অ'ফুট্) *adv*. & *pred. adj*. 1. in preparation, শেম্-শাৱিবা; থবক্

চত্থরিবা। 2. on foot, খোঙ্‌না৮

afore [অ'ফোও(র্)] *adv.* before ; previously ; হান্নন ; মাঙ্‌জোননা।

afraid (অ'ফ্রেইড্) *pred. adj.* 1. frightened ; কিহল্লবা, অকিবা পোক্লিবা।

afresh (অ'ফ্রেশ্) *adv.* again ; in a new way ; অমুক হন্না ; নোহোননা।

aft (আফ্‌ট্) *adv.* & *adj.* towards the stern of a ship, জহাজ্‌গী তুংলোম্‌দা (লৈবা)।

after ['আফ্‌ট(র্)] *adv., prep., conj.* & *adj.* 1. following in time ; later than, মতুংদা। 2. (of places) behind, (মফম্) মতুংদা ; তুংলোম্‌দা।।

afternoon (আফ্‌ট'নূন্) *n.* time between noon and evening, নুমিৎ -য়ুংবা মতুং।

afterwards ('আফ্‌টরড্‌জ্) *adv.* after ; later ; মতুংদা; কোন্নথঙ্‌দা।

again (অ'গেন্) *adv.* 1. once more; অমুক্‌ হন্না। 2. **now and again,** মরক্‌ মরক্তা। 3. **again and again, time and again,** হন্না হন্না।

against (অ'গেন্‌ষ্ট্) *prep.* 1. in opposition to, মাইয়োক্তা ; য়ানীং-দবা ওইনা। 2. in contrast to, ওন্নতৈনবা ওইনা৮ 4. opposite to, মপাদা।

agape (অ'গেইপ্) *pred. adj.* & *adv.* with the mouth wide open (in wonder, surprise or a yawn) ; য়া কাবা (ঙকপা নত্রগা হাকাম্ চন্‌বগী)।

agate ('এ্যাগিট্) *n.* a precious stone, মমল্‌ য়াম্বা নুং (মণি) অমা।

age (এইজ্) *n.* 1. length of time one has lived, কনাগুম্বনা হুবা চহী। 2. later part of life, অহল্‌ ওইরক্‌পা চহী। 3. long period of human history, যুগ্। *v.t.* & *i.* grow old, অহল্ ওইশিল্লক্‌পা। *p.p.* **aged,** old, অহল্ ওইরবা ; হন্নুরবা।

agenda (অ'জেন্‌ড) *n. pl.* (sing. agendum) business to be discussed in a meeting, মিটিংদা খন্নগদবা রাফম্।

agent ('এইজন্ট্) *n.* 1. person who acts for or manages the business affairs of another, (কোম্পা-নীগুম্বগী) এজেন্ট্। 2. person who exerts power ; person or thing producing an effect ; শক্তি শীজিন্নরিবা মী ; মহয়্ অমা থোক্‌-হল্লিবা মী নত্রগা পোৎ। *n.* **agency.**

agglomerate (অ'গ্লোমরেইট্) *v.t.* & *i.* collect into a mass, মপৈ ওইনা খোম্‌জীন্‌বা। *adjs.* **agglomerate ; agglomerative,** collected into a mass, মপৈ ওইনবা খোম্‌জীল্লবা। *n.* **agglomeration.**

aggrandize (অ'গ্রোন্‌ডাইজ্) *v.t.* make greater in power, rank wealth, importance; শক্তি, থাক্, লল্, মরু ওইবনচিংববু হেন্না চাউহন্‌বা। *n.* **aggrandizement.**

aggravate ('এ্যগ্রবেইট্) *v.t.* 1. make worse ; হেন্না ফৎহন্দবা। 2. make angry, শাউহন্‌বা। *n.* **aggravation.**

aggregate ('এ্যাগ্রিগেইট্) *v.t.* & *i.* 1. bring together into a mass, পূন্‌শীন্‌বা ; পূন্‌শীল্‌হন্‌বা। 2. amount to, (মশীংশিংবু) তিন্‌শিন্‌বা *adj.* & *n.* total, অপূন্‌বা মশীং ; *in the aggregate,* পুল্লপ্তা। *n.* **aggregation.**

aggressive (অ'গ্রেসিব্) *adj.* 1. quarrelsome ; disposed to attack ; খৎনগন্‌বা ; লান্দাগন্‌বা। 2. offensive ; of or for attack ; লাক্‌শীল্‌লক্‌পা, লান্দাবা হৌগন্‌বা ; লান্দানবগীদমক্ ওইবা। 3. not afraid of resistance, অনম্ কন্‌বা; মীনা য়েৎলকপা, শীংনরকপদা কিদবা। *ns.* **aggressiveness, aggression.**

Scanned by TapScanner

aggrieve (অ'গ্রীব্) *v. t.* grieve ; cause sorrow ; রাহন্‌বা ; অরাবা তাহন্‌বা। *adj.* **aggrieved.**

agile ('এ্যজাইল্) *adj.* quick-moving ; active ; মশা খীং-খীং লাউবা ; শরীৎ-শরাৎ হৈবা। *adv.* **agilely.** *n.* **agility.**

agitate ('এ্যজিটেইট্) *v.t.* & *i.* 1. shake, or stir up (a liquid), (মহী অমত্) নীক্‌পা নত্রগা ওৎপা। 2. disturb ; cause anxiety to sb., কনাগুম্বত্ ওৎপা নত্রগা মপূক্লিং নুংঙাইহন্দবা। *part. adj.* **agitated ; agitating.** *n.* **agitation,** লৈবাক্ হোবা (আন্দোলন্)। *n.* **agitator.**

aglow (অ'গ্লউ) *adj.* & *adv.* 1. bright with colour; in a glow; মচুনা লংখৎপা (লংখৎনা); য়াম্না লংনা। 2. showing brightness from health or pleasure, (মী) নুংঙাইবা নত্রগা হকচাং ফবনা কুচু লংখৎপা।

agnail ('এ্যাগ্‌নেইল্) *n.* torn skin at root of the nail, রায়্খুমিৎ।

agnostic (এ্যাগ্'নোষ্টিক্) *n.* person who believes that nothing can be known about God except material things, লেঙ্-লি-পাল্লিবসি নত্তনা ঈশ্বর্গা মরমদা করিসু খঙ্‌দে হায়্‌না থাজবা মী। *adj.* of this belief, অসুম্না থাজবা। *n.* **agnosticism.**

ago (অ'গউ) *adv.* past, (মতম্) হোঙ্রবা।

agog (অ'গোগ্)*adv.* & *pred. adj.* eager ; excited ; লাঙ্‌তক্লবা ; খোরাংনা ঙাইবা।

agony ('এ্যগনি) *n.* great pain or suffering, য়াম্না নাবা নত্রগা রাবা। *v.t.* **agonize,** to inflict pain or sorrow on, অরা-অনা পীবা। *adj.* **agonizing,** অরা-অনা পীরিবা নত্রগা খোক্‌হল্লিবা।

agrarian (অ'গ্রেঅরিঅন্) *adj.* of land ; of land ownership, লম্‌গী (মরী) ওইবা ; লম্-মপুগী (মরী) ওইবা।

agree (অ'গ্রী) *v.t.* & *i.* 1. consent; say 'yes', য়াবা ; 'হোয়্' হায়্‌বা। 2. be of the same opinion ; চা-নবা ; মোৎ তিন্নবা। 3. be happy together, নুংঙাইমিন্নবা ; খৎনা-চৈনদবা ; চা-নবা ; 4. **agree with,** চুনবা।

agreeable (অ'গ্রীঅবল্) *adj.* 1. pleasing; giving pleasure. পূক্লিং পেল্‌হনবা ; পূক্লিংদা নুংঙাইবা পীবা। 2. ready to agree, য়ানীংবা। *adv.* **agreeably.**

agreement (অ'গ্রীমন্ট্) *n.* 1. having the same opinion ; thinking in the same way ; মোৎ মান্নবা ; রাখল্ মান্নবা : 2. contract between two persons or parties, মী অনীগী নত্রগা পার্টি অনীগী য়া-নবা নত্রগা য়ান-চে (দলিল্)।

agriculture ['এ্যাগ্রিকল্চ(র্)] *n.* practice or science of farming, লৌউ-শীংউবা ; লৌউ-শীংউবগী বিজ্ঞান্। *adj.* **agricultural.** *n.* **agriculturist,** farmer, লৌউবা (মী)।

ah (আঃ) int. cry of surprise, sorrow, etc. ; আঃ ; ওঃ।

ahead (অ'হেড্) *adv.* & *pred. adj.* in front ; in advance ; মাঙ্‌দা ; মাঙ্‌জোননা। **go ahead,** খুমাঙ্ চাওশিন্‌বা। **look ahead,** তুংগী খন্দুনা শেম্-শাবা।

aid (এইড্) *v.t.* & *n.* 1. help মতেং পাংবা। 2. sth. that helps, মতেং ওইরিবা পোৎ। *part. adj.* **aided,** মতেং পীরবা।

aide-de-camp (এইড্‌ড'কোং) *n.* military officer helping a superior, মথক্‌থোংবা অফিসার্‌বু মতেং পাংবা মিলিটরি অফিসার্।

ail (এইল্) *v.t.* & *i.* 1. trouble, রাহন্‌বা, লাংতক্লহন্‌বা। 2. be ill, নাবা ; হকচাং ঙমদবা। *n.* **ailment,** অনাবা।

Scanned by TapScanner

aim (এইম্) *v.t. & i.* 1. point (a gun, etc.) towards, (নোঙ্‌মৈনচিংবা কাপ্পদা পান্নবা) পান্দম্ লাক্‌পা (=তম্বা) ; নিশান্ তোবা । 2. have a plan or mind, করিগুম্বা অমা তোগে। হায়্‌না থোরাঙ্‌বা নত্রগা নীংবা । *n.* act of aiming, পান্দম্ লাকপা । purpose, পান্দম্ । *adj.* aimless, পান্দম্ লৈতবা । *adv.* **aimlessly.**

1**air** [এঅ(র্)] *n.* 1. the mixture of gases that covers the earth and which we breathe, নুংশিৎ । 2. appearance; manner; শক্‌ফম্; লম্চৎ-শাজৎ । 3. *adj.* **air-conditioned,** (করিগুম্বনু) অঙাং-অশাগী চাং অমদা থম্বা ।

2**air** [এঅ(র্)] *v.t.* 1. put (clothing, etc.) into open air to dry, নুংশিৎ চা-হন্‌বা । 2. let air enter into (a room, etc.), (কানচিংবদা) নুংশিৎ চঙ্‌হন্‌বা । 3. make others know (কনাগুম্বগী মোৎ, মিংচৎনচিংবত্নু) অতোপ্পদা খঙ্‌হন্‌বা । *n.* **airing,** নুংশিৎ য়ৈহন্‌বা ।

airy ('এঅরি) *adj.* 1. having plenty of fresh air moving through, অশেংবা নুংশিৎ মরাংকায়্‌না ফংবা ; হক্‌চিৎলাংবা । 2. of a like air ; immaterial ; নুংশিৎকুম্বা; পোৎশক্ ওইনা লৈতবা । 3. not sincere, মপূক্‌-শেংদবা । *adv.* **airily.**

ajar [অ'জা(র্)] *adj. & adv.* (of doors) partly open, (থোঙ্) ময়া কাহ্নুনা (লৈবা) ; খজিক্কং হাংদোক্লুনা (লৈবা) ।

akimbo (অ'কিম্বউ) *adv.* with hands on hips, (খুৎনা) খাঙ্ মেত্তুনা ।

akin (অ'কিন্) *pred. adj.* 1. belonging to the same family ; related by blood ; শাগৈ-নাতৈ ওইবা ; মরী থোক্নবা । 2. of similar character, মরম্চৎ মান্নবা ; অক্ষা ওইবা ।

alack (অ'ল্যাক্) *int.* cry of regret or sorrow ; ওস্থোক্‌পনি; ওঃ (অরাবগী খোল্লাউ) ।

alacrity (অ'লেক্রিটি) *n.* cheerful readiness, হরাওনা শেম্-শাহ্নুনা লৈবা ।

alarm (অ'লাম্) *n.* 1. (sound or signal of) warning of danger ; apparatus giving warning of danger ; (থোঙ্গেন্না নত্রগা খুদম্না) খুদোংথীবা থোক্কদোরে চোক্‌শিল্লু হায়্‌না তাক্লক্‌পা ; মত্নু তাক্লক্নবা খুৎলায়(যন্ত্র) । 2. fear and excitement of danger, খুদোংথীবনু কিহ্নুনা থক্কৎপা । *v.t.* give warning of danger, খুদোংথীবা থোক্কদোরে তাক্‌পা । *n.* **alarmist,** করিসু লৈতবগীসু য়াম্না কিগন্‌বা মী ।

alas (অ'ল্যাস্) *int.* cry of sorrow, ওস্থোক্‌পনি (অরাবগী খোল্লাউ) ।

albeit (ওওল্‌'বীইট্) *conj.* though, (অদু) ওইরবসু ।

albino (এ্যাল্'বীনউ) *n.* animal or human being born without natural colour in the skin, hair and the eyes ; উন্‌শা, মশম্ অমসুং মমীৎ মহোশাগী মচু য়াওদনা পোক্লক্‌পা শা নত্রগা মী ।

album ('এ্যাল্‌বম্) *n.* blank book to collect photographs, ফোটো থেত্তুনা থম্নবা অহাঙ্‌বা (ইদবা) বই ।

albumen ('এ্যাল্‌বুামন্) *n.* white of egg, য়েরূম্গী অঙৌবা শরূক্ । *adj.* **albuminous.**

alchemy ('এ্যাল্‌কমি) *n.* chemistry of changing other metals into gold, ধাতু অতৈরু সনা ওল্‌হন্নবা রসায়ণ্ বিদ্যা । *n.* **alchemist,** রসায়ণ্ বিদ্যাদ্রু হৈবা মী ।

alcohol ('এ্যাল্‌কহোল্) *n.* spirit or wine, য়ু; কাটৈল । *adj.&n.* **alcoholic,** containing alcohol, য়ু য়াওবা । *n.* person having the habit of

drinking alcohol, য়ু থক্পদা হৈনগ্রবা মী। *n.* **alcoholism,** য়ু থক্পনা থোক্হনবা লায়্না।

ale (এইল্) *n.* light-coloured beer, বিঅর্ (য়ু)গী মখল্ অমা।

alert (অ'লঅর্ট্) *adj.* watchful ; fully awake ; মীৎশিং-নাশিংবা ; তৃম্দনা (হৌগত্না) লৈবা ; *on the alert,* মীৎশিং-নাশিংনা লৈবা। *adv.* **alertly.** *n.* **alertness.**

algebra (এাল্‌'জব্র) *n.* branch of mathematics in which signs and letters are used instead of numbers, মশীংগী মহুত্তা থৃদম্ অমসুং ময়েক্ শীজিন্নবা অঙ্ক (বীজগণিত্)। *adjs.* **algebraic ; algebraical.** *adv.* **algebraically.**

alias ('এইলিঅস্) *n.* name by which a person is called on other occasions, নিপা অমবু অতৈ অতৈদা খঙ্নবা অতোপ্পা মিং। *adv.* also called, অসিনু কৌই।

alibi ('এালিবাই) *n.* plea that one was in another place when the crime was committed, মরাল্ অদু তৌবা মতম্দা মী অদু অতোপ্পা মফম্দা লৈরম্ই হায়্বা জবান্।

alien ('এইলিয়ন্) *n.* foreigner in a country, (লৈবাক্ অমদা লৈবা মীরৈবাক্কী মী। *adj.* 1. foreign, মীরৈবাক্কী (ওইবা)। 2. differing in nature ; contrary to ; মরম্চৎ খেন্নবা ; ওন্নতৈনবা ; হৈনদবা। *v.t.* **alienate,** 1. turn away from friendship, মরূপ্-মপাং ওইবা তোক্হনবা। 2. transfer ownership of property, সম্পত্তিগী মপু হোংবা। *n.* **alienation.**

[1]**alight** (অ'লাইট্) *pred. adj.* on fire ; lighted up ; মৈ হৌবা ; ঙাল্লবা।

[2]**alight** (অ'লাইট্) *v.i.* 1. get down কুম্থবা। 2. (of a bird) fly down and sit, (উচেক্) পাইথদুনা তোংবা। 3. **alight on,** তাল্ চাদুনা থেংনকবা।

align (অ'লাইন্) *v.t.* 1. put in a line ; পরেং লেংবা ; 2. bring and come into agreement, য়ানবা অমদা লাক্পা নত্রগা পুরক্পা। *n.* **alignment.**

alike (অ'লাইক্) *pred. adj.* similar ; অক্ষা ওইবা ; (শক্) মান্নবা।

alimentary (এালি'মেন্ট্রি) *adj.* of food and digestion, চিঞ্জাক্ অমসুং মতু তুম্বগী ওইবা: *alimentary canal,* চিঞ্জাক্ তুম্বগা মরী লৈনবা ঈন্দ্রিশিং ফাওদুনা চৎলিবা মরীন্।

alimony ('এালিমনি) *n.* money allowance given to a divorced wife, থাইনত্রবা নুপীদা পীবা শেল্ ; চাক্থাক্।

alive (অ'লাইব্) *pred. adj.* 1. living, হিংলিবা। 2. in force ; চৎনরিবা ; লৈরিবা। 3. **alive to,** খঙ্বা। 4. active ; lively ; খীং-খীং লাউবা ; মশাখীংবা। 5. **alive with,** প্রোক্-প্রোক্ শৌবা ; পীক্থন্বা।

alkali ('এ্যাল্কলাই) *n.* substances that combine with acids to form salt, এসিড্কা তিন্নরগা থুম্ শেম্নবা পোৎ ; খরী। *adj.* **alkaline,** খরী য়াওবা।

all (ওওল্) *adj. pron., adv. n.* the whole number or quantity, পূম্নমক্ ; *all the same,* yet ; nevertheless ; অদুমক্পু ; অদুম্ ওইনমক্। *all over,* in every part of ; at an end ; শীন্বথুংনা ; পূম্নোই লোইরবা। **not at all,** সৃক্নৎ-নত্তবা। **for all,** অদু ওইদুনসু। *all in all,* পূংসুপ্-সূপ্পা ; পূন্না লোরবা (খম্নরবা)। *all time,* মসিদগী হেন্দ্রিবা। *pron.* everything ; everyone, পোৎ নত্রগা মী খুদিংমক্। *n.* all that one possesses, কনাগুম্বগী

অরৈবা পুম্নমক্ । *adv*. entirely ; য়াম্না ; পুম্নপ্না ; মপুংফানা ।

Allah ('এাল) *n*. Muslim name of God, আল্লা ; মুস্লিমগী ঈশ্বর ।

allay (অ'লেই) *v.t.* make (pain, fear, etc.) less ; relieve ; অরা-অনা হন্থহন্‌বা নত্রগা কোক হন্‌বা ।

allege (অ'লেজ্) *v.t.* put forward as a fact, reason, রাফম অমবু অচুম্বনি হায়্না থাংগৎলক্পা । *adj*. **alleged.** *adv*. **allegedly.** *n*. **allegation,** জবান্ ।

allegiance (অ'লীজন্স্) *n*. duty or loyalty (to a ruler or government) ; রাজ্‌ভক্তি ।

allegory ('এ্যালিগরি) *n*. story in which ideas are represented by characters, রাখল্‌বু মীশক্না শিন্দুনা ইবা রারী । *adj*. **allegorical.** *v.t.* **allegorize.**

allergy ('এালর্জি) *n*. being unusually sensitive to (foods, insect stings, etc.), (চিঞ্জাক্, তীন্না চীক্পনচিংবদা) ঙীসা ; হৈনদবা । *adj*. **allergic.**

alleviate (অ'লীবিএইট্) *v.t.* make (pain, suffering) less or easier to bear, অরা-অনা হন্থহন্‌বা নত্রগা খাঙ্‌বদা লায়্হন্‌বা । *ns*. **alleviation ; alleviator.**

alley ('এ্যালি) *n*. narrow passage between buildings, য়ুম্ অনীগী কারক্তা লৈবা অখুবা লম্বেল্ । *blind alley*, one closed at one end, নাকন্ নাম ফুন্‌বা লম্বেল্ ।

alliance (অ'লাইঅন্স্)*n*. 1. association or connection; মীচঙ্ ওইনা তিন্নবা, মরী লৈনবা । 2. union of persons or families or states (লুহোংদুনা) মী খরা নত্রগা ঈমুং খরা মরী লৈনবা ; (সন্ধি তৌনদুনা) লৈবাক্ খরা মীচঙ্ ওইনবা ।

alligator ['এালিগেইট(র)]*n*. reptile, of the crocodile family, গরিয়াল , কুম্ভীর গী কাংকী জীব ।

alliteration (অলিট'রেশন) *n*. repetition of first sound or letter of a succession of words, মথং মথং হায় থবকপা রাহৈশিংগী অহানবা লোন-লোক নত্রগা ময়েক অমত্তবু(পাবদা ঈচেল্ লৈনবা) হন্না হন্না লৈবগী মওং । *adj*. **alliterative.** *adv*. **alliteratively.**

allocate ('এ্যালকেইট) *v.t.* give or put on one side as a share or for a purpose, কনাগুম্বগী শরুক ওইনা তম্বা ; মরম অমগীদমক্ থাইদোক্কুনা থম্বা । *n*. **allocation.**

allocution (এ্যালো'ক্যুশন) *n*. 1. formal address ; বেবহার, নিয়মচিংবা কায়্দনা কৌবা । 2. art of speaking, রাঙাঙ্-রাতা হৈবা ।

allopathy (এ্যা'লোপেঠী) *n*. a kind of medical treatment, লাইয়েং মখল্ অমা । *adj*. **allopathic.**

allot (অ'লোট্) *v.t.* decide a person's share of, কনাগুম্বগী শরুক্ লেপ্পা (তম্বা) । *n*. **allotment,** 1. শরুক্ তম্বা । 2. part or share, (তম্লিবা) শরুক্ । *n*. **allotee,** (অতম্বা) শরুক্ ফংলিবা মী ।

allow (অ'লাউ) *v.t.* & *i*. 1. permit, য়াবা ; য়াথং পীবা । 2. give ; agree to give ; পীবা ; পীগে হায়্না য়াবা । 3. agree that sth. is right ; মশানা চুমই হায়্না য়াবা । *adj*. **allowable,** য়ানরবা ; য়াবগুম্বা ।

allowance (অ'লাউঅন্স্) *n*. 1. sum of money allowed to sb.,(থবক্-কৌদমক্) কনাগুম্বদা পীবা শেল্ । 2. deduction or discount লল্লোন্-ঈতিক্তা ফংবা কমিশন্ । 3. **make allowance for,** য়াবীবা ।

alloy ('এ্যালোওই) *n*. mixture of metals, ধাতুময়াম্ য়ান্‌শিন্নবা । *v.t.* 1. mix one metal with another of lower value, ধাতু অমগা অতোপ্পা

মমল্ য়াম্দবা ধাতু অমগা য়ান্শিন্নবা। 2. spoil ; মাঙ্হন্বা ; হন্থহন্বা।

allude (অ'লূড্) *v.i.* **allude to,** refer to, speak or write of ; করিগুম্বা অমগী মরম্দা হায়্বা, ইবা নত্রগা গিন্দুনা তাক্পা। *n.* **allusion.** *adj.* **allusive.**

allure [অ'লুঅ(র্)] *v.t.* tempt ; attract ; charm ; মিহৌহন্বা ; পূক্নিং চিংশিন্হন্বা ; থেম্বা ; শুক্ষৎপা। *adj.* **alluring.** *n.* **allurement,** that which allures, থেম্নিবা নত্রগা শুক্ষৎলিবা পোৎ।

allusion (অ'লূঝন্) *n.* indirect reference, হাইফেৎ পল্লবা (=হায়্রুবা)। *adj.* **allusive.**

alluvial (অ'লুবিঅল্) *adj.* made up of sand, earth, etc. ফোলতাবা। *n.* **alluvium.** ফোলি।

ally (অ'লাই) *v. t* unite by treaty, marriage, etc. ; সন্ধি, লুহোংবনচিংবদগী (মীচঙ্) মরী ওইখিবা। *n.* person or state allied to another, মীচঙ্। *n.* **alliance.**

Alma Mater [এ্যল্ম 'মাট(র্)] *n.* name given by students to their university or school ; মখোয়্গী বিশ্ববিদ্যালয় নত্রগা স্কুল্দা ছাত্রশিংনা থোন্বা মমিং।

almanac ('ওওল্মন্যোক্) *n.* calendar with the information about the sun, moon, stars, etc., পাঞ্জি-খুৎপায়্।

almighty (ওওল্'মাইটি) *adj.* having all power, শক্তি (পাঙ্গল্) পূম্নমক্ লৈবা। *n.* *the Almighty,* ঈশ্বর্।

almond ('আমণ্ড্) *n.* a kind of fruit, উহৈ জাৎ অমা।

almost ('ওওল্মউষ্ট্) *adv.* nearly, -রোম্ ; -গদৌবা : *almost complete.*

alms (আম্জ্) *n.pl.* sth. given to the poor, দান্ তৌরিবা পোৎ ; ভিক্ষা।

aloft (অ'লোফ্ট্) *adv.* high up, য়াংনা ; অৱাংবদা।

alone (অ'লউন্) *pred. adj. & adv.* by oneself ; without the company or help of others ; মথন্তু লৈবা ; মথন্তনা (তৌবা)।

along (অ'লোং) *prep. & adv.* 1. through any part of the length, ময়্যুং ইন্না। 2. onward, মাঙ্লোম্দা।

aloof (অ'লূফ্) *adv. & pred. adj.* apart ; at a distance ; তোঙান্না ; নাইতোম্ তানা (তাবা) ; থাপ্তোক্না (লৈবা)।

aloud (অ'লাউড্) *adv.* 1. in a voice loud enough to be heard ; তাবা য়ানা হৌনা। 2. loudly, (খোল্) হৌনা।

alpha ('এ্যল্ফ) *n.* the first letter of the Greek alphabet, গ্রীক্ ময়েক্কী অহানবা ময়েক্।

alphabet ('এ্যল্ফবেট্) *n.* the letters used in writing a language, লোল্ অমগী ময়েক্শিং ; বর্ণমালা। *adj.* **alphabetical,** ময়েক্কী মথংমনাও মতুংইন্বা। *adv.* **alphabetically.**

already (ওওল্'রেডি) *adv.* before now, হান্নগা ; হৌজিক্কী মমাঙ্দা।

alsatian ('এ্যল্'সেইশন্) *n.* large breed of dog often trained for police work ; পুলিশ্না শীজিন্নবা, তম্বীবা য়াবা, অচৌবা হুই জাৎ অমা।

also ('ওওল্সউ) *adv.* too; besides ; -সু ; অতৈগীসু মথক্তা।

altar ['ওওল্ট(র্)] *n.* raised place on which offerings are made to a god ; লাইদা ঈরাৎনবা অমসুং বলি কৎনবা থর ৎেতাপ্ত-খৎপা মফম (বেদী)।

alter ['ওওল্ট(র্)] *v.t. & i.* change, হোংবা ; (হান্নদগী অতোপ্পদা) ওন্বা)। *adj.* **alterable,** হোংবে-য়াবা।

Scanned by TapScanner

altercate ('ওঅল্‌টকেইট্‌) *v.i.* dispute ; quarrel ; যেৎনবা ; থৎনবা । *n.* **altercation.**

[1]**alternate** (ওঅল্‌'টঅনট্‌) *adj.* one after the other, অমগী মতুংদা অমা ; অমা কাল্লগা অমা ।

[2]**alternate** ('ওঅল্‌টনেইট্‌) *v.t.* & *i.* 1. cause to take place, one after the other ; (পোৎ মখল্‌ অনীবু) থংন থংননা থোক্‌হনবা । 2. (পোৎ মখল্‌ অনীনা) থংন থংননা থোক্‌পা । *n.* **alternation.**

alternative (ওঅল্‌'টঅনটিব্‌) *adj.* & *n.* offering a choice between two or more things, পোৎ অনী নত্রগা অনীদগী হেন্‌বগী মরক্তা অপাম্বা অমা খনবা । *adv.* **alternatively.**

although (ওঅল্‌'ধউ) *conj.* though; -বস্‌ ; অদুম্‌ ওইনমক্‌ ।

altimeter ['এ্যাল্‌টিমীট(র্‌)] *n.* barometer for showing height above sea-level, অৱাংবা ওন্নবা ব্যেরোমিটর্‌ ।

altitude ('এ্যাল্‌টিট্যুড্‌) *n.* (not of living things) height (মথাই পান্দবা পোৎকী) অৱাংবা ।

altogether [ওঅল্‌ট'গেধ(র্‌)] *adv.* entirely ; wholly ; পুল্লপ্না ; মপূম্‌-ওইনা ।

altruism ('এ্যাল্‌ট্রুইজম্‌) *n.* principle of acting for the well-being of others, অতৈগী ফননবগীদমক্‌ থবক্‌ তৌবগী নীতি । *n.* **altruist,** *adj.* **altruistic.** *adv.* **altruistically.**

alum ('এ্যালম্‌) *n.* a white mineral salt, ফিজগিরি (ফিট্‌কিরি) । *adj.* **aluminous.**

aluminium (এ্যালু'মিনিঅম্‌) *n.* light white metal ; অয়াংবা, অঙৌবা ধাতু মখল্‌ অমা ।

alumnus (অ'লম্‌নস্‌) *n.* boy or man who was a student of a school, college or university ; স্কুল্‌, কোলেজ্‌ নত্রগা বিশ্ববিদ্যালয়্‌গী হাম্না ছাত্র ওইরম্বা । *pl.* **alumni.** *fem,* **alumna.**

alveolar [এ্যাল্‌বি'অউল(র্‌)] *n.* & *adj.* (of consonants) made by the tongue against the gum behind the upper front teeth, লৈনা যাথক্কী যামাঙ্‌গী মনুংথংবা যাৱীদা থেংনবগা থোক্‌পা (ব্যঞ্জন) : e.g. *t*, *d*.

always ('ওঅল্‌রিজ্‌) *adv.* at all times ; without exception ; মতম্‌লৈবখিবিক্তা ; অমুক্তম্‌ শোয়্‌দনা ।

am (এ্যাম্‌) *v.i.* a form of the verb 'to be', (ঐ) নী ; ওই ; লৈ ।

amalgam (অ'ম্যোল্‌গম্‌) *n.* alloy of mercury with other metal, ধাতু অতৈগা সনাহীদাক্কা য়ান্নবা ।

almalgamate (অ'ম্যোল্‌গমেইট্‌) *v.t.* & *i.* mix : combine ; (classes, societies, companies, etc.) ; (কাঙ্‌লূপ্‌শিংনা, সমাজ্‌শিংনা, কোম্পানীশিংনা) য়ান্‌শিন্নবা ; পূন্‌বা ; তিন্‌শিন্নবা । *n.* **amalgamation.**

amass (অ'ম্যাস্‌) *v.t.* pile or heap up ; collect ; (মপৈ ওইনা) পৈ-খৎপা ; খোম্‌জীন্‌বা

amateur ['এ্যামটঅ(র্‌)] *n.* person engaged in sth. for the love of it, and not for money ; করিগুম্বা থবক্‌ অমবু, শেল্‌গী নত্তনা, অসুম্‌ পাম্‌-জদুনা তৌবা মী । *adj.* **amateurish.** *n.* **amateurism.**

amatory ('এ্যামটরি) *adj.* of or causing love ; of lovers ; of making love ; নুংশি-নুংঙন্‌গী ওই-বা ; নুংশিনবশিংগী ওইবা ; নুংশিবা পোক্‌হন্নবা ওইবা ।

amaze (অ'মেইজ্‌) *v.t.* fill with great surprise or wonder, য়াম্না ঙকহন্‌বা । *part. adj.* **amazed.** *n.* **amazement.**

Amazon ('এ্যামজন্‌) *n.* strong, manlike woman ; অকন্‌বী নুপা-মান্‌বী নুপী । *adj.* **Amazonian.**

Scanned by TapScanner

ambassador [এ্যম্'ব্যেসড(র্)] *n.* minister representing his country in a foreign country, রাজ্দূত্ । *n. fem.* **ambassadress.** *adj.* ~**ial.**

amber ['এ্যম্ব(র্)] *n.* yellowish resin used for making ornaments, লৌক্-কোল্ শাবদা শীজিন্নবা নাপু মান্বা মেক্রুক্ জাৎ অমা ।

ambidextrous, ambidexterous (এ্যম্বি'ডেক্স্ট্রস্) *adjs.* able to use both hands equally well, খুৎ য়েৎ-ওয় হৈনবা । *ns.* **ambidexter; ambidexterity.**

ambient ('এ্যম্বিঅন্ট্) *adj.* (of air, etc.) on all sides; surrounding ; (নুংশিংনচিংবনা) মায়্কৈ পূম্নমক্তা কোয়্শিল্লিবা ।

ambiguity (এ্যম্বি'গ্যুঅটি) *n.* state of having more than one meaning, অর্থ অমদগী হেন্না লৈবা ।

ambiguous (এ্যম্'বিগ্যুঅস্) *adj.* of doubtful meaning; uncertain; অর্থ চিংননঙায় ওইবা ; অরেপ্পা লৈতবা ।

ambit ('এ্যম্বিট্) *n.* (often pl.) bounds ; extent ; range of power or authority ; শক্তিগী, হক্ লৈবগী পাক্ চাউবা, ঙম্খৈ ।

ambition (এ্যম্'বিশন্) *n.* 1. strong desire ; aspiration ; অরাংবা আশা ; অচাউরম্ । 2. object of such a desire, অরাংবা আশা ওইরিবা পোৎ । *adj.* **ambitious.**

ambitious (এ্যম্'বিশস্) *adj.* full of ambition, অচাউরম্কানীংবা ।

ambivalence (এ্যম্'বিবলন্স্) *n.* coexistence in one person of the emotional attitudes of opposite feelings towards the same object, মীশক্ অমগী ওন্নতৈনবা ঈহুল্শিংনা পূক্নিংগী ফিরেপ্শিং ওইনা পোৎশক্ অমত্তদা পূম্না লৈমিন্নবগী মওঙ্ । *adj.* **ambivalent.**

amble ('এ্যম্বল্) *v.i.* ride or walk at an easy pace, নীংঙায়্দবা খোঙ্থাঙ্দা চৎপা নত্রগা শগোল্ তোংবা ।

ambrosia (এ্যম্'ব্রউজিঅ) *n.* food of gods, লাইগী চীঙ্গাক্ । nectar, অমৃত । *adj.* ~**l.**

ambulance ('এ্যম্ব্যুলন্স্) *n.* carriage for the sick, অনাবা পুনবা গাড়ী ।

ambulatory ('এ্যম্ব্যুলটরি) *adj.* moving from place to place, কোয়্চৎ চৎলিবা । *v.i.* **ambulate.**

ambuscade ('এ্যমব'স্কেইড্) *n. v.t. & i.* ambush ; lie in ambush ; য়েক্নবনু লান্দাগে হায়্ত্তুনা লুম্বা ; লুম্ত্তুনা লৈবা ।

ambush ('এ্যম্বুশ্) *n. v.t. & i.* (the placing of) troops, etc. lying in wait to make a surprise attack, খঙ্হন্দনা লান্দানবা লুম্হন্দুনা থম্বা লান্মীনচিংবা ।

ameliorate (আ'মীলিঅরেইট্) *v.t. & i.* cause to become better ; become better ; ফগৎহন্বা ; ফগৎলক্পা । *n.* **amelioration.**

amen (এই'মেন্) *int.* may it be so, মদু ওইরসনু !

amenable (অ'মীনবল্) *adj.* 1. responsible, দায়ী পুবা । 2. responsive, পূক্নীং লৈশীন্নীংবা । 3. (legal) in a position where one must do certain things or be punished, (আইন্) কায়্রুগদা হায়্না কিনা চৎপা । 4. able to be tested or dealt with, (থৌদোক্) চাং য়েংবা নত্রগা থেংনবা ঙম্বা (য়াবা) । *n.* **amenability.**

amend (অ'মেন্দ্) *v.t. & i.* 1. make or become better ; ফগৎহন্বা ; ফগৎপা । 2. improve ; free from errors ; চাওখৎহন্বা ; অরান্বা য়াওহন্দবা । 3. make change, in

the wordings of a rule or law, নিয়ম্ নত্রগা আইন্ অমগী ৱাহৈ-ৱাতা শেম্‌দোক্‌পা। *n.* **amendment.** *adj.* **amendable.**

amends (অ'মেন্দ্‌জ্) *n.pl.* give compensation ; ক্ষতিপূরণ্ পীবা ; মাঙ্‌হল্লবা শিংবা।

amenity (অ'মীনটি) *n.* 1. pleasantness, নুংঙাইব (গী মতৌ)। 2. surroundings that make life pleasant, পুন্সিবু নুংঙাইহল্লিবা পোৎশিং।

amerce (আ'মঅস্) *v.t.* fine, জরি তৌবা। *adj.* **amerciable.** *n.* **amercement.**

amethyst ('এ্যামিথিষ্ট্) *n.* precious stone, purple or violet ; মঙ্গ্রা-মচুমান্‌বা মমল্ য়াম্বা নুং।

amiable ('এইমিঅবল্) *adj.* good-tempered, মৰুক্-মপাউ ফবা। *n.* **amiability.**

amicable ('এ্যামিকবল্) *adj.* friendly ; done in a friendly way, মরূপ্-মপাঙ্ ওইবা। চান্নবগী মওঙ্‌দা থবক্ তৌবা। *n.* **amicability.** *adv.* **amicably.**

amid (অ'মিড্), **amidst** (অ'মিড্‌স্ট্) *preps.* in or into the middle of, মরক্তা ; মনুংদা।

amiss (অ'মিস্) *adj. & adv.* wrong; wrongly ; out of order ; অরান্‌বা ; লান্না ; মফম্ চদবা (চাদনা)।

amity ('এ্যামিটী) *n.* friendly relations (between persons or countries), মী নত্রগা লৈবাক্‌শিংগী মরক্তা লৈনবা মরূপ্-মপাং ওইবগী মরী।

ammonia (অ'মউনিঅ) *n.* strong, colourless gas (NH_3) with a sharp smell. মনম্ কল্লবা, মচু লৈতবা মনিল্ (গ্যাস) অমা।

ammunition (এ্যাম্যু'নিশন্) *n.* military store of explosives (bombs, shells. etc.) ; বোম্, তোপ্রচিংবা লান্মীগী খুৎলাই পৈকম্।

amnesia (এ্যাম্'নীজিঅ) *n.* loss of memory, নীংশিংবগী পাঙ্গল্ মাঙ্‌বা (লায়্‌না)।

amnesty ('এ্যমনষ্টি) *n.* general pardon for offences against the state, সরকারদা লান্‌নবা ময়াম্‌গী ওইনা ঙাক্‌পীবা।

amoeba (অ'মীব) *n.* simple form of living matter, খুত্তদগী পীক্লবা মহীক্।*adj.* **amoebic.**

among (অ'মং), **amongst** (অ'মংষ্ট্) *prep.* surrounded by ; in the middle of ; কোয়্‌শিন্‌বা ; মরক্তা ; মনুংদা।

amoral (এই'মোরল্) *adj.* non-moral, ধর্ম্ম য়াওদবা।

amorous ('এ্যমরস্) *adj.* easily moved to love ; showing love ; নুংশিগন্‌বা ; নুংশিবা উৎলিবা।
adv. **amorously.**

amorphous (অ'মোওফস্) *adj.* having no definite shape or form. মওঙ্-মরীন্ নাইদবা।

amortize (অ'মোওটাইজ্) *v.t.* pay off debt by saving money, শেন্ তুংশিন্দুনা লমল্ শিংদোক্‌পা। *n.* **amortization.**

amount (অ'মাউন্ট্) *v.t.* add up ; be equal ; হাপ্‌চিন্‌বা ; মান্নবা। *n.* total ; whole ; অপূন্‌বা মশীং ; মপূম্।

amour [অ'মুঅ(র্)] *n.* love-affair; নুংশিনবা।

ampere ['এ্যাম্‌পিঅ(র্)] *n.* unit for measuring electric current, বিজুলিগী মপাঙ্গল্ ওন্নবা খুজিং।

amphibian (এ্যাম্'ফিবিঅন্) *n.* animal able to live both on land and in water, কংফাল্‌সু ঈশিংদসু লৈবা জীব। *adj.* **amphibious.**

amphitheatre ['এ্যাম্‌ফিথিঅট(র্)] *n.* place for public games and sports, ফক্ষম্মা ঈকোয়্ কোয়্‌শিন্‌বা প্রজাগী কৃষ্মৈ তৌফম্।

Scanned by TapScanner

ample ('এামপল্) *adj.* 1. large-sized ; with plenty of space ; য়াম্না পাক্-চাউবা ; (মকম) মরাং কায়্বা। 2. quite enough, মতীক চপ্চাবা। *adv.* **amply.**

amplify ('এাম্প্লিফাই) *v.t.* make larger by giving details, (ৱাঠী-নচিংবু) শুগাইনা হায়্তুনা চাউ-থোক্হনবা। *ns.* **amplifier,** appliance for amplifying sound (in radio) (রেডিওগী) খোঞ্জেল্বু চৌবা চেন্হনবা যন্ত্র।

amplitude ('এাম্প্লিট্যুড্) *n.* breadth ; largeness ; abundance ; মরাক্; পাক-চাউবা; মরাং-কায়্বা।

amputate ('এাম্প্যুটেইট্) *v.t.* cut off (arm, leg), (ডাক্তর্না খোঙ্, খুৎ) কক্পা। *n.* **amputation.**

amuck (অ'মক্), **amok** (অ'মোক্) *adv. run amuck,* run about wildly with a desire to kill people, মী হাৎকে হায়্তুনা ঙাওনা কোয়্চেন্ চেন্বা।

amuse (অ'ম্যুজ্) *v.t.* 1. make time pass pleasantly for, মতম্বু নুংঙাইনা লেন্থোক্পা। 2. make sb. laugh, নোক্হন্বা ; নোক্লীংহন্বা। *adj.* **amusing,** causing laughter, নোক্লীংহন্বা। *n.* **amusement.**

an (অন্, এান্) *Indef. art.* one, অমা।

anachronism (অ'ন্যোক্রনিজম্) *n.* mistake in dating sth., sth. out of date now ; করিগুম্বা অমগী তারীখ্ থাবদা (পুথোক্পদা) লান্বা ; হৌজিক্কাল্গা চা-নদ্রবা (চুনদ্রবা) পোৎ। *adjs.* **anachronous, anachronistic.**

anaemia (অ'নীমিঅ) *n.* lack of enough blood ; poor condition of the blood ; ঈ ৱাৎপা ; ঈগী ফীভম্ ফত্তবা। *adj.* **anaemic,** suffering from anaemia, ঈ ফত্তুনা নাবা।

anaesthesia (এানিস্'থীজিঅ) *n.* state of being unable to feel; branch of chemistry producing this state; শোক্-পনবা ফাওনবগী মতৌ: মচু তৌহনবা হুম্বা হীদাক-শাস্ত্রগী মচৈ। *n.* & *adj.* **anaesthetic,** *v.t.* **anaesthetize,** *n.* **anaesthetist.**

anagram ('এানগ্র্যাম্) *n.* word made by changing the order of the letters in another word: ৱাহৈ অমগী ময়েক্শিংবু ওন্থোক-ওনশিন্ তৌদুনা শেম্বা ৱাহৈ। *adj.* **anagramatic.**

analgesia ('এানল্'জীজিঅ) *n.* absence of feeling or pain শোক্পা নত্রগা নাবা ফাওদবা।

analogous (অ'ন্যোলগস্) *adj.* that may be compared (to, with) : similar to ; অম্না ওইবা ; চাংদম্নবা য়াবা। *adv.* **analogously.**

analogue (also-log) ('এ্যানলোগ্) *n.* sth. that is similar to another thing, অতোপ্পা অমগা অম্না ওইবা করিগুম্বা পোৎ।

analogy (অ'ন্যোলজি) *n.* 1. partial likeness ; agreement (to or with sth.) ; হাইফেৎ মান্নবা ; অম্না ওইবা ; করিগুম্বা অমগা মরম্ খরদা মান্নবা। 2. process of reasoning between parallel cases, হাইফেৎ মান্নবা ৱাফম্ অনীবু চাংদম্নবগী ৱাখল্-পরীং।

analyse ('এানলাইজ্) *v.t.* 1. examine sth. to learn what it is made up of, পোৎ অমবু করি করিনা শারক্লিবনো হায়্বদু খঙ্নবা য়েংবা। 2. (grammar) split up (a sentence) into grammatical parts, ৱাহৈপরেং অমবু ব্যাকরণ্গী শরুক্শিং থোক্লা খায়্দোক্পা। 3. study to learn about sth., করিগুম্বা অমবু খঙ্নবা কুপ্না নৈনবা।

analysis (অ'ন্যোলসিস্) *n.* (pl-**ses**) 1. separation into parts, (পোৎশিংবু) শরুক্শিং থোক্লা খায়্দোক্পা 2. **psycho-analysis,** analysis of

the mind. পুক্নীংবু খায়দোক্নবা য়েংবা বিজ্ঞান্। 3. *n.* **analyst,** *adj.* **analytic.** *adv.* **analytically.**

anarchy ('এনর্কি) *n.* absence of government ; disorder in a country, লৈবাক্-নিংথৌ পান্দবা ; লৈবাক্ কাং-খোং চাইবা। *n.* **anarchism,** *n.* **anarchist.**

anathema (অ'নেথেম) *n.* sth. that is detested, য়াম্না পাম্দবা পোৎ। *v.t. & i.* **anathematize.**

anatomy (অ'নেটমি) *n.* science of the structure of animal body, জীবগী হকচাং শাগৎলিবদু (শরুক্শিং) নৈনবা বিজ্ঞান্। *adj.* **anatomical.** *n.* **anatomist.**

ancestor ['এন্সিষ্ট(র্)] *n.* forefather, মপা-মপু। *fem.* **ancestress.** *adj.* **ancestral.** *n.* **ancestry.**

anchor ['এংক(র্)] *n.* heavy piece of iron for keeping the ship at rest in water, জহাজ্বু ঈশিংদা লেঙ্দনা ফাভুনা থম্নবা অরূম্বা য়োৎ মতৃম্। *v.t.* to keep the ship at anchor, অসুম্না জহাজ্বু ফাভুনা থম্বা। *n.* **anchorage.**

ancient ('এইনশন্ট) *n.* belonging to times long past ; য়াম্না লিরবা ; খায়নগী।

ancillary (এন'সিলরি) *adj:* 1. subordinate ; মখাপোন্বা; খরা হন্থবা। 2. auxiliary, অতোপ্পগী মতেং পাংনবা ওইবা।

and (অন্, অণ্ড্, এণ্ড্) *conj.* a connecting word, অমসুং; অদুগা।

anecdote ('এনিকডেউট্) *n.* short amusing story, নুংঙাইবা ৱারীমচা। *adj.* **anecdotal.**

anew (অ'ন্যু) *adv.* again; in a new or different way, newly; অমুক্ হন্না, নৌহোন্না।

angel ('এইনজল্) *n.* 1. messenger from God, লাইগী দূত্। 2. lovely or innocent person, ফজবা নত্রগা মরাল্লৈতবা মী। *adjs.* **angelic, angelical.** *adv.* **angelically.**

anger ['এঙ্গ(র্)] *n.* rage, শাউবা। *v.t.* make angry, শাউহন্বা। *adj.* **angry,** *adv.* **angrily.**

[1]**angle** ('এঙ্গল্) *n.* 1. space between two lines or surfaces that meet, শম্নবা লৈই অনী নত্রগা লৈমায় অনীগী মরক্তা লৈবা কাচিন্ (কোণ্)। 2. point of view, ৱাখল্গী মীৎয়েং।

[2]**angle** ('এঙ্গল্) *v.t.* fish with a hook and bait, খোই চোপ্পা (ভা ফানবা)। *n.* **angler,** person who fishes with a hook, খোই চোপ্পা মী।

anglicize ('এঙ্গ্লিসাইজ্) *v. t.* make English, ইংরেজী ওইহন্বা। *n.* **anglicism,** English way of saying sth., করিগুম্বা অমা হায়্বগী ইংরেজ্গী মওঙ্।

Anglo (এঙ্গ্লউ) *pref.* English, 'ইংরেজ'গী ওইবা : *Anglo-French relations,* ইংরেজ্গা ফ্রান্স্কা লৈনবা মরী।

anguish ('এঙ্গ্বিশ্) *n.* severe suffering (of mind), (পুক্নীং) য়াম্না নুংঙাইতবা ; অৱাবা।

angular ['এঙ্গ্যুল(র্)] *adj.* 1. having an angle, কাচিন্ (কোণ্) অমা লৈবা (য়াওবা)। 2. (of persons) haggard, (মী) মশক্থীবা। *n.* **angularity.**

animadvert (এনিমেড্'বঅট্) *v.i.* make critical remarks on sb's conduct, কনাগুম্বগী মরম্চংকী মরম্দা অফ-ফত্ত ভাঙ্বা। *n.* **animadversion.**

animal ('এনমল্)*n.* 1. living thing that can feel and move about, খরায় পান্বা জীব। 2. four footed animal, মখোঙ্ মরি পান্বা শা। *n.* **animalcule,** microscopic

Scanned by TapScanner

animal, যাম্না কুপ্পন' জীব। *ns.* **animality, animalism.**

animate ('এ্যানিমেইট্) *v.t.* give life to; make lively; থরায়্ পীবা, থরায়্ হাপ্পা; (নুংঙাইহন্‌বা) মকালাম্বা। *part. adj.* **animated.** *n.* **animation.** *adj.* living; lively; থরায় পাল্লিবা; মকালাম্বা।

animism ('এ্যানিমিজম্) *n.* belief that all objects have souls, পোৎ পুম্নমক্ মথায়্ পাল্লি হায়্না থাজবা।

animosity (এ্যানি'মোসটি) *n.* strong dislike; active enmity; থীনা পাম্‌দবা; যাম্না য়েংথীনবা।

ankle ('এ্যাঙ্‌কল্) *n.* joint between the foot and the leg, (খোঙ্গী) খুজেং।

anklet ('এ্যাঙ্কলট্) *n.* ornament of the ankle, খোঙ্‌জি।

anna ('এ্যান) *n.* one sixteenth of a rupee, লুপা অমগী তরাতরুক্ খোক্‌পগী অম।

annals ('এ্যানল্‌জ্) *n.pl.* records of historical events, ইতিহাস্‌কী থৌদোক্‌শিংবু ইশিন্দুনা থম্বা (রেকোর্ড্‌শিং)। *n.* **annalist,** writer of annals, অত্থগন্থ্বা ইতিহাস্ ইবা মী।

anneal (অ'নীল্) *v.t.* to temper (iron, glass, etc.), (য়োৎ, লীক্লিনচিংববু) মথৌ শঙ্‌বা।

annex (অ'নেক্স্) *v.t.* 1. take possession of (land), লম্ খোপ্‌চিন্‌বা। 2. join or add land to another, (জয়্ তোত্থনা) লৈবাক্ লৌশিন্‌বা। *n.* **annexation.**

annexe ('এ্যানেক্স্) *n.* room extended from the main building, শঙ্‌তপ্।

annihilate (আনাইঅলেইট্) *v.t.* destroy fully, মরুফংনা মাঙ্‌হন্‌বা; পুম্নাঙ্‌মাঙ্‌হন্‌বা। *n.* **annihilation.**

anniversary (এ্যানি'বর্সরি) *n.* 1. yearly return of the date of an event, থৌদোক্ অমগী চহীগী তাবা নুমিৎ; কুম্‌থন্।

Anno Domini (এ্যানউ 'ডোমিনাই) *n.* in the year of our Lord (A.D.); খ্রীষ্টাব্দ চহিগী। (The Christian era began to be counted when Jesus Christ was three years old, যীশু খৃষ্টনা চহী অহুম শুবদগী খৃষ্টাব্দ হৌবা হৌখি।

annotate ('এ্যানটেইট্) *v.t.* give notes (of a writing) explaining difficulties, করিগুম্বা অইবা অমগী অরুবত্থ তাক্তুনা শব্দোক্লা ইবা; টীকা তৌবা। *ns.* **annotation; annotator,** one who comments, টীকা তৌবা মী।

announce (আ'নাউন্স্) *v.t.* 1. make known publicly; proclaim; ময়াম্‌দা খঙ্‌হন্‌বা; লাউথোক্‌পা। *n.* **~ment,** লাউথোক্লিবা পোৎ (পাউ, হুকুম্নচিংবা)।

annoy (অ'নোওই) *v.t.* (sp. passive) make rather angry; worry; tease; শাউহন্‌বা; ওৎপা; য়ারোইহন্‌বা; য়াইহন্‌বা। *adj.* **annoying.** *n.* **annoyance.**

annual ('এ্যন্যুঅল্) *adj.* 1. coming or happening every year, চহী খুদিংগী লাক্‌পা নত্রগা থোক্‌পা। 2. of one year, চহী অমগী। *n.* 1. periodical published yearly, চহীদা ফোঙ্‌বা চেফোঙ্। 2. plant that grows and dies in a year, চহী অমগী মনুংদা হৌরগা শিখিবা পাম্বী।

annuity (আ'ন্যুঅটি) *n.* yearly grant of money during one's life-time, পুন্সিচুপ্পা পীবা চহীগী শেল্ (বৃত্তি)। *n.* **annuitant.**

annul (অ'নল্) *v.t.* put an end to (a law, rule, etc.) (আইন্,

Scanned by TapScanner

নিয়মচিংবগী) চৎহন্নবা, ককথপা। *n.* **annulment.**

annunciate (অ'নন্সিএইট্) *v.t.* announce ; proclaim ; লাউথোকপা; ক্ষোঙ্ দোকপা। *n.* **annunciation.**

anode ('এনউড্) *n.* positive electrode (from which current enters), ইলেক্ট্রিক্ করেন্ট্ চঙ্ফম [(+) থুদম্ অসিদা]।

anodyne ('এনডাইন্) *n.* & *adj.* a medicine to lessen pain, অনাবা হন্থহনবা হীদাক্।

anoint (অ'নোওইন্ট্) *v.t.* apply oil or ointment, থাউ নত্রগা মোলোম্ তৈবা। *n.* **anointment.**

anomalous (অ'নোমলস্) *adj.* irregular; not normal; নিয়ম্ কায়্বা; চাং নাইদবা। *n.* **anomaly.**

anon (অ'নোন্) *adv.* 1. soon, থুনা। 2. short form of 'anonymous', মমিং খঙ্দবা।

anonymous (অ'নোনিমস্) *adj.* without a name, মমিং য়াওদবা (খঙ্দবা, থাদবা) : *an anonymous letter (writer).* *n.* **anonymity.**

anopheles (অ'নোফিলীজ্) *n.* kind of mosquito that spreads malaria, অরুম শন্দোক্পা কাঙ্জাং অমা।

another [অ'নধ(র্)] *pron.* & *adj.* 1. an additional (one), অতোপ্পা (অমা)। 2. a similar (one), অহ্মা ওইবা (অমা)।

¹**answer** ['আন্স(র্)] *n.* 1. reply, পাউখুম্। 2. result, ফল্।

²**answer** [আন্স(র্)] *v.t.* 1. reply to, পাউখুম্ পীবা। 2. fulfil ; be suitable or satisfactory for ; নীংবা থুংহনবা।

answerable ('আন্সরবল্) *adj.* 1. that can be answered, পাউখুম্ পীবয়াবা (পীবড়ব্বা)। 2. responsible দায়ী ওইবা।

ant (এন্ট্) *n.* a small insect, ককচেং। *n.* **ant-hill,** কৈশোবুং। *n.* **white-ant,** কৈশো।

antagonism (এন্'টেগনিজম) *n.* active enmity, য়ীনা য়েংগীনবা। *n.* **antagonist,** অতোপ্পগী য়েংগীনবা মী। *adj.* **antagonistic,** adverse ; opposed ; ওন্নতৈনবা ; য়েংগীনবা। *adv.* **antagonistically.** *v.t* **antagonize.**

antarctic (এন্'টার্ক্টিক্) *adj.* of South Pole, খা-মেরুগী ওইবা।

ante- ('এন্টি) *pref.* before, মমাঙ্দা : *ante-marriage.*

antecedent (এন্টি'সীডন্ট্) *adj.* previous to, মাঙ্ থাবা। *n.* preceding event ; past history of a person ; মাঙ্দা থোক্খিবা থোদোক্ ; মী অমগী হৌখিবা পুন্সি-রারী।
n. **antecedence.**

antechamber ['এন্টিচেইম্ব(র্)] *n.* room leading to a large room, কাজাউ অমা তান্না চৎপা য়াবা কা।

antedate (এন্টি'ডেইট্) *v.t.* put a date earlier than the true one; অচুম্বা তারীখ্তগী হাইগৎনা (=চৎখৎনা) থাবা।

antediluvian (এন্টিডি'লুবিঅন্) *adj.* happening before the deluge, প্রলয়্গী ঈচাউগী মমাঙ্দা থোক্খিবা। *n.* old-fashioned person, থায়্নগী ফিজেৎ-চাক্চা পাম্বা মী।

antelope ('এন্টিলউপ্) *n.* deerlike animal, শজি মান্বা শা অমা, শঙ্ঈ।

ante meridiem (এন্টি ম'রিডিঅম্) (Lat.) shortened to a. m., before noon ; নুমিৎ য়ুংবগী মমাঙ্ ;

antenatal (এন্টি'নেইটল্) *adj.* before birth, পোক্পগী মমাঙ্।

antenna (এন্'টেন) *n.* (pl.-nnae). 1. sensory organ found in pairs on the head of insects, used for feeling ; তৌল্-কাঙ্গী মকোক্তাজুরা

Scanned by TapScanner

ওইনা পান্‌বা, শোক্‌পা খঙ্‌নবা ঈশ্রি। 2. (pl.—nnas) wireless aerial, রেডিওগী পাউ ফানবা তারা (এরিয়েল্)।

antenuptial (এ্যান্‌টি'নপ্‌শল্) *adj.* before marriage, লুহোংবগী মমাঙ্‌ ওইবা।

anterior [এ্যান্'টিঅরিঅ(র্)] *adj.* going before in time or position, মতম্ নত্রগা মফম্ অমগী মমাঙ্‌দা লৈবা।

anteroom ('এ্যান্টিরুম্) *n.* antechamber, কাজাউ অমা তান্না চংপ-য়াবা কা মচা।

anthem ('এ্যান্‌ঠম্) *n.* sacred song, ধর্ম-কর্মগী ঈশৈ; অশেংবা ঈশৈ।

anther [এ ন্‌ঠ(র্)] *n.* (botany) part of the stamen containing pollen, (লৈগী) লৈরীক্ য়াওবা কুয়োম্।

anthology (এ্যান্'ঠোলজি) *n.* collection of poems or pieces of prose, or of both, ৱারেং নত্রগা শৈরেং ময়াম্ নত্রগা অনীমক্ খোম্-জিন্‌বা লাইরিক্। *n.* **anthologist.**

anthracite ('এ্যান্‌ঠ্রসাইট্) *n.* very hard coal, য়াম্না কন্‌বা কয়্‌লা অমা।

anthrax ('এ্যান্‌ঠ্রাক্স্) *n.* a fatal disease of sheep or cattle, শা-শল্ নত্রগা য়াউগী শাথিবা লায়্‌না অমা।

anthropoid ('এ্যান্‌ঠ্রপোওইড্) *adj,* man-like, মী-মান্‌বা। *n.* anthropoid animal, মী-মান্‌বা শা (য়োং, মী-মরাম্নচিংবা)।

anthropology (এ্যান্‌ঠ্র'পোলজি) *n.* study of mankind, study of structure and evolution of man; মীওইবগী সমাজ অমসুং চংনবী লৈনবা; মীওইবগী শাওঙ্-শাদা অমসুং জীব অতৈদগী মথং-মথং মী ওইরক্‌পবু লৈনবা। *n.* **anthropologist,** *adj.* **anthropological.**

anti- ('এ্যান্টি) *pref.* against, মাই-য়োক্তা নত্রগা মাঙ্‌নবা ওইবা।

anti-aircraft (এ্যান্টি'এঅক্রাফট্) *adj.* used against enemy aircraft, য়েক্লবনা নাংথক্ক লান্দারকপা ডাক্-থোক্লবা: *anti-aircraft guns.*

antic ('এ্যান্টিক)(usually in pl.) *n.* queer behaviour to amuse others (e. g. by clown at a circus), অতৈবু নুংঙাইহনবা নত্রগা নোক্লীংহন্‌বা তোপ্-তোপ্পা শাজং। *n.* expert in such things, অসিগুম্বা ফাগীহৈবা মী। *adj.* odd, মরিং-মরাংবা।

anticipate (এ্যান্'টিসিপেইট্) *v.t.* 1. see beforehand what needs doing, তৌফম্ থোক্‌পদু হান্না উবা (খঙ্‌বা)। 2. expect, আশা তৌবা। *adj.* **anticipatory.** *n.* **anticipation.**

anticlimax (এ্যান্টি'ক্লাইমেক্স্) *n.* sudden fall from sth. noble and serious, হেন্না চাঁউ্‌লেম্বা অমসুং ফজবা অমদগী খংতা তাথরকপা; কাখং-লম্বদগী কুমথরকপা।

antidote ('এ্যান্টিডউট্) *n.* 1. medicine used against a poison, তুগী ময়াই চম্নবা হীদাক্। 2. medicine to prevent a disease, অনাবা অমবু থিংনবা থাবা হীদাক্।

antimony ('এ্যান্টিমনি) *n.* easily broken white metal; কায়্‌গন্‌বা অঙৌবা ধাতু অমা।

antinomy ('এ্যান্টিনমি) *n.* contradiction in a law; আইন্ অমদা ওন্নতৈনবা থোক্‌পা; অঙম্বগা মুক্নবা।

antipathy (এ্যান্'টিপঠি) *n.* strong dislike, থীনা পাম্‌দবা, হৈনদবা নত্রগা নুংশিদবা।

antipodes (এ্যান্‌টিপডীজ্) *n. pl.* two places on the opposite sides of the earth, পৃথিবীগী ওন্ন-তৈনবা নাকন্দা লৈবা মফম্ অনী।

antiquary ('এ্যান্টিকরি) *n.* person who studies, collects or sells antiquities, অরিবা পোৎ নৈনরিবা

Scanned by TapScanner

থিজিন্‌-খোৎচিল্লিবা নত্ৰগা য়োল্লিবা মী। *n. & adj.* **antiquarian.**

antiquated ('এন্টিকেইটিড্‌) *adj.* 1. obsolete ; out of date, চৎনদ্রবা। 2. (of persons) having old-fashioned ideas and ways, (মী) হৌজিক্কালগী ফিজেৎ-চাক্‌চা, ঈৰাং খঙ্‌দ্রবা।

antique (এন্‌'টিক্‌) *adj.* ancient, লীরবা ; থায়্‌নগী।

antiquity (এন্‌'টিক্বটি) *n.* old times esp. before the Middle Ages ; great age ; ময়ায়্‌ ওইবা যুগ্‌কী মমাঙ্‌গী লীরবা মতম ; অচৌবা যুগ্‌।

antiseptic (এন্টি'সেপ্টিক্‌) *n. & adj.* (substance) preventing the growth of bacteria (to keep wounds clean) ; (অশোক্‌-অপনবু) পুম্থদনবা, লায়্‌জোদনবা অমসুং মহীক্‌-মতাং চেন্দনবা (হীদাক্‌)।

antithesis (এন্‌'টিঠসিস্‌) *n.* (pl.-ses) direct opposite (of, to), চপ্‌চানা ওন্ন-তৈনবা (ৱাখল্‌)। *adj.* **antithetical.** *adv.* **antithetically.**

antler ['এন্ট্‌ল(ৰ্)] *n.* (of a stag or deer) branched horn ; (শজি, শঙাইগী) অৱোঙ্‌বা মচী।

antonym ('এন্টনিম্‌) *n.* word that has contrary meaning to another, অতোপ্পা ৱাহৈ অমগা ওন্নতৈনবা অর্থ লৈবা ৱাহৈ।

anus ('এইনস্‌) *n.* opening at the lower end of the alimentary canal through which dung passes, অমাংখোঙ্‌ ; হোইৰোং।

anvil ('এ্যন্‌বিল্‌) *n.* heavy block of iron on which a smith hammers heated metal into shape, থাংজমগী য়োৎ য়ৈনবা নুংফাল্‌।

anxiety (এ্যঙ্‌গ্‌'জাইঅটি) *n.* fear and uncertainty about the future, (তুংদা করি থোক্লগদগে হায়্‌না) নুংনাঙ্‌বা নত্ৰগা খোয়্‌-ৱাঙ্‌বা। *adj.* **anxious.** *adv.* **anxiously.**

any ('এনি) *adj. pron. & adv.* one of many persons or things, কৰিগুম্বা নত্ৰগা কনাগুম্বা (অমা)।

anybody ('এনিবোডি) *n. & pron.* anyone, কনাগুম্বা অমা।

anyhow ('এনিহাউ) *adv.* 1. in any way possible, কৰিগুম্বা উপাই অমা তৌদুনা। 2. *adv. & conj.* in any case ; at any rate ; যদা থোক্লবসু

anyone ('এনিৱন্‌) *n. & pron.*, anybody, কনাগুম্বা অমা।

anything ('এনিথিং) *n. & pron.* an indefinite thing, কৰিগুম্বা অমা। no matter what, অমা হেক্তা।

anyway ('এনিৱেই) *adv.* anyhow, কৰিগুম্বা পাম্বৈ অমা তৌদুনা।

anywhere ['এনিৱেঅ(ৰ্)] *adv.* at any place, কৰিগুম্বা মফম্‌ অমদা।

aorta (এই'ওওট) *n.* large artery on the left side of the heart, থম্মোইগী ওয়্‌ থংবদা লৈবা অচৌবা শিংলী অমা।

apace (অ'পেইস্‌) *adv.* quickly, থুনা ; য়াঙ্‌না।

apart (অ'পাট্‌) *adv.* 1. distantly, লাপনা। 2. to or on one side, নাকল্‌ অমদা (ময়ামদগী তোঙান্না)।

apartheid (অ'পাঠেইট্‌) *n.* South African policy of segregation, খা-আফ্রিকাগী (ঈ তিন্নদবৰু) নায়্‌তোম্‌ তাহনবগী পোলিসি।

apartment (অ'পাট্‌মন্ট্‌) *n.* a single room in a house ; য়ুমগী কা অমা।

apathy ('এ্যপঠি) *n.* absence of sympathy or interest ; থৌজাল্‌ নত্ৰগা নুংঙাইবা পোক্তবা। *adj.* **apathetic.** *adv.* **apathetically.**

ape (এইপ্‌) *n.* tailless large monkey, মমৈ পান্দবা য়োংজাউ। 2. person who mimics others,

Scanned by TapScanner

অতোপ্পগী মতৌ তম্বা মী। *v. t.* imitate, মতৌ তম্বা।

aperture ['এ্যাপচুঅ(র)] *n.* opening that admits light to enter (as in a camera lens), মঙাল্ চঙ্‌বা য়াবা অহোব: (কেমেরাগী লেন্স্‌তা য়াওবা অকুপ্পবা:)।

apex ('এইপেক্স্) *n.* (pl.—es or apices) top or highest point, মতোন্ নত্রগা খ্বাইদগী খাংবা থাক্।

aphasia (অ'ফেইজিঅ) *n.* disability to use or understand speech, লৈ ফাইবা (রা ঙাঙ্‌বা ওমদবা), নত্রগা মীনা ঙাঙ্‌বা খঙ্‌দবা।

aphorism ('এ্যাফরিজম্) *n.* maxim ; short wise saying, শম্না হায়্‌বা লৌশিং লৈবা রাঙাঙ্ (সুত্র) ; পাউরৌ। *adj.* **aphoristical.** *n.* **aphorist.**

apiece (অ'পীস্) *adj.* to, for, by each of a group, (ময়ামগী) খুদিং-মক্তা ; খুদিংমক্তা।

apish ('এইপিশ্) *adj.* of or like an ape ; silly ; য়োংগী ওইবা ; য়োং মান্‌বা ; অপঙ্‌বা।

apocalypse (অ'পোকলিপ্স্) *n.* revelation (of knowledge from God), (ঈশ্বর্‌দগী জ্ঞান্) ফোঙ্‌দোরক্পা।

apogee ('এ্যাপজী) *n.* position of the moon or any planet at its greatest distance from the earth, পৃথিবীদগী খ্বাইদগী লাপ্পা থাগী নত্রগা গ্রহ অমগী ফীভম্ (=লৈফম্)।

apologetic (অপোল'জেটিক্) *adj.* making an apology, লাল্লে হায়্‌তুনা হায়্‌জবগী (রাতা) ওইবা। *adv.* **apologetically,** *n.* **apologist,** লাল্লে হায়্‌জরিবা মী।

apologize (অ'পোলজাইজ্) *v. i.* make an apology, লাল্লে ঙাকপীয়ু হায়্‌জবা। *n.* **apology.**

apoplexy ('এ্যাপপ্লেক্সি) *n.* sudden loss of power to feel, think or move caused by injury in the brain, থোপ্পা শোক্‌না খঙ্‌হৌদনা লেঙ্‌ওৎপা, রাগল্ তৌবা ঙমদবা অমসুং শোকপা খঙ্‌দবা। *adj.* **apoplectic.**

apostasy (অ'পোস্টসি) *n.* giving up one's beliefs or faiths, মশাগী ধর্ম্ম, থাজবা, থাদোক্পা। *n. & adj.* person guilty of apostasy, মশাগী ধর্ম্ম থাদোক্পগী মরাল্ লৈরবা (মী)।

apostle (অ'পোসল্) *n.* 1. one of the twelve men chosen by Jesus to preach His doctrines, যীশুনা মাগী ধর্ম্ম শন্দোক্‌উ হায়্‌না শিন্নরম্বা মী তরানীথোইগী মরক্তা অমা। 2. leader or teacher of a new faith or movement, অনৌবা ধর্ম্ম নত্রগা ঈহৌ অমগী লুচিংবা নত্রগা হৌদোক্পা মী। *adj.* **apostolic.**

apostrophe (অ'পোস্ট্রফি) *n.* 1. the sign used to show omission of letters or numbers, ময়েক্ নত্রগা মশীং লৌথোক্পগী খুদম্ (')। 2. sign for the possessive, মপু ওইবা খঙ্‌নবগী খুদম্ : boy's ; boys'. *v.t.* **apostrophize.**

apothecary (অ'পোঠিকরি) *n.* one who prepares and sells medicines, হীদাক্ শেম্বা অমসুং য়োন্‌বা মী।

apotheosis (অপোঠি'অউসিস্) *n.* (pl.—oses). (of a human being) making or becoming a god or a saint, (মী) লাই নত্রগা মুনি ওইরক্পা।

appal (অ'পোওল্) *v.t.* fill with fear or terror, কিহন্‌বা। *adj.* **appalling.** *adv.* **appallingly.**

apparatus (এ্যাপ'রেইটস্) *n.* (pl— uses) set of instruments or appliances for scientific works, বিজ্ঞান্‌গী থবক্তা চঙ্‌বা খুৎশু -খুৎলাই অমসুং অতৈ অতৈ পোৎ।

Scanned by TapScanner

apparel (অ'পোরল্) *n.* clothing, ফিজেৎ ; ফি-বোল্ । *v.t.* dress, ফি শেৎপা নত্রগা ইন্‌বা ।

apparent (অ'পোরন্ট) *adj.* 1. clearly seen or understood, তরং তরংনা উরবা নত্রগা খঙ্‌লবা । 2. seeming ; ওইনা উরিবা, মাল্লি-বা । *adv.* **apparently.**

apparition (এ্যাপ'রিশন্) *n.* appearance esp. of a ghost or the spirit of a dead man ; ভূত-প্রেত্ থোরক্‌পা ।

appeal (অ'পীল্) *v.i.* 1. make an earnest request, চা-ননা (কন্না) হায়্‌জবা । 2. take a case (to a higher court) for reconsideration and a new decision, (হেন্না চাউবা কোর্টা) কেশ্ অমবু অমুক খন্নবীয়্ অমসুং অনৌবা ৱারেপ্ অমা তাবীয়্ হায়্‌না ৱাকৎপা । *adj.* **appealing,** *n.* **appeal.** *adj.* **appealable.** *adv.* **appealingly.**

appear [অ'পিঅ(র্)] *v.i.* 1. come into view ; become visible ; মীৎতা উরক্‌পা (থোরক্‌পা)। 2. seem; look ; ওইনা উবা ; মান্‌বা । *n.* ~**ance,** শক্ ।

appease (অ'পীজ্) *v.t.* 1. make quiet or calm ; ঈংথহন্‌বা ; নেম্‌হন্‌বা । 2. satisfy by giving what is wanted, পাম্লিবত্থু পীতুনা, থেম্বা । *n.* ~**ment.**

appellant (অ'পেলন্ট) *adj.* (law) concerned with appeals, ৱাকৎপগী ওইবা । *n.* one who appeals to a higher court, হেন্না চাউবা কোর্টতা ৱাকৎলিবা মী ।

appellate (অ'পেলট্) *adj.* having powers to hear appeals from a lower court, মখাগী কোর্টতগী আপীল্ লোবগী শক্তি লৈবা : *appellate court.*

appellation (এ্যাপ'লেইশন্) *n.* name or title, মিং নত্রগা ফম্ ।

append (অ'পেণ্ড্) *v.t.* add in writing or in print, ইবদা নত্রগা (লাইরিক্) ছাপা নম্বদা হাপ্‌চিল্লক্‌পা । *n.* ~**ix ; appendage.**

appendix (অ'পেণ্ডিক্স্) *n.* small outgrowth of the intestine, পীবোঙ-গী রিনগী মতোন্দা পীক্না লোঙ্-থোকলিবা শরূক্ । *n.* **appendicitis,** disease of the ~ এপেণ্ডিক্স্‌তা পোম্বা অনাবা ।

appertain (এ্যাপ'টেইন্) *v.i.* belong as a right to ; be appropriate to ; মপু ওইবা ; চপ্ চা-নবা ।

appetite ('এপটাইট্) *n.* hunger, (চিঙ্গাক পু) লাম্বা । *n.* **appetizer,** অরাম্বা পোক্‌হন্নবা থক্‌পা নত্রগা চাবা করিগুম্বা পোৎ । *adj.* **appetizing,** অরাম্বা পোক্‌হল্লবা : *v.t.* **appetize.**

applaud (অ'প্লোওড) *v.t.* praise by shouting ; লাউত্নুনা থাগৎপা । *n.* **applause.**

apple ('এ্যাপল্) *n.* a kind of juicy fruit, হৈতুপ্‌কুম্বা উহৈ জাৎ অমা ; সেম্ ।

appliance (অ'প্লাইঅন্স) *n.* instrument or apparatus, (থবক্কী) খুৎলায়্ ।

applicable ('এাপ্লিকবল্) *adj.* that can be applied (to) ; that is suitable and proper ; (করিগুম্বা অমদা) শীজিন্নবয়াবা ; চুনবা অমসুং ওইফম্ থোক্‌পা ।

applicant ('এ্যাপ্লিকন্ট) *n.* one who applies, দরখাস্থ্ থারিবা মী ।

apply (অ'প্লাই) *v.t.* & *i.* 1. put sth. into use or into position to serve a purpose ; পান্দম্ অমবু ফংনবা (করিগুম্বা অমবু) শীজিন্নবা নত্রগা মফম্ চানা থম্বা । 2. request (in writing) for sth., দরখাস্থ্ থাবা । 3. have reference (to) ; *part. adj.* **applied,** থবক্ ওইনা পাঙথোক্লবা । *n.* **application.**

Scanned by TapScanner

appoint (অ'পোওইন্ট্) *v.t.* 1. fix or decide, (থৌদোক্ অমগী মফম্ মতম্নচিংবা) লেপ্পা । 2. place (one) in office, (কনাগুম্ববু) থবক্ হাপ্পা । *n.* **appointment.**

apportion (অ'পোওশন্) *v.t.* divide; distribute ; য়েন্নবা ; য়েন্থোক্পা ।

apposite ('এাপজিট্) *adj.* suitable for the purpose or occasion, পান্দম্ অমগা নত্রগা থৌদোক্ অমগা চৃনবা ।

apposition (এাপ'জিশন্) *n.* addition of one word to another as an explanation, ৱাহৈ অমদা (শন্দোক্লা হায়্বা ওইনা) অতোপ্পা ৱাহৈ অমা হাপ্চীন্বা : *Tombi, the carpenter.*

appraise (অ'প্রেইজ্) *v.t.* fix a price for ; say what sth. is worth ; (করিগুম্বা অমগী) মমল্ নত্রগা মগুণ্ লেপ্পা । *n.* **appraisal.**

appreciate (অ'প্রীশিএইট্) *v.t. & i.* 1. judge sth. rightly and enjoy ; অচুম্বা মগুণ্ খঙ্বা অমসুং মতুদা নুংঙাইবা পোক্পা । 2. offer a high value on, মমল্ ৱাংনা থাংগৎপা । *n.* **appreciation.** *adj.* **appreciable.**

apprehend (অপ্রি'হেণ্ড্) *v.t.* 1. understand, খঙ্বা । 2. fear, কিবা । 3. arrest ; seize ; ফাবা ; *adj.* **apprehensive.** *n.* **apprehension.**

apprentice (অ'প্রেন্টিস) *n.* learner of a trade without paying or receiving ; শেল্ সু হুন্দনা, ফংসু ফংদনা শিনফম্ অমা তম্লিবা মী । *v. t.* অতুগুম্বা থবক্ (কনাগুম্ববু) শীজিন্নবা । *n.* ~**ship.**

apprise (অ'প্রাইজ্) *v.t. & i.* inform (পাউ) তাক্পা । *n.* **apprisal.**

approach (অ'প্রউচ্) *v. t. & i.* 1. come near (er) to, (হেন্না) মনাক্ নক্শিনবা । 2. go to sb. for a request, চঙ্জবা (তায়্জবা) । *n.* নক্শিনবা নত্রগা তায়্জবা । *adj.* **approachable,** that can be approached ; চঙ্বয়াবা, চঙ্বঙবা ।

approbation (এাপ্র'বেইশন) *n.* approval ; (তৌমন্নু হায়্না) য়াবা ।

[1]**appropriate** (অ'প্রউপ্রিঅট) *adj.* 1. right or suitable ; অচুম্বা নত্রগা চৃনবা ; মতৌক্চাবা । *adv.* ~**ly.**

[2]**appropriate** (অ'প্রউপ্রিএইট) *v.t.* 1. put aside for a purpose, মরম্ অমগীদমক্ তম্থুনা থাইদোক্নুনা থম্বা । 2, take and use as one's own, মশাগী ওইনা লৌহনা শীজিন্নব । *n.* **appropriation ; misappropriation,** (মরম্) লান্না শীজিন্নবা ।

approve (অ'প্রুব্) *v.t.* 1. sanction; consent, য়াবা । 2. confirm ; agree to sth., চেংশিল্হনবা ; য়াবা । *adv.* **approvingly.** *n.* **approval.**

[1]**approximate** (অ'প্রাক্সিমট্) *adj.* very near to, য়াম্না নকশিনবা (য়োৗগদৌবা) । *adv.* **approximately.** *v. t. & i.* [2]**approximate,** (মগুণ্দা নত্রগা মশীংদা) য়োৗংনৌবা । *n.* **approximation.**

appurtenance (অ'পঅটিনন্স্) *n.* (legal) sth. that belongs to or goes with another thing, অতোপ্পা পোৎ অমগা শরুক্তুনা অমত্তা ওইরিবা পোৎ ।

apricot ('এইপ্রিকোট) *n.* a kind of fruit, উহৈ মখল্ অম (চুহৈ গুম্বা) ।

April ('এইপ্রল্) *n.* the fourth month of the English year, ইংরেজী চহীগী মরিশুবা থা ।

a priori (এই প্রাই'ওওরাই) *adj. & adv.* (Lat) (reasoning) from cause to effect, মরম্দগী মহৈ (ফল্) ওইরকপ(না)

apron ('এইপ্রন্) *n.* loose garment in the front part of the

body to keep clothes clean ; ফি মোত্তনবা, হকচাংগী মাঙ্‌লোমদ, শেৎপা অকোম্বা ফিজেৎ (ডাক্তরগুম্বনা শেৎপা, অচোন্‌বা, অণ্ডোবা ফুরিৎ) ।

apropos (এাপ্রা'পউ) *adj. & adv.* to the purpose ; in connection with, মরী লৈনবা ; মরী লৈননা ।

apt (এাপ্ট্‌) *adj.* 1. quick-witted (at learning), (তম্বদা) থুনা খঙ্‌গন্‌বা । 2. to the point ; well suited ; নাতৈচাবা ; চপ্‌চানা চুনবা । 3. inclined ; likely (to do) ; পূক্লীং লৈশিন্‌বা (তৌনীংবা) ; (তৌগদবা) মান্‌বা । *adv.* **aptly.** *n.* **aptness.**

aptitude ('এাপ্‌ টিটূাড্‌) *n.* natural ability to acquire knowledge or skill, (খঙ্‌ব-হৈবদা) পীথোরক্লবা মগুণ্‌, হৈনবা ।

Aquarius (অা'কেঅরিঅস্‌) *n.* the eleventh sign of the zodiac, কুম্ভ (রাশি) ।

aquatic (অ্যা'ক্যোটিক্‌) *adj.* (of plants and animals) living or growing in water, (পাম্বী নত্রগা জীব) ঈশিংদা হোবা নত্রগা লৈবা ।

aqueduct ('এ্যাক্বিডক্ট্‌) *n.* artificial channel for supplying water, ঈশিং পুশিন্নবা খুৎশেমগী খোং ।

aqueous ('এইক্বিঅস্‌) *adj.* of or like water ; ঈশিংগী ওইবা , ঈশিং মান্‌বা ।

aquiline ('এ্যাক্বিলাইন্‌) *adj.* of or like an eagle, ঈগল্‌ (মচীন্‌ তুম্বা উচেক্‌ অচৌবা অমা) মান্‌বা ।

Arab ('এ্যারব্‌) *n.* a native of Arabia, আরব্‌ লৈবাক্কী মী । *adj.* **Arabic ; Arabian.**

arabesque (এ্যার'বেস্ক) *n.* design of leaves, branches, etc. ; উনা, উশানচিংবা মান্‌বা লৈরোং ।

arable ('এ্যারবল্‌) *adj.* (of land) suitable for ploughing, (লম্‌) লৌউবয়াবা ।

arbiter ['আবিটর্‌(র্‌)] *n.* 1. person with complete control of sth., করিগুম্বা অমবু ফজনা লৈকপগুম্বা মী । 2. arbitrator, খৎনবা খাম্নবা হাপ্পা মী ।

arbitrament (আ'বিত্রমেন্ট) *n.* the deciding of a dispute by an arbiter, অখাম্বা অমনা খামত্তনা খৎনবা তোক্পা (রা লেপ্পবা) ।

arbitrary ('আবিত্ররি) *adj.* 1. based on opinion or impulse and not on reason, মরম্‌ য়াওদনা তৌনীংবতা তৌবা ।

arbitrate ('আবিত্রেইট্‌) *v. t. & i.* decide by arbitration (মী অমনা) খামত্তনা খৎনবগী ৱারেপ্পা ; খৎনবা খাম্বা । *n.* **arbitration.**

arbitrator ['আবিত্রেইট(র্‌)] *n.* (legal term for) arbiter, খৎনবা তাইশিন্নবা খল্লবা মীওই ।

arbour ['আব(র্‌)] *n.* shady place among trees in the garden, লৈকোল্‌গী উরক্তা লৈবা উরুম্‌ লাংবা মফম্‌ । *adj.* **arboreal.**

arc (আক্‌) *n.* part of the circumference of a circle, বৃত্তগী পরিধিগী মচেৎ ।

arcade (আ'কেইড্‌) *n.* covered passage with arched roof, মথক্তা কালোক্‌ কোন্দুনা কুপ্পা চঙ্‌ফম্‌ (লম্বী) ।

arch (আচ্‌) *n.* curved structure carrying a roof (as in bridges, culverts, etc.), (থোং, উকুনচিংবগী) মথক্‌ কুপ্পা কালোক্‌ । *v.t. & i.* make sth. curved, (লৈরুং শানা) কোল্‌হন্‌বা ।

arch- (আচ্‌) *prefix.* chief, মরুওইবা ।

archeology (আকি'ওলজি) *n.* study of ancient things (ruins, remains, etc.), (থায়্‌নগী অতেক্‌অকায়্‌) অরিবা পোৎ লৈনবা (তম্বা) । *adj.* **archeological.** *n.* **archeologist.**

Scanned by TapScanner

archaic (আ'কেইইক্) *adj.* (of language) so old that it is now not used except for esp. purposes, (লোল্) অকক্লবা মরম্ অমগী নত্তনা হৌজিক্ শীজিন্নদ্রবা অরিবা। *n.* **archaism.**

archangel ('আকেইন্জল্) *n.* angel of the highest rank, লাইগী দূত্ মকোক্।

archbishop (আচ্'বিশোপ্) *n.* chief bishop, (চর্চকী) বীশোপ্-শিংগী মকোক্। *n.* **archbishopric,** বীশোপ্ শিংগী মকোক্কী ফম্।

arch-enemy (আচ্'এনমি) *n.* chief enemy, য়েক্লবা মকোক্।

archer ['আচ(র্)] *n.* person who shoots arrows, তেল্ কাপ্পা মী। *n.* **archery,** the art of shooting arrows, তেল্ কাপ্পগী মহৈ (বিদ্যা)।

archetype ('আকিটাইপ্) *n.* prototype, ঈহান্ হান্বা মপা-মপু নত্রগা নোম্না। *adj.* **archetypal.**

archipalego (আকি'পেলগউ) *n.* group of islands, ঈথং-মপৈ।

architect ('আকিটেক্ট্) *n.* one who plans the designs of buildings, য়ুম্ শাবগী নোম্না পুথোক্পা মী।

architecture ['আকিটেক্চ(র্)] *n.* art and science of building, য়ুম্-কৈ শাবগী মহৈ (বিদ্যা)। *adj.* **architectural.**

archives ('অ্যকাইব্জ্) *n.pl.* place for keeping government records, সর্কার্গী অইবা চে, হিসাব্-নচিংবা থম্ফম্। *n.* **archivist,** *adj.* **archival.**

archway ('আচ্রেই) *n.* curved structure built as an ornament at the gateway, থোঙ্গান্দা লৈতেং ওইনা কোন্বা কালোক্।

arctic (!আক্টিক্) *adj.* of a the North Pole, অন্নাং মেরুগী ওইবা।

ardent ('আডন্ট্) *adj.* full of ardour, থরায় যাওবা।

ardour ['আড(র্)] *n.* warm emotion ; enthusiasm (for sth.), থরায়্-যাওবা।

arduous ('আড্যুঅস্) *adj.* 1. (of work) difficult, (থবক্) অকনবা। 2. steep, hard to climb, (লম্বী, চীংনচিংবা) অওম্বা, কাবদা লুবা। *adv.* ~**ly.**

are [আর(র্)] *v.i.* a form of the verb, "to be".

area ('এঅরিঅ) *n.* 1. measurement of the surface, (লৈমায়্গী) লোৌথোক্। 2. region of the earth's surface, পৃথিবীগী লৈমায়্গী লম্ : *desert areas.*

arena (অ'রীন) *n.* central part, for games and fights, of a Roman amphitheatre ; রোমাণ্-শিংগী শান্ন-কৃষ্মৈ তোফম্গী ময়ায়্গী শরূক্।

aren't (আণ্ট্)=are not.

argon ('আগোন্) *n.* an inactive gas present in the atmosphere, নুংশিত্তা য়াওবা গ্যাস্ অমা।

argue ('আগ্যূ) *v. t. & i.* 1. give reasons in support of one's opinion against another, (মরম্ পীজ্বনা) মরৈ য়েংপা। 2. discuss ; debate; (ন্না) তা-নবা, মরৈ য়েংনবা। *n.* **argument.** *adj.* **argumentative,** *n.* **argumentation.**

arid ('এ্যারিড্) *adj.* dry ; barren ; অকংবা ; লৈহাও চেন্দবা। *n.* **aridity.**

aright (অ'রাইট্) *adv.* rightly, চুম্না (=লান্দনা)।

arise (অ'রাইজ্) *v. i.* get up ; stand up ; হোগংপা, লেপ্থংপা।

aristocracy (এরিস্টৌ'ক্রসি) *n.* 1. government by persons of the highest social rank, (সমাজ্গী) অচৌ-অশাংশিংগী শাসন্। 2. ruling

Scanned by TapScanner

body of nobles, শাসন পায়্রিবা অচৌ-অশাংশিং। *n.* **aristocrat,** *adj.* **aristocratic.** *adv.* **aristocratically.**

arithmetic (অ'রিঠ্ মটিক) *n.* science of numbers. (মশীংগী) অঙ্ক বিদ্যা। *adj.* **arithmetical,** *n.* **arithmetician.** অঙ্ক হৈবা মী।

ark (আর্ক) *n.* covered ship, মথক-কুপ্পা হি।

[1]**arm** (আম) *n.* part of the human body from the shoulder to hand, পাম্বোম। *n.* **armpit,** hollow under the root of the arm, শেগ্রাক্। *n.* **armchair,** chair with supports of arms, খুং থক্ষম য়াওবা চৌকি।

[2]**arm** (আম্) *n.* (usu. pl.) weapons (লান্গী) খুৎলাইশিং।

[3]**arm** (আম্) *v.t.* & *i.* supply with weapons and armour ; prepare for war ; খুৎলাই হুন্বা (=পীবা); লান্গীদমক্ শেম্শাবা।

armada (আ'মাড) *n.* great fleet of warships, লান্গী জহাজ্ মপৈ।

armament ('আমমন্ট) *n.* (usu. pl.) military forces and their equipment, মিলিটরি কাংলুপ্ অমসুং মখোয়্গী খুৎশু-খুৎলাই।

armistice ('আর্মিস্টিস্) *n.* agreement during a war to stop fighting for a time, লাল্ মনুংদা মতম থরগী ওইনা লাল্ লেপ্পসি হায়্না য়ানবা।

armour [আ'ম(র্)] *n.* 1. defensive covering worn in fighting, লাল্লোনবদা ডাক্থোক্নবা লান্ফি-ফুরিৎ।

army ('আমি) *n.* military force of a country for fighting on land, লৈবাক অমগী থোংমী-লাশি।

aroma (আ'রউম) *n.* sweet smell ; fragrance ; নুংশিবা মনম্। *adj.* **aromatic.**

arose (অা'রউজ্) *p.t.* of arise.

around (আ'রাউণ্ড্) *adv.* & *prep.* on every side ; in all directions ; মায়্কৈ পুম্নমক্তা ; অকোয়্বদা।

arouse (আ'রাউজ্) *v.t.* 1. awaken, (তুম্বদগী) হোৎহন্বা। 2. cause sb. to become active, (কনাগুম্ববু) মশা থীংহন্বা।

arraign (অা'রেইন্) *v.t.* charge criminally against sb., কনাগুম্ববু মরাল্ শীবা। *n.* **arraignment.**

arrange (আ'রেইঞ্জ) *v.t.* & *i.* put in order. মথং-মনাউ কায়্দনা থম্বা; শীল্লাংবা। *n.* **arrangement.**

arrant ('এ্যরন্ট) *adj.* (of sth. or sb.) bad in the highest degree, (করিগুম্বা অমা নত্রগা মী অমা) থীনা ফংখিদ্রবা।

array (অা'রেই) *v.t.* place troops in order for battle, লান্গীদমক্ লান্মী শেম্-শাত্না থম্বা। *n.* **array.**

arrears (অা'রিঅজ়) *n. pl.* 1. money owed and to be paid ; তোল্লিবা, শিংগদবা শেল্। 2. pending, তৌদ্রিবা, তৌগদবা থবক্শিং।

arrest (আ'রেস্ট্) *v.t.* 1. cause to stop, লেপ্হন্বা। 2. seize sb. by law, (কনাগুম্ববু আইন্না) ফাবা। *n.* act of arresting.

arrival (অ'রাইবল্) *n.* act of arriving, থুংবা ; য়োবা।

arrive (আ'রাইব্) *v.i.* 1. reach a place, (মফম্ অমদা) থুংবা নত্রগা য়োবা। 2. (of time) come, (মতম্) য়ৌশিল্লকপা নত্রগা নক্শিল্লকপা।

arrogant ('এ্যরগণ্ট) *adj.* behaving in a proud manner, চাউথোক্পা শাজৎ চৎলিবা। *adv.* **arrogantly** *n.* **arrogance.**

arrogate ('এ্যারগেইট্) *v.t.* 1. claim or take without right, হক্

লৈতনা ফংগে নত্রগা লোগে হায়্বা। 2. attribute unjustly, কত্তবা তাইনগে হোৎনবা।

arrow ('এরউ) *n.* pointed stick shot from a bow, তেল্। *n.* **arrowhead,** pointed head of an arrow, তেজ্জীল্।

arse (আস্) *n.* buttocks, নীংজোল্।

arsenal ('আসনল্) *n.* government building where weapons and ammunition are made or stored, লাল্গী থৃৎলাই শানবা নত্রগা পৈনবা সর্কার্গী শঙ্।

arsenic ('আসনিক্) *n.* a violent poison, খেম্জী (কল্লবা হু অমা)।

arson ('আসন্) *n.* act of setting sth. on fire intentionally and unlawfully, আইন্ কায়্না করিগুম্বা মৈ থাগে হায়্না থাবা।

1**art** (আট্) *n.* 1. the work of man; human skill; (মহৌশাগী নত্তবা) মীওইবগী থবক্; (মীওইবগী) হৈশিংবা, কলা। 2. cunning; trickery; তাৎ; মরৈ-মরা চাউবা।

2**art** (আট্) *v.* pres. t. form of *be*, used with *thou.*

artery ('আটরি) *n.* tube carrying blood from the heart to all parts of the body; থম্মোইদগী হক চাং অপুম্বদা ঈ পুরিবা উতোং (শিংলী)। *adj.* **arterial.**

artful ('আটফল্) *adj.* cunning; deceitful; clever in getting sth., মরৈ-মরা চাউবা; লৌনম্চাউবা; (পোৎ হুবগুম্বদা) লৌবহৈবা।

arthritis (আ'থ্রাইটিস্) *n.* disease that attacks joints; inflamation of joints; শু-তাং চীক্পা (লায়্না); তাংদা পোম্বা।

article ('আটিকল্) *n.* 1. particular thing; থোইদোক্পা (তোপ্তোম্বা) পোৎ। 2. piece of writing, ৱারেং মতেক্; প্রবন্ধ।

1**articulate** (আ'টিক্যুলট্) *adj.* (of speech) clear in sounds and words, (ৱাডাঙ্) শেংবা, তশেংতশেংবা; চীনুকেন ফবা। *adv.* **articulately.** *n.* **articulation.**

2**articulate** (আ'টিক্যুলেইট্) *v.t. & i.* say or speak distinctly; (সৈতোল্) শেংনা হায়্বা নত্রগা ভাঙ্বা। 2. connect by joints, (শরুগুম্বগু) তাংনা শমজিন্নবা। *n.* **articulation.**

artifact, artefact ('আটিফেক্ট্) *n.* artificial product; sth. done by man; খুৎশেম্গী পোথোক্; মীনা তৌবা থবক্।

artifice ('আটিফিস্) *n.* 1. skill, হৈশিংবা। 2. trick, চালাক্।

artificer [আ'টিফিস(র্)] *n.* skilled workman, হৈ-শিংলবা থবক্ শুবা মী।

artificial (আটি'ফিশল্) *adj.* not natural or real; মহৌশাগী নত্তবা; থাক্সেংশেংবা নত্তবা; (মীগী) খুৎশেম্গী ওইবা।

artillery (আ'টিলরি) *n.* 1. big guns (on wheels), (কাংথোঙ্ পান্বা) তোপ্; নোংমৈ অচৌবা। 2. branch of an army using these, মাতুগুবা তোপ্ শীজিন্নবা লান্মী।

artisan (আটি'জ্যান্) *n.* skilled workman in any trade, করিগুবা শিন্কম অমদা হৈশিংলবা মী।

artist (আ'টিস্ট্) *n.* person skilled in one of the fine arts, নগিজ কলা (লাইয়েক্পা, ঈশৈনচিংবা) শিংগী মরক্তা অমা কজনা হৈরবা মী। *n.* **artistry.**

artiste (আ'টীস্ট্) *n.* professional singer, dancer or actor; শিন্কম ওইনা ঈশৈ শক্পা, জগোই শাবা নত্রগা লীলা ৱাওবা মী।

artistic (আ'টিস্টিক্) *adj.* done with the taste of art; কলাগী মওঙ্ ৱাওনা (থবক্) তৌবা; ফজবগু মওং-মওঙ্ থঙ্বঙবা। *adv.* **artistically.**

Scanned by TapScanner

artless ('আর্টলস্) *adj.* (contrasted with *artful*) simple, innocent ; ঈচম্-চম্বা ; করিম্ খঙ্দবা ; মরাল্লৈ-তবা। *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

arum ('এঅরম্) *n.* **arumlily,** a white lily, থরো অঙৌবা অমা।

Aryan ('এঅরিঅন্) *n.* & *adj.* Indo-Europeans ; আর্য্য।

as (অজ্, এাজ্) *adv.* 1. in the sense of equality, মান্নবগী অর্থদা। *conj.* 2. when, while, (তৌরিঙৈ) মতম্দা। 3. since, (ওইবা) মরম্না।

asafoetida (এাস'ফীটিড) *n.* a kind of gum used as a medicine, (এঙ্গাংগী) হীং।

asbestos (এাস্বেস্টস্) *n.* a mineral substance that can be made into fire-proof fabric, মৈ চঙ্দবা ফি শাবরাবা, খোংদগী খোক্পা পোং অমা।

ascend (অ'সেণ্ড্) *v.t.* & *i.* go or come up (a high place), (অৱাংবা মফম্দা) কাবা। *n.s.* ~**ant ;** ~**ancy ; ascent.**

ascension (অ'সেন্শন্) *n.* act of ascending, (অৱাংবা) কাবা।

ascertain (এাস'টেইন্) *v.t.* find out if it is certain ; (শোয়্দবরা হায়্বদু) খঙ্দোক্পা। *adj.* **ascertainable.**

ascetic (অ'সেটিক) *n.* relcuse; sage; সাধু ; সন্ন্যাসী। *n.* ~**ism.**

ascribe (অ'স্ক্রইব্) *v.t.* consider to be the cause, মরম্ ওইরম্গনি হায়্না থম্বা (বা তা-নবা)। *adj.* **ascribable.** *n.* **ascription.**

aseptic (অ'সেপ্টিক্) *adj.* (of wounds) free from bacteria, (অশোক্-অপন্) মহীক্-মতাং চঙ্দবা ; লায়্জোদবা। *n.* **asepsis.**

asexual (এইসেক্‌শুঅল্) *adj.* without sex or sex organs ; নুপা-নুপী খায়্দবা (নপুংসক) ; নুপা-নুপীগী ঈন্দ্রি পাম্দবা।

[1]**ash** (এাশ্) *n.* forest-tree with hard wood, উমংগী অকনবা উ অমা।

[2]**ash** (এাশ্) *n.* (usu. *pl.*) powder after burning, উৎ। **ash-tray,** a small saucer in which ashes are dropped from cigars, চুরুপ্-তাম্বী কন্থোক্নবা পাত্র। *adjs.* **ashy ; ashen,** উৎকী ওইবা, উৎ-মচু মানবা।

ashamed (অ'শেইম্ড্) *pred. adj.* feeling shame, ঈকাইরবা।

ashore [অ'শোও(র্)] *adv.* on, to or near the shore, সমুদ্র-মপান্দা।

Asian ('এইশন্) **Asiatic** (এইশি'এ্যাটিক্) *n.* & *adj.* (native) of Asia, এশিয়াদা লৈবা (মী) ; এশিয়াগী (ওইবা)।

aside (অ'সাইড্) *adv.* on or to one side ; নাকল্দা ; নাকন্ অমদা।

asinine ('এ্যাসিনাইন্) *adj.* 1. of asses, লোলাগী (ওইবা)। 2. stupid, অপঙ্বা।

ask (আস্ক্) *v.t.* & *i.* call for an answer ; quest information or service ; (পাউখুম অমা খুম্নবা) হংবা ; পাউ হংবা ; (করিগুম্বা অমা ফংনবা) হায়্জবা। *n.* **asking.**

askance (অ'স্ক্যান্স্) *adv.* **look askance at,** look at with wonder and suspicion, চিংনবা অমসুং ঙকা য়েংবা।

askew (অ'স্ক্যু) *adj.* & *adv.* out of the straight and usual position, কৈরেং-কৈরাং (তৌদুনা)।

aslant (অ'স্লান্ট্) *adv.* & *prep.* in a slanting direction, পৈথডুনা ; ঙায়থডুনা।

asleep (অ'স্লীপ্) *pred. adj.* তুম্লিবা; তুম্না-তুম্না।

asp (এ্যাস্প্) *n.* small poisonous snake, মহুকনবা লিক্‌ মচা অমা।

Scanned by TapScanner

aspect (ˈএ্যাস্পেক্ট্) *n.* 1. look or appearance (of a person or thing) (পোৎ নত্রগা মী অমগী) মশক্, মায়্থোং। 2. every detail, শুগাইবা মরোল্।

asperity (অ্যাˈস্পেরটি) *n.* roughness ; harshness (of manner) ; severity (of weather) ; অকুৎ-অতোঙ্ নাইবা ; (লমচৎ-শাজক) অকল্-অরীং শীংবা ; (হরা) তমথীবা।

asperse (অ্যাˈস্পঅস্) *v.t.* slander ; say false things about, (মীবু) লান্না মিংচৎ থীহন্‌বা।

asphalt (ˈএ্যাস্ফ্যাল্ট্) *n.* black, sticky substance like coal-tar used for making roofs, water proofs, roads, etc., (লম্বীদা থানবা) কোলাস্। *v. t.* make (roads) with ~, লম্বী কোলাস্ থাবা।

asphodel (ˈএ্যাস্ফডেল্) *n.* sort of lily, থরো জাৎ অমা।

asphyxia (অস্ˈফিক্সিঅ) *n.* suffocation, সোর্ থিংবা (ফুন্‌বা)। *v. t.* **asphyxiate,** make ill through lack of air in the lungs, থম্বোম্বীদা নুংশিৎ ৱাঙ্‌না নাইহন্‌বা। *n.* **asphyxiation.**

aspirant (অ্যাˈস্পাইঅরন্ট্) *n.* person who aspires (after fame, etc.), (মিংচৎনচিংববু) আশা তৌরিবা মী।

aspirate (ˈএ্যাস্পরট্) *n.* the sound of 'h', 'h' কী খোন্থোক্। *v. t.* (ˈএ্যাস্পরেইট্) say with a 'h' sound, 'h' কী খোঠোক্না লোয়্‌ননা ঙাঙ্বা।

aspire [অ্যাˈস্পাইঅ(র্)] *v.i.* be filled with ambition, অচাউরবগী আশা তৌবা। *n.* **aspiration.**

aspirin (ˈএ্যাস্প্রিন্) *n.* a medicine to relieve pain, and reduce fever, অচীক্পা অমসুং অনাবা ফহন্‌বা অমসুং শাইহৌ হন্থহন্‌বা হীদাক্ অমা।

ass (এ্যাস্) *n.* donkey ; stupid person, লোলা ; অপঙ্বা মী।

assail (অ্যাˈসেইল্) *v.t.* attack violently ; মীনা লান্দাবা ; মীবু মীনা (মথৎয়) শোক্নবা তৌবা। *adj.* **~able,** *n.* **~ant,** attacker, লান্দাবিবা মী।

assassin (ˈঅ্যাস্যাসিন) *n.* person who assassinates, মী হাৎপা মী *v.t.* **assassinate,** kill treacherously esp. for political purposes ; মরুওইনা রাজনীতিগীদমক্ তমথীনা হাৎপা। *n.* **assassination.**

assault (অ্যাˈসোওল্ট্)*n.* violent and sudden attack, খঙ্হৌদনা মীনা লান্দাবা। *v.t.* আইন্ কায়্‌না কনাগুম্বদা খৎনবা, ফুনবা হৌবা।

assay(অ্যাˈসেই)*n.* the test of quality of (precious metals), (মমল্ য়াম্বা ধাতুগী) মগুন্গী চাংয়েং। *v.t.* 1. ধাতু অমগী অশেং-শেংদ চাং য়েংবা। 2. attempt or try ; হোৎনবা (তোগে হায়্‌দুনা) ; চাং য়েংবা।

assemblage (অ্যাˈসেমব্লিজ্) *n.* 1. bringing or coming or putting together পান্‌খৎপা, পুন্‌শিন্‌হন্‌বা। 2. collection of persons or things, মী নত্রগা পোৎ ময়াম পুন্‌বা (=তিন্‌বা)।

assemble (অ্যাˈসেম্বল্) *v. t. & i.* gather together ; collect ; (ময়াম্না পুল্লপ্) তিন্‌বা ; (ময়াম্বু) খোমজীন্‌বা।

assembly (অ্যাˈসেম্ব্লি) *n.* number of persons who have met together, esp. for law-making, সভা, আইন্‌সভা।

assent (অ্যাˈসেন্ট্) *n.* agreement, য়াবা। *v.t.* give agreement (to a proposal), (হৌদোরক্লিবা ৱাফম অমবু) য়াবা।

assert (অ্যাˈসঅট্) *v. t.* 1. make a claim to, দাবী তৌবা। 2. declare (as true), (অচুম্বনি হায়্‌না) লাউথোক্পা।

assertion (অ'সঅশন্) *n*. 1. recognition of one's rights. কনাগ্ন্বগী অহিকারর্ মশক্ থঙ্বা। 2. strong statement : claim ; অচেৎপা ৱাঙাঙ্ ; দাবী।

assertive (অ'সঅটিব্) *adj*. having positive assurance, শোয়্দ্রে হায়্বা ঊৎলিবা ; ~ *tone*. *adv*. ~**ly**.

assess (অ'সেস্) *v.t*. 1. decide or fix the amount of, চাং লেপ্পা নত্রগা ৱারেপ্ তাবা। 2. fix the value of, মমল্ লেপ্পা। *n*. ~**ment**. *n*. **assessor**.

asset ('এ্যসেট্) *n*. 1. (usu. pl.) any possession, সম্পত্তি। 2. valuable or useful quality or skill, মমল্ য়াম্বা নত্রগা কান্নবা গুণ নত্রগা হৈশিংবা।

asseverate (অ'সেবরেইট্) *v.t*. assert solemnly one's innocence, কনাগ্ন্বনা মরাল্ লৈজদে হায়্না ৱাশক্তুনা হায়্বা। *n*. **asseveration.**

assiduity (এ্যসি'ড্যুআটি) *n*. constant attention to one's work, থবক্তা তত্তনা পূক্নীং চঙ্বা।

assiduous (অ'সিড্যুঅস্) *adj*. hard-working ; persevering ; থবক্-কন্বা ; ঊইন্কন্বা। *adv*. ~**ly.**

assign (অ'সাইন্) *v. t*. 1. give share of (work or duty to sb.), (কনাগ্ন্বদা থবক্ নত্রগা থৌগী) শরুক্ তম্বা। 2. fix (place, time, etc.), (মফম্, মতম্মচিংবা) লেপ্পা। *adj*. ~**able**, that can be attributed or assigned, অদুম্না (থবক্, থৌ) পীবয়াবা। *n*. ~**ment.**

assignation (এ্যসিগ্'নেইশন্) *n*. appointment (of time, place for a meeting), (মীতিন্ অমগী মফম্, মতম্) লেপ্পা।

assimilate (অ'সিমলেইট্) *v.t*. & *i*. 1. absorb food into the body, হকচাংদা (চিঞ্জাক্) চুপ্শিন্খিবা (তুম্নগা চঙ্খিবা)। 2. become part of another social group or state; অতোপ্পা সমাজ্ নত্রগা লৈবাক্ অমগী শরুক্ ওইখিবা। *n*. **assimilation.**

assist (অ'সিস্ট্) *v. t*. & *i*. help, মতেং পাংবা। *n*. ~**ance** ; help ; aid, মতেং। *n*. ~**ant,** helper, মতেং পাংবা মী।

assize (অ'সাইজ্) *n*. 1. trial by a judge and jury, বিচারপতি অমসুং মহাক্কী সভাগী বিচার। 2. a court of justice, বিচারশঙ্।

1**associate**(অ'সউশিঅট্)*adj*. joined in function or office, থবক্ নত্রগা আফিস্ পূন্বা (=অমত্তদা তৌমিন্নবা)। *n*. 1. person joined with others (in work or business), (থবক্ নত্রগা কারবার) পূন্বা (=তৌমিন্নবা) মী। 2. companion, লোয়্নবা মী।

2**associate** (অ'সউসিএইট্) *v.t*. & *i*. 1. ~ **with,** join, তিন্শিন্নবা ; শম্জিন্নবা। 2. be often in the company, তোয়্না তিন্নবা (=সঙ্গ ওইবা)।

association (অসউশি'এইশন্) *n*. group of persons joined together for a common purpose, (ময়াম্ তিন্নহুনা করিগুম্বা অমগীদমক্ শেম্বা) মরূপ্ (সমাজ্)।

assonance ('এ্যসনন্স্) *n*. resemblance of stressed vowels in two words, ৱাহৈ অনীগী (খোন্থোক্) কন্না হায়্বা স্বর্শিং মান্নবা (অক্ষা ওইবা)।

assorted (অ'সোওটিড্) *part. adj*. 1. of various kinds ; mixed ; মখল্-মখা য়াম্বা ; (পুল্লপ্) য়ান্শিন্নবা : ~ *teas*. 2. matched or suited one to another, অমগা অমগা লাম্বা চা-নবা। *n*. **assortment.**

assuage (অ'স্বেইজ্) *v. t*. make pain or suffering less, (অৱা-অনারু) হন্থহন্বা।

Scanned by TapScanner

assume (অ'স্যূম্) *v.t.* 1. take as true, চুম্‌ই হায়্না লৌবা। 2. take up; undertake; (থবক্) পায়্থৎপা। 3. take for oneself sth. not genuine, (মান্নবা) শাজিন্নবা। *part. adj.* **assuming,** presumptuous, হান্নবা ওইরে হায়্না লৌরিবা। *n.* **assumption.**

assurance (অ'শুঅরন্স্) *n.* 1. certainty ; confidence ; শোয়্দ্রে হায়্বা ; থাজবা। 2. statement to assure sb. of sth., কনাগুম্বদা করিগুম্বা অমা (পীগে, তৌগেনচিংবা হায়্দুনা) রাশক্পা রাঙাঙ্ ; রাশক্।

assure [অ'শুঅ(র্)] *v.t.* 1. say by giving surety to sb., কনাগুম্বদা (করিগুম্বা অমা) শোয়্দ্রে হায়্বা উত্তুনা হায়্বা। 2. make sth. certain, করিগুম্বা অমবু শোয়্দনা থোক্হন্বা। *part. adj.* **~d.** *adv.* **~dly.**

asterisk ('এ্যস্টরিস্ক্) *n.* star-shaped symbol, থরাম্নিচাক্কী মওঙ মান্বা খূদম্।

astern (অ'স্টঅন্) *adv.* 1. in the stern of a ship, জহাজ্গী তুংলোম্‌গী হীরুবাক্তা। 2. backward, তুংলোম্‌দা।

asthma ('এ্যস্‌ম) *n.* a disease of the lung, হারা ; কংখূ। *adj.* **~tic.**

astigmatism (অ'স্টিগ্মটিজম্) *n.* 1. defect in the eye, মীৎ শোক্পা (ফৎলক্তবা)। *adj.* **astigmatic.**

astir [অ'স্টঅ(র্)] *pred. adj.* & *adv.* in motion ; in a state of excitement ; লেঙ্-ওৎলিবা (চৎলিবা) ; থগৎপগী নত্রগা ময়াইকাবগী ফীভম্‌দা (লৈবা)।

astonish(অ'স্টোনিশ্) *v.t.* surprise, ঙক্হন্বা। *adj.* **~ing,** very surprising, য়াম্না ঙক্কবা। *n.* **~ment.**

astound (অ'স্টাউণ্ড্) *v. t.* overcome with surprise ; shock ; ঙক্পনা থূমহৎপা ; থরায্ শোক্হন্বা।

astrakhan (এ্যস্ট্র'কান্) *n.* skin of young lambs, যাউ-মচাগী মউল্।

astray (অ'স্ট্রেই) *pred. adj.* & *adv.* out of the right path ; লম্বৈ ফচৎপা ; কোকৈন্দবা (কোকৈন্দদুনা)।

astride (অ'স্ট্রাইড্) *pred. adj., adv. & prep.* with one leg on each side of, করাঙ্ ফাক্তোক্তুনা (লৈবা)।

astringent (অ'স্ট্রিণ্জন্ট্) *n.* substance that shrinks tissues and blood vessels to check the flow of blood, ঈ চেন্বা থিংননবা ঈ-উতোং অমসুং তোংশাবু নপ্‌শিল্হন্বা পোৎ। *adj.* of or like an ~, অদুগুম্বা পোৎকী (ওইবা), মাফু মান্বা। *n.* **astringency.**

astrology (অ'স্ট্রোলজি) *n.* art of observing the positions of stars and planets and their effects on human beings, পাজিগী মহৈ। *adj.* **astrological.** *n.* **astrologer.**

astronaut ('এ্যস্ট্রনোওট্) *n.* traveller through outer space in a spacecraft, রোকেট্ তোংদুনা শুন্দ্রংদা কোয়্বা মী।

cash (কাশ্) *n.* money in coin or notes, শেল্-ময়েক নত্রগা নোট্। *v.t. & i.* give or get ~ for (a cheque, etc.), (চাক্লাচিংবগী) শেল্ পীবা নত্রগা ফংবা।

[1]**cashier** [কা'শিঅ(র্)] *n.* cash-keeper, শেল্ থম্বা মী।

[2]**cashier** [ক'শিঅ(র্)] *v.t.* dismiss with dishonour, ইজ্জৎ মাঙ্‌হন্‌বগা লোয়্‌ননা থবক্ লৌথোকপা।

cashmere [কাশ্'মিঅ(র্)] *n.* a fine shawl of Kashmir, কাশ্মীরগী শাল্ (=ইন্নফি)।

casing ('কেইসিং) *n.* covering; শোক্তনবা থোম্‌শিল্লিবা পোৎ; মখুম্।

casino (ক'সীনউ) *n.* public room for music, dancing, gambling, etc., ঈশৈ, জগোই, জুবার্‌নচিংবা শান্নবা ময়ামগী কা।

cask (কাস্ক্) *n.* barrel for liquids, (থাউনচিংবা হাপ্পবা) ড্রম্ (পিপা)।

casket ('কাস্কিট্) *n.* 1. small box উপুমচা (কেপ্)। 2. coffin, (অশিবা মী হাপ্পবা) কু।

casque (কাস্ক্) *n.* military helmet, সিফাইগী থাং-টুপি।

cassava (ক'সাব) *n.* plant with starchy roots, চনাং য়াওবা মরু পান্বা পাম্বী অমা।

casserole ('কোসরউল্) *n.* a cooking pot, চাক্-থোং-চফু জাৎ অমা।

cassette (ক'সেট্) *n.* container for magnetic tape, টেইপ্-রিকোর্ডর্‌গী কসেট্।

cassock ('কোসক্) *n.* outer garment of priests, পুরোহিত্‌শিংগী মপান্থংবা ফীজোল্।

cast (কাস্ট্) *v.t. & i.* 1. throw; allow to fall or drop; লংবা নত্রগা হুন্বা; (মথক্তগী) থাদবা। 2. turn in a direction, মমায় লৈবা। 3. pour (liquid metal) into a mould, ছাচাদা হৈবা। give an actor a part in a play, এক্টর্ অমদা লীলাগী ` পীবা। *n.* ~ing. *adj.* ~ing, ~ *vote*, one given by the chairn.. ., সভাপতিনা পীবা ভোট্। *n.* cast.

castanets (কাস্ট'নেট্‌স্) *n. pl.* instruments to make rattles as a rhythm for dancing, জগোই শাদিরৈঙদা তাল্ থানবা যন্ত্রশিং।

Scanned by TapScanner

castaway ('কাষ্টৱেই) *n.* ship-wrecked person, জহাজ্ কায়বদা য়াওবা মী।

caste (কাষ্ট্) *n.* social class ; শাগৈ-জাৎ।

castellated ('কেষ্টলেইটিড্) *adj.* having battlements, মোংমৈ কাপ্‌ফম্ হুৎপা, য়ুমথক্ লৈবা।

castigate ('কেষ্টিগেইট্) *v.t.* punish severely, ফু চৈদুনা থীনা চৈরাক্ (দণ্ডি) পীবা। *n.* **castigation.**

castle ('কাসল্) *n.* 1. large fortified building, লান্দাবা ঙমদ্রবা অচৌবা দলান্। 2. rook of chess, ছত্রংগী হি।

castor,-ter ['কাষ্ট(র্)] *n.* 1. small wheel, কাংখোঙ মচা। 2. pot for sugar, salt. etc. ; চিনি, থুম্নচিংবা হাপ্পবা পাত্র।

castor oil (কাষ্টর্ 'ওওইল্) *n.* oil made from castor used as a purgative, কেগে-থাউ (অমাংবা লৌথোক্পদা শীজিন্নৈ)।

castrate (ক্যা'স্ট্রেইট্) *v.t.* remove the male sex glands, (শা লাবগী) মশা ওন্‌বা। *n.* **castration.**

casual ('ক্যেঝুঅল্) *adj.* 1, accidental, (থোঁদোক্) খঙ্‌হৌদনা থোক্পা। 2. irregular, not permanent ; চাং নাইদবা ; তঙ্-তাদ্রিবা। *adv.* **~ly.**

casualty ('ক্যেঝুঅল্টি *n.* accident ; disaster ; ফত্তবা থোঁদোক্, অৱা-অনা (তাবা)।

casuist ('ক্যেঝুইষ্ট্) *n.* expert in ~ry, অচুম্-অৱান্ লেপ্পদা হৈ-শিংবা মী। *n.* **~ry,** justice by theories, conventions, etc., নিয়ম্, চৎনবীনচিংবনা অচুম্-অৱান্ লেপ্পা। such false, but clever argument, অসুম্না চুম্নি চুম্দবা, হৈ-শিংবা মরৈ।

cat (ক্যেট্) *n.* small domestic animal kept as a pet, হৌদোং।

cat-nap, cat-sleep, short sleep, ঙহাক্তং তুম্বা।

cataclysm ('ক্যেটক্লিজম্) *n.* sudden and violent change owing to war, flood, etc. ; প্রলয়্।

catacombs ('ক্যেটকউমজ্) *n. pl.* underground burial place, লৈনুংদা লৈবা (থপ্পা) মোংকম্।

catafalque ('ক্যেটফোল্ক্) *n.* decorated stand for a coffin during a funeral service, অশিবা কুপ্পগী হৌনবী তৌরিবৈদা কু থম্নবা, লৈতেং-লবা মখোঙ্।

catalepsy (কেটা'লেপ্সি) *n.* disease like epilepsy, শাৱৈ (তুম্বা লায়্‌না)। *adj. & n.* **calateptic,** (person) hearing ~, লায়্‌নাদু পক্পা (মী)।

catalogue ('ক্যেটলোগ্) *n,* list of names, places, goods etc. in a special order ; মিং, মফম্, পোৎচৈ-শিংগী মমিংশিং ইবা চে (কেট্‌লোগ্)। *v.t.* make a ~ of ; put in a ~ ; মাদু শেম্বা ; মাদুদা হাপ্‌চিন্‌বা।

catalysis (কা'ট্যোলসিস্) *n.* the process of helping a chemical change by a substance, পোৎ অমনা রসায়ণ্‌গী অহোংবা অমবু মতেং পাংবগী থবক্। *n.* **catalyst,** substance that causes ~, মাদু থোক্-হল্লিব। পোৎ। *adj.* **catalytic,** of ~, মাদু থোক্‌হল্লিবা।

catamaran (কেটম'র‍্যোন্) *n.* two boats fastened together ; খাবক্ লাক্পা হি অনী।

catapult ('কেটপল্ট্) *n.* Y-shaped stick with a piece of rubber for shooting stones, নাওৱী। 2. apparatus for launching aircraft without a runway, এইরোপ্লেন্‌বু চেন্দনা পাইখৎহন্নবা খুৎলাই। *v.t.* shoot with a ~ ; launch aircraft with a ~ ; নাওৱী কাপ্পা ; মাদুনা এইরোপ্লেন্ পাইখৎহন্‌বা।

Scanned by TapScanner

cataract ('ক্যাটরেক্ট্) *n.* 1. large waterfall, অচৌবা ঈশিং-চাইবী। 2. an eye-disease, ভোদোং (মীৎকী লায়্না)।

catarrh [ক'টা(র্)] *n.* disease of the nose and throat, নাতোন্ অমসুং খোনাউ নাবা (লোক্ থুংহনা)।

catastrophe (ক'টেস্ট্রফি) *n.* sudden happening that causes great suffering and destruction, অরা-অনা অমসুং অমাঙ-অতা কয়ামুক্ থংথোক্ থোক্পা।

¹**catch** (ক্যাচ্) *v.t.* & *i.* stop sb. by holding with hands, (খুৎনা) ফাবা। 2. come unexpectedly on sb. doing sth. wrong, (অরানবা তৌবা মীবু তৌরিঙৈদা খঙ্-হৌদনা) ফাবা : ~ *one stealing sth.* 3. get the meaning of sth.; অর্থ খঙ্হৌবা; খোঞ্জেল্ তাবা। ~ *a lecture* ; ~ *an idea.* 4. suffer from a disease, লায়্না অমনা নাবা : ~ *cold and cough.* 5. ~ **fire,** begin to burn, মৈ রায়্বা। *n.* ~**er,** *adj.* ~**ing,** infectious (লায়্না) লৌনগন্বা। *adj.* ~**y,** easily remembered, (সুর) ঈরায় লায়্না নীংশিংবা ; থূক্ লাউবা : ~ *words.*

²**catch** (ক্যাচ্) *n.* 1. act of catching, (খুৎনা) ফাব(গী থবক্)। 2. that which is caught, ফারিবা পোৎ: খুৎফা। 3. cunning question or device; মরোলৈবা নত্রগা কোচি থাংবা ৱাহং। ~ *questions.*

catchment ('ক্যাচ্মন্ট্) *n.* ~**-area,** districts from which a school draws its pupils, স্কুল্ অমগী ছাত্র লাক্ফম্ ওইরিবা লম্।

catchup ('ক্যাচপ্) *n.* see *ketchup.*

catechism ('ক্যাটিকিজম্) *n.* religious instruction; ধর্ম্মগী পাউতাক্।

catechize ('ক্যাটিকাইজ্) *v.t.* teach by asking many questions, ৱাহং ময়াম্ হংদুনা-তম্বীবা।

categorical ('ক্যাটিগোরিকল্) *adj.* unconditional, absolute; detailed; (ৱাঙাঙ্) অবেপ্প ; মপুং-ফাবা। *adv.* ~**ly.**

category ('ক্যাটিগরি) *n.* class in a complete system, মপুংফাবা কাঙ্লুপ্ অমগী মনুংদা থাম্নোরক্পা মখল্। *v.t.* **categorize.**

cater ['কেইট(র্)] *v.i.* ~ **for,** 1. provide for, চিঞ্জাক্ হন্বা (= পীবা)। 2. supply amusements, etc.: পুক্নীংথৌ নুংঙাইহন্বা। *n.* ~**er.**

caterpillar ['ক্যাটপিল(র্)] *n.* larva of a butterfly or moth, তৌংখাক্।

caterwaul ('ক্যাটরোওল্) *n.* & *v.i.* (make a) cat's howling cry, হৌদোংনা ঙংনা খোংবা।

catgut ('কেট্গট্) *n.* material used for the strings of violins, rackets, etc.; বেহলাগী মরী, রেকেৎকী লংনচিংবা ওইনবা পোৎ।

catharsis (ক'ঠাসিস্) *n.* 1. emptying of the bowels, মাংথোক্হন্বা। 2. outlet of strong emotion (ঈশৈ, লীলানচিংবনা পীবা) পুক্নিংগী ঈহৌ। *adj.* & *n.* (med.) **cathartic.**

cathedral (ক'ঠীড্রল্) *n.* chief church in a diocese, জেলা অমগী মকোক্ ওইবা গীর্জ্জা।

cathode ('ক্যাঠউড্) *n.* negative pole of the electric current, ইলেক্ট্রিক্কী ঈচেল্গী নেগেটিবকী মতোল্।

catholic ('ক্যাঠ্লিক্) *adj.* liberal; general; (নিয়মচিংবা) কোমথোক্পা; খ্বাইগী ওইবা। 2. **the C~Church,** the whole body of Christians, খৃষ্টিয়ান্শিং অপূন্বা। **Roman C ~,** (member) of the Church of

Rome, রোমগী গীর্জাগী (মেম্বর্)। *n.* ~**ism,** *n.* ~**icity.**

catsup ('কোট্‌সপ্) *n.* see *ketchup.*

cattish, catty ('কোটিশ্ , 'কোটি) *adj.* sly and spiteful, মরৈ-মরা চাউবা অমসুং মপুক্-ফত্তবা।

cattle ('কোটল্) *n.pl.* oxen (bulls, bullocks, cows), শা-শল্।

caucus ('কোওকস্) *n.* (meeting of the) organization committee of a political party, রাজনীতি দল্ অমগী ওর্গেনাইজেশন্ কমিটি(গী মিটিং)।

caudal ('কোওডল্) *adj.* of or at the tail, (শাগী) মমৈগী (ওইবা)।

caught (কোওট্) *p.t.* & *p.p.* of *catch.*

caul (কোওল্) *n.* thin skin enclosing a foetus, পুক্নুংদা লৈবা অঙাংগী নাওযোম্।

cauldron ('কোওল্‌ড্রন্) *n.* large boiler, পোং ফুৎননবা অচৌবা চফু।

cauliflower ['কোলিফ্লাউঅ(র্)] *n.* cabbage-like vegetable with flower-head, কোবী থমচেৎমানবী।

caulk (কোওক্) *v. t.* make tight with sticky substance, গোম্ভম্বনা নপ্তুনা চেৎহনবা।

causal ('কোওজল) *adj.* of cause or effect, মরমগী নত্রগা মহৈ-গী ওইবা। *n.* ~**ity,** 1. relation of cause and effect, মরমগা মহৈ (ফল্) গা লৈনরিবা মরী। *n.* **causation,** ~ity; being caused, মরম ওইবা নত্রগা ওইহনবা। *adj.* **causative.**

cause (কোওজ্) *n.* 1. that which produces an effect, (করিগুম্বা অমগী) মরম। 2. purpose for efforts, হোৎনবগী পন্থুং। *v.t.* be the cause of, মরম ওইবা নত্রগা (থোদোক্) থোক্‌হনবা। *adj.* ~**less,** without any cause, মরম্ যাওদবা (লৈতবা)।

causeway ('কোওজ্‌রেই) *n.* raised road or foot-path, বাংথৎপা লম্বেল্ নত্রগা খোঙ্-লম্বী।

caustic ('কোওষ্টিক) *adj.* 1. able to burn by chemical action, হীদাক্ লাংথক্কী মগুন্না চাক্থেক্‌হনবা। 2.sarcastic ; মীগী মথোর্ শীক্পা। *adv.* ~**ally.**

cauterize ('কোওটরাইজ্) *v.t.* burn (a poisoned wound), with a caustic substance or a red-hot iron, (হুকাবর্) হীদাক্-লাংথক্কা নত্রগা মৈ ঈক্পা য়োৎনা চাক্থেক্‌হনবা।

caution ('কোওশন্) *n.* taking care; paying attention (to avoid danger ; চোক্‌শিন্ ; চোক্‌শিন্-হোবা। *v.t.* give a ~ to, চোক্‌শিন্নবা হায়্‌বা।*adj.* ~**ary,** ~**ing,** চোক্‌শিন্‌হোনবা হায়্‌বা। *adj.* **cautious.** *adv.* **cautiously.**

cavalcade (ক্যাবল্'কেইড্) *n.* company of persons on horseback or in carriages, শগোল্, শগোল্-গাড়ী তোংদুনা ময়াম্ পুন্না চৎপা।

cavalier [ক্যাব'লিঅ(র্)] *n.* horseman orknight, শগোল্ তোংবা মী; নাইট্ (ইংলণ্ড্‌গী অঙম্-অখৌ)।

cavalry ('ক্যাবল্‌রি) *n.* soldiers on horse-back, শগোল্ তোংবা লান্মী।

cave (কেইব্) *n.* 1. hollow place in a hill, (চীংগী) গুকং। 2. natural hollow in the ground, লৈপাক্কা লৈবা মহোৌশাগী লৈখুল্। *v. i.* & *t.* ~**in,** cause to fall in ; মনুংদা তাশিল্‌হনবা।

caveat ('কেইবিএাট্) *n.* (law) process to suspend proceedings, (আইন্) তোরিবা বিচার্‌বু মতম্ থরা তোক্‌হন্নবা পথাপ্।

Scanned by TapScanner

cavern ('কোবন্) *n.* cave, চীংনুংহুৎ। *adj.* ~ **ous,** like a ~ ; full of ~s, চীংনুংহুৎকুম্বা; চীংনুংহুৎনা থন্বা।

cavil ('কোবল্) *v.i.* ~ **at,** make unnecessary complaint against ; find fault with ; কায়দবা বাকৎ কৎপা ; (মীগী) মরাল্ পুথোক্পা।

cavity ('কেবিটি) *n.* hole in a solid body, পোৎ অমদা লৈবা অহোবা।

cavort (ক'বোওট্) *v.i.* prance or jump about, খংহুনা খংচোং চোংবা।

caw (কোও) *n. & v.i.* cry of a crow, কাক্না খোংবা (মখোল্)।

cayenne (কেই'এন্) *n.* very hot pepper, য়াম্না শাবা মোরোক্।

cease (সীস্) *v.t. & i.* stop ; come or bring to an end, লোইবা নত্রগা লোইহন্বা; (থবক্) লেপ্পা, লেপ্হন্বা। *adj.* ~**less.** *adv.* ~**lessly.**

cedar ['সীড(র্)] *n.* evergreen tree with good wood, পোচৈচ চন্নবা অফবা উ অমা।

cede (সীড্) *v.t.* ~ **to, give up** (rights, lands, etc.) to sb. or to another state, (অধিকার্, লম্মচিং-বরু) কনাগুম্বদা নত্রগা অতোপ্পা লৈবাক্কা থাদোক্পা (=পীথোক্পা)।

ceiling ('সীলিং) *n.* lining of a room overhead, (য়ুমগী) সীলিং।

celanese (সেল'নীজ্) *n.* artificial silk, অশেম্বা লেংদবা মুগা।

celebrant ('সেলিব্রন্ট্) *n.* priest who officiates at Mass, গীর্জাগী মযাম তিনক্মগী থবক্ পুবা পুরোহিত্।

celebrate ('সেলব্রেইট্) *v.t.* 1. perform rites and ceremonies, ধর্ম্ম-কর্ম্মগী উৎসব্ নত্রগা নীংশিং-নুমিৎ অমগী হৌনবীচু পাঙথোক্পা। 2. praise or honour, থাগৎপা নত্রগা ইকাইখুম্নবা। *adj.* ~**d, famous,** মমিং চৎপা। *n.* **celebration.** *n.* **celebrity.**

celerity (সি'লেরটি) *n.* quickness, থুবা।

celestial (সি'লেস্টিঅল্) *adj.* of the sky ; of heaven ; অতিয়াগী (ওইবা) ; স্বর্গগী (ওইবা)।

celibacy ('সেলিবসি) *n.* state of living unmarried, য়ুম্ পান্দবা (=ব্রহ্মচার্য্য)। *adj. & n.* **celibate,** unmarried person, য়ুম্ পান্দবা মী (ব্রহ্মচারী)।

cell (সেল্) *n.* 1. small room for one person, মী অমত্তা লৈবযাবা কা মচা। 2. compartment of a honey-comb, খোইয়াগী কা। 3. unit of an apparatus producing electric current,(টোর্চ-লাইট্কী) সেল্। 4. microscopic living matter, (উবা ঙম্দবা) কুপ্পবা জীব। 5. secret room, অরোন্বা কা।

cellar ['সেল(র্)] *n.* underground room etc.; লৈনুংগী কা। *n.* ~**age,** 1. amount of space in a ~, অসিগুম্বা কাদা চন্বা মফম্। 2. charge for storing sth. in ~, কা অত্নদা থম্বগী মমল্ (চার্জ্)।

cello ('চেলউ) *n.* short for *violoncello,* বেহলা মখল্ অমা। *n.* **cellist,** ~ player, বেহলা অহু খোংবা মী।

cellophane ('সেলফেইন্) *n.* transparent paper-like material, মনুঙ্ ফাওনা উবা, চে মান্বা পোৎ।

cellular ['সেল্যুল(র্)] *n. adj.* consisting of cells, সেলগী কা মচা (=সেল্) য়াওরিবা : ~ *tissue.*

celluloid ('সেল্যুলোওইড্) *n.* plastic substance for making photographic films, etc. ফোটোগী ফিল্মনচিংবা শানবা প্লাষ্টিকী পোৎ।

cellulose ('সেল্যুলউজ্) *n.* 1. substance forming main parts of plants, পাম্বী পুম্নমক্কী মরু ওইবা শরুক্

ওইরিবা পোৎ। 2. plastic substance, প্লাষ্টিকী পোৎ।

cement (সি'মেন্ট্) *n.* grey powder used for building between two bricks or stones, বিলাত্-মাটি। *v.t.* join with ~; strengthen; unite firmly, বিলাত্‌মাটিনা (চোক্‌কুম্বযু) নপ্‌শিন্নহন্‌বা; কল্হন্‌বা।

cemetery ('সেমত্রি) *n.* burial place, (ময়ামৃগী) মোংক্ষম্।

cenotaph ('সেনটাফ্) *n.* monument put up in one's grave, কনাগুম্বগী মোংক্ষমৃদা য়ুংবা পোৎ।

censer ['সেন্স(র্)] *n.* vessel in which incense is burnt, ধুপ্-কম্বী।

censor ['সেন্স(র্)] *n.* official who examines, books, letters, etc. to cut out the undesirable portions; চিঠি, লাইরিক্লচিংবদা য়াওবা, পাম্‌দবশিংডু ককৃথৎনবা হাপ্পা আফিসার্। *v.t.* examine, cut out the parts, পাম্‌দবা শকুক্‌শিং পুথোক্‌পা অমসুং ককৃথৎপা। *adj.* **~ious,** fault-finding, মীগী মরাল্ পুথোক্কন্‌বা।

censure ['সেন্‌শ(র্)] *v.t.* ... iticize unfavourably, অতোপ্পগী অশোয়্-বা পুথোক্কনা নৈনবা।

census ('সেন্‌সস্) *n.* official counting of all the people, সরকারনা মীশীং থীবা।

cent (সেন্ট্) *n.* 1. the 100th part of a dollar, ডোলার্ অমগী ১০০ থোক্লগা অমা; 2. hundred, চাম।

centaur ['সেন্টোও(র্)] *n.* (in old Greek stories) creature, half man and half horse, (থাম্‌নগী গ্রীকী য়ারীদা) তংখায়্ অমা মী ওইবা, তংখায়্ অমা শগোল্ ওইবা জীব।

centenarian (সেন্টা'নেঅরিঅন্) *n. & adj.* (person more than) 100 years old, চহী চাম (হেন্নবা মী)।

centenary (সেন্'টীনরি) *adj. & n.* (of) a period of 100 years; 100th anniversary, চহী ১০০ (গী ওইবা); ১০০ শুবা কুম্‌ওন্।

centennial (সেন্'টেনিঅল্) *adj. & n.* **centenary,** চহী চামশুবা (কুম্‌ওন্)। *adv.* **~ly.**

center ['সেন্ট(র্)] *n.*=centre.

centigrade ('সেন্টিগ্রেইড্) *adj.* having 100 degrees between the freezing point and the boiling point of water, ঈশিংনা কমজীন-বদগী শোবা ফাওবগী মরক্তা ডিগ্রী ১০০° লৈবা, *the ~ thermometer.*

centigram(me) ('সেন্টিগ্রেম্) *n.* the 100th part of a gram(me), গ্রাম্ অমগী ১০০ থোক্‌পগী অমা।

centime ('সোন্টীম্) *n.* the 100th part of a franc, ফ্র্যাঙ্ক্ (ফ্রান্স্‌কী শেল্) অমগী ১০০ থোক্‌পগী অমা।

centimetre ['সেন্টিমীট(র্)] *n.* the 100th part of a metre, মীটর্ অমগী ১০০ থোক্‌পগী অমা।

centipede ('সেন্টিপীড্) *n.* small insect with many pairs of feet, নাচল্; লাইশ্নগোল্।

central ('সেন্ট্রল্) *adj.* 1. of or near the centre; ময়ায়্‌থোক্‌পা। 2. chief; most important; মরু-ওইবা; অথোইবা। *adv.* **~ly,** *v.t.* **centralize(ise).**

centre ['সেন্ট(র্)] *n.* 1. middle part or point; ময়ায়্; ময়ায়্ থোক্‌পা মফম্। *v. t. & i.* place in, come to the ~; ময়ায়্‌দা থম্বা, চঙ্‌শিল্লক্‌পা: *My thoughts ~d upon her.*

centrifugal (সেন'ট্রিফ্যুগল্) *adj.* tending to move away from the centre, ময়ায়্‌দগী চথোক্কেদা হোৎনহনা লৈবা: *~ force.*

centripetal (সেন্'ট্রিপিটল্) *adj.* tending towards the centre, ময়ায়্-

Scanned by TapScanner

রোমদা চঙ্‌শিন্‌গেদ হোৎনরুমা লৈবা : ~ *force.*

centurion (সেন'চুআরিঅন) *n.* (in ancient Rome) leader of 100 soldiers, সিফাই ১০০ গী লুচিংবা।

century ('সেন্‌চারি) *n.* 100 years, চহী চাম। *adj.* **centurial.**

ceramic (সি'রেমিক্) *adj.* of the art of pottery, চফু শাবগী মহৈগী (ওইবা) । *n.* **ceramics.**

cereal ('সিআরিঅল্) *n.* everyday food, নুংতগী চাবা চিঞ্জাক্।

cerebral ('সেরব্রল্) *adj.* of the brain, থোপ্‌কী (ওইবা): ~ *nerves.*

cerebration (সের'ব্রেইশন্) *n.* working of the brain ; thinking ; থোপ্‌কী থবক্ ; রাখল্ খন্‌বা।

cerement (সিঅরমন্ট্) *n.* grave-clothes, অশিবগা কোম্নবা ফিশিং।

ceremonial (সের'মউনিঅল্) *adj.* of ceremonies ; হরাউ-কুম্মৈগী, ধর্ম্মগী থৌদোক্লচিংবগী (ওইবা) : *a ~ dress. n.* special order of ceremony ; formality for a special event ; (ধর্ম্মগী) থৌদোক্ অমগী মথং-মনাও, নত্রগা হৌন-চৎনবী। *adv.* **~ly.**

ceremony ('সেরমনি) *n.* **1.** special act, religious service, etc., থোইদোক্পা থৌদোক্, ধর্ম্মগী থৌদোক্লচিংবা,—লুহোংবা, শ্রাদ্ধনচিংবা। *adjs.* **ceremonious ; ceremonial.**

certain ('সঅটন্) *adj.* settled ; of which there is no doubt ; শোয়্‌দ্রবা ; চিংননীঙাই লৈত্রবা। *adv.* **~ly,** without doubt, চিংনবা লৈতনা ; শোয়্‌দনা। *n.* **~ty ;** শোয়্‌দব(গী মতৌ)।

certifiable (সঅটি'ফাইঅবল্) *adj.* that can be certified, সার্টিফিকেট পীবা (ফংবা) য়ারবা : *a ~ lunatic.*

certificate (স'টিফিকট্) *n.* testimony in writing, সার্টিফিকেট্। *adj.* **~d,** having the right to do sth. by virtue of a ~, সার্টিফিকেট ফংলরুনা কারিঙ্গম্বা অমা তৌবগী হক্ (=আপকার্) ফংলবা : *a ~d doctor. v.t.* **certify.**

cerulean (সে'রুলিঅন্) *adj.* sky-blue, অতিয়াগুম শংবানবা।

cervix ('সঅবিক্স্) *n.* narrow part of an organ, esp. of the womb, ইন্দ্রি অমগী, মরুওইনা নাউয়োমগী, অথুবা শরুক্।

cesarean=caesarean (সি'জেঅরিঅন্) *adj.* relating to Julius Caesar, জুলিয়স্ সিজরগী। **~ operation.** delivery of a child by operation, ওপরেশন্ তৌদুনা অঙাং পোক্পা।

cessation (সে'সেইশন্) *n.* stop pause, (থবক্) লেপ্পা।

cession ('সেশন্) *n.* act of ceding (lands, rights, etc.) by agreement, য়া-নরুনা (লম্, অধিকার্‌-নচিংবরু) থাদোক্পা।

cesspit, cesspool ('সেস্‌-পিট্, 'সেস্‌-পূল্) *ns.* hole or pit into which drains fall, নালাশিংনা তাশিন্নবা কোম্।

chafe (চেইফ্) *v.t. & i.* 1. rub the skin to get warmth, শাগৎনবা উন্‌শাদা নোইবা (=তক্পা)। 2. make or become rough or sore by rubbing ; তক্থৎপা ; তক্কুনা হুদোক্পা। 3. feel continued impatience, শাংথনা খাঙ্‌বা ঙম্‌দবা: *~ at one's delays. n.* ~d place on the skin, উন্‌শাদা হুদোক্পা মফম্।

¹**chaff** (চাফ্) *n.* outer covering of grain, মরু ; রাই।

²**chaff** (চাফ্) *n.* good-humoured teasing or joking, ফাগী তৌদুনা লঙ্‌নবা।

chaffer ['চ্যাফ(র্)] *v.i.* argue or bargain about prices, মমল্ তীক্কবা। *n.* **~ing.**

Scanned by TapScanner

chagrin ('শ্যেগ্রিন্) *n.* feeling of disappointment or annoyance শাউনীংবা নত্রগা নীংব-কায়্বা । *v.t.* affect with ~, অসুম্না শাউনীংহন্বা।

chain (চেইন্) *n.* 1. a line of rings or links passing through one another ; (মথং মথং শম্নবা) য়োৎলী, চেইন্ । (pl.) fetters (for prisoners), (ফাদোক্ পুন্নবা) য়োৎহো-কোহ্লো । 2. number of connected things, events, etc. ; পোৎ, থোদোক্লচিংবগী পরেং । **~-smoker,** person who smokes continuously, লেপ্তনা মৈখু (চুরুপ্) থক্পা মী । *v.t.* fasten with a ~, য়োৎলীনা পুন্বা ।

chair [চেঅ(র্)] *n.* 1. movable seat with a back, চৌকি । 2. seat, office of a person who presides over a meeting, মীতিন্গী মপু (=সভাপতি) গী ফম্ফম নত্রগা ফম্ । *n.* **~man ;** person, presiding over a meeting, মীতিন্গী মপু (=সভাপতি) ।

chaise (শেইজ্) *n.* four-wheeled horse-carriage, কাংখোঙ্ মরি পান্বা শগোল্-গাড়ী ।

chalice ('চ্যেলিস্) *n.* wine-cup used in church, গীর্জাদা শীজিন্নবা য়ুগী কপ্ ।

chalk (চোক্) *n.* soft, white, natural substance used for writing, খরিমাটি (চোক্) । *v.t.* write with ~ ; whiten with ~; চোক্না ইবা ; মাঙ্গনা ঙৌহন্বা । *adj.* **~y,** of or like ~, চোক্কী (ওইবা) ; চোক্কুম্বা ।

challenge ('চ্যেলঞ্জ্) *n.* 1. invitation or call to fight to see who is better, stronger, etc. ; শীংনবা । *v.t.* give ~, শীংনবা । *n.* **~r,** one who ~s, শীংনরিবা মী ।

chamber ['চেইম্ব(র্)] *n.* 1. room, esp. a bedroom ; কা, মরুওইনা তুম্ফম কা । 2. hall used by law-makers, আইন্ শেম্বশিংগী অচৌবা কা : *Upper (or Lower) C ~*. 3. group of persons organized for trade, লন্লোন্মিন্নবা পুল্লপ্ পুন্নবা মী কাঙ্বু : *C ~ of Commerce.*

chamberlain ('চেইম্বলিন্) *n.* officer who manages the household of a king or a noble, নিংথৌ নত্রগা অঙম-অথোগী ঈমুং-মনুং শীল্লাঙ্বা আফিসার্ ।

chameleon (ক'মীলিঅন্) *n.* kind of lizard changing colour constantly, ন্নুমিৎ-য়ুংবী চুম ।

chamois ('শ্যেম্‌ৱা) *n.* small goat-like animal, হামেং মান্বা শা অমা।

champ (চ্যেম্প্) *v.t. & i.* bite foods noisily ; মখোন্ থোক্না শজাক্ শায়্বা । 2. show impatience, খাঙ্বা ঙম্দবা উৎপা : *~ with anger.*

champagne (শ্যেম্'পেইন্) *n.* kind of French wine, ফরাসীগী য়ু অমা।

champaign (শ্যেম্'পেইন্) *n.* open country, ঈহাঙ্-হাঙ্বা খুঙ্গং ।

champion ('চ্যেম্পিঅন্) *n.* 1. person who fights or argues for a cause, মরম্ অমগীদমক্ খৎনরিবা নত্রগা মরৈ য়েৎলিবা মী । 2. person taking the first place in competition, চাং য়েংনবদা মকোক্ ওইবা মী । *v.t.* support ; defend ; শৌগৎপা ; ঙাক্পা (কন্বা) । *n.* **~ship.**

[1]**chance** (চান্স্) *n.* 1. undesigned occurence ; opportunity ; fortune ; (থোক্কনি) খঙ্দবা থৌদোক্ ; তাঞ্জা ; লাইবক্ । 2. possibility ; ওইবয়াবা ; ওইথোক্পা ।

[2]**chance** (চান্স্) *v.i. & t.* 1. find or meet by chance, তাঞ্জা চাকুহ্না থেংনবা (=উনবা) নত্রগা ফংবা । 2. happen by chance, তাঞ্জা চাহ্না (থৌদোক্) থোক্পা ।

Scanned by TapScanner

chancel ('চান্সল্) *n.* eastern part of a church, গীর্জাগী নোংপোক্‌-থংবা শরূক্ ।

chancellor ['চান্সল(র্)] *n.* 1. (in some countries) chief minister, (লৈবাক্ খরগী) মুখ্য মন্ত্রী । 2. (of universities) titular head, (বিশ্ববিদ্যালয়গী) মমিংত ওইবা মকোক্ । 3. state or law official, স্টেট্‌কী আফিসার্ নত্রগা বিচার্‌পতি । *n.* **chancellery.**

chancery ('চান্সরি) *n.* Lord Chancellor's division in the High Court of justice, (ইংলণ্ডগী) হাই-কোর্ট্‌তা লৈবা, লোর্ড্ চান্সলরগী আফিস্ ।

chandelier ['শ্যেণ্ডলিঅ(র্)] *n.* branched support hanging from the ceiling with two or more lights, সিলিংদগী য়াম্থরকপা থাউমৈ অরোঙ্‌বা ।

chandler ['চাণ্ডল(র্)] *n.* person who sells candle, soap, etc. ; মোম্‌বতি, সাপোন্নচিংবা য়োন্‌বা মী ।

[1]**change** (চেইঞ্জ্) *v.t.* & *i.* 1. take or put in place of (another), (অতোপ্পগী মহুত্ত) হোংবা । 2. give or receive in return, (মহুৎ) ওন্নব । *adj.* ~**able,** likely to change ; often changing, হোংগদবা মান্‌বা ; তোয়্‌না হোংবা । *n.* ~-**ableness.**

[2]**change** (চেইঞ্জ্) *n.* act of changing ; changed condition ; হোংবা ; হোংলবা ফীভম্ । *adj.* ~**ful,** continually changing, হোংজনতা লৈবা । *adj.* ~**less,** unchanging, হোংবা লৈতবা ।

changeling ('চেইঞ্জ্‌লিং) *n.* child secretly substituted for another (esp. in old stories by fairies), মহুৎ ওস্থোকথিবা অঙাং (থায়্‌নগী য়ারীদা হেলোইশিংনা) ।

channel ('চ্যেনল্) *n.* 1. narrow stretch of water joining two seas, সমুদ্র অনীবু শম্নহল্লিবা অপীকপা খোংলম্ । 2. passage, লম্বেল্ । *v.t.* 1. form a ~ in ; cut out (a way), (তুরেল্‌গুম্বনা) খোঙ্‌নুং শেম্বা । 2. cause to go through a ~, লম্বেল্ অমদা চংহন্‌বা ।

chant (চান্ট্) *n.* repeated tune হন্না হন্না য়াওবা সুর । *v.i.* & *t.* sing ; sing a ~ ; ঈশৈ শকপা ; লাইশোল্-ঈশৈ শকপা ।

chantey ('শান্টি) *n.* see *chanty.*

chanticleer ['চান্টিক্লিঅ(র্)] *n.* **cock,** য়েন্‌বা ।

chantry ('চান্ট্রি) *n.* endowment for a priest, পুরোহিত্‌কী দক্ষিনা ।

chanty, shanty ('শ্যেন্টি) *ns.* song sung by sailors, হিহোন্‌বশিংনা শকপা ঈশৈ ।

chaos ('কেইওস্) *n.* complete absence of order or shape ; confusion ; মথং-মনাও নত্রগা মওঙ্-মরীন্ নাইদবা ; চনৈনবা । *adj.* **chaotic.** *adv.* **chaotically.**

[1]**chap** (চ্যেপ্) *v.t.* & *i.* (of the skin) become sore, rough, cracked ; (উন্‌শা) নাবা, রাউবা, কায়্‌বা । *n.* crack in the skin.

[2]**chap** (চ্যেপ্) *n.* (pl.) jaws of animals ; cheeks ; শাগী খয়াং ; খজাই ।

[3]**chap** (চ্যেপ্) *n.* man, boy, (মীচম্) নুপা, অঙাং ।

chapbook ('চ্যেপ্‌বুক্) *n.* small book of tales, ballads, etc. ; য়ারী, ঈশৈনচিংবা ইবা লাইরিক্ মচা ।

chapel ('চ্যেপল্) *n.* place used for Christian worship, খৃষ্টিয়ান্‌গী লাই খুরুম্‌কম্ ।

chaperon ('শ্যেপরউন্) *n.* married woman in charge of a girl on social occasions, হরাউ-কুম্মৈ য়েংবা চৎপদা লৈশাবীবু শেন্নরিবা মৌ । *v.t.* act as a ~.

Scanned by TapScanner

chaplain ('চ্যাপ্‌লিন্) *n.* priest or clergyman, পুরোহিত্।

chaplet ('চ্যাপ্লট) *n.* wreath for the head; string of beads, কোক্তা উপ্পবা লৈগী লুহুপ্, (লাই শোন্নবা) মালা।

chapter ['চ্যাপ্‌ট(র্)]*n.* 1. division of a book; লাইরিক্কী তাঙ্কক (অধ্যায়্)। 2. (general meeting of) the whole number of canons. গীর্জাগী পুরোহিত্‌শিং (গী জেনরেল্ মিটিং)।

[1]**char** [চা(র্)] *v.t. & i.* make or become black by burning, (মৈনা) কাবা নত্রগা কাহন্‌বা।

[2]**char** [চা(র্)] *v.i.* (rr) do the cleaning of offices, houses, etc. আফিস্, য়ুম্নচিংবা শেংদোক্‌পা। *n.* ~**woman,** woman who ~s, থবক্ অদু তৌবী নুপী।

charabanc ('শ্যেরব্যেং) *n.* motor-coach for pleasure trips, কোয়্‌বদা তোংনবা হয়াগাড়ী জাৎ অমা।

character ['ক্যেরিক্ট(র্)] *n.* 1. mental or moral nature, লমচৎ। 2. natural qualities, মহোৌশাগী মগুণ্‌শিং: *The ~ of the desert areas.* 3. well-known person, খ্যাইনা খঙ্‌নরবা মী: *a public ~.* 4. person in a novel or play, উপন্যাস্ নত্রগা লীলাগী য়ারোইদা য়াওবা মীশক্। 5. reputation, মিংচৎ: *He has gained the ~ of a judge.* 6. letter, (লাইরিক্কী) ময়েক্: *Chinese ~s. adj.* ~**istic,** forming part of, showing the ~ of, মহোৌশাগী মগুণ্ ওইরিবা। *n.* special mark, or quality, থোইদোক্‌পা খুদম্ নত্রগা মগুণ্। *adv.* ~**istically.** *v.t.* ~**ize,** show the ~, মরমচৎ নত্রগা মগুণ্ উৎপা। *adj.* ~**less.**

charade (শ'রাড্) *n.* game of words, য়াহৈগী মশান্ন অমা।

charcoal ('চাকউল্) *n.* black substance left by burnt wood, মৈতাল্।

[1]**charge** (চাজ্) *n.* 1. accusation; মরাল্ শীবা; *n.* ~-**sheet,** record of ~s brought against sb.; মরাল্ শীবগী য়ারোল্ ইবা চে। 2. sudden, attack; শঙ্‌তৌদনা লান্দাবা। 3. price asked for goods or services; (পোৎ নত্রগা থবক্ তৌবগী লোগে হায়্‌রিবা) মমল্। 4. amount of powder used in an explosion; amount of etectricity put into an accumulator; নোংমৈদা নত্রগা বোমদা শীজিন্নবা নোংমৈ-হীদাক্কী চাং; বেটরীদা হাপ্লিবা ইলেক্ট্রিক্কী চাং। 5. work given to sb. as a duty; মথৌ ওইনা য়েংশিন্নবা পীবা থবক্।

[2]**charge** (চাজ্) *v.t. & i.* 1. accuse মরাল্ শীবা। 2. rush forward and attack, চেন্‌শিন্দুনা লান্দাবা। 3. ask as a price for, মমল্ ওইনা পীয়্ন হায়্‌বা। 4. make a record (of money) as a debt, (শেল্) পীফম্ থোকৃই হায়্‌না ইশিন্দুনা থম্বা। 5. load a gun, নোংমৈদা মরূ হাপ্পা। 6. command, য়াথং (হুকুম্) পীবা; instruct, পাউতাক্ পীবা। *adj.* **chargeable.**

charge d'affaires [শাঝেই ডো'ফেঅ(র্)] *n.* official who is in charge of an ambassador or minister, রাজ্‌দূত্ নত্রগা মন্ত্রীনা মশা লৈত্রিডৈদা থবক্ পুবা আফিসার্।

[1]**charger** ['চাজ(র্)] *n.* war-horse, লান্‌গী শগোল্।

[2]**charger** ['চাজ(র্)] *n.* large, flat dish, অচৌবা পুখম্।

chariot ('চ্যারিঅট্) *n.* car drawn by horses, used in ancient times; রথ্; দোলাই। *n.* ~**eer,** driver of a ~, রথ্ থৌবা মী।

charisma (ক'রিজ্‌ম) *n.* 1. spiritual grace, লাইগী থৌজাল্। 2. genius

Scanned by TapScanner

লাইপোক্ । *adj.* ~**tic.**

charity ('চোরটি) *n.* kindness or help to the poor; পীনহৈবা ; দান্। love, নুংশিবা । *adj.* **charitable,** *adv.* **charitably.**

charivari (শ্যারিবাবারি) *n.* hubbub, ঈরাঙ্ -লাঙ্বা খোঙ্গেল্ ।

charlady ('চালেইডি) *n.* charwoman, য়ুম-কৈ ৱাইশীৎ-লমশেংবী ।

charlatan ('শালটন্) *n.* one who pretends to have medical knowledge, মাইবা শাজিন্নবা মী ।

charlock ('চালোক্) *n.* wild mustard, লম্লক্কী হঙ্গাম ।

charlotte ('শালট্) *n.* pudding of stewed fruit, হৈ থোংবা ।

1**charm** (চাম্) *n.* 1. attractiveness : pleasing quality ; শুক্ষৎপা ; নুঙাইহনবা শুথা । 2. sth believed to have magic power, শুক্ষৎনবা পোৎ (মন্ত্র) ।

2**charm** (চাম্) *v.t.* & *i.* 1. attract; give pleasure to ; শুক্ষৎপা ; নুংঙাইবা পীবা । 2. use magic on ; মন্ত্র তৌশিন্বা । *adj.* ~**ing,** delightful, শুক্ষৎনবগী মশক্ ওইবা । *adv.* ~**ingly.** *n.* ~**er.**

charnel house ('চানল্ হাউস্) *n.* place where dead human bodies or bones are stored, মীগী অশিবা মশা নত্রগা শরু পৈহ্নবা থম্বা মফম্ ।

chart (চাট্) *n.* 1. map ম্যেপ্ । 2. sheet of paper with information, (নোংজু নুংশানচিংববু) য়েক্তুনা তাক্পা চেবাং : *a weather* ~. *v.t.* make a ~ of ; অহুগুম্বা চাট্ (ম্যেপ্) য়েক্পা ।

charter ['চাট(র্)] *n.* 1. written permision from a government, সরকারনা পীবা অইবা য়াথং । 2. hiring or engagement, ৱায়বা নত্রগা নেক্পা : *a* ~ *flight. v.t.* 1. give a ~ to ; য়াথং পীবা । 2. hire or engage, ৱায়বা নত্রগা নেক্পা : *a* ~*ed aircraft.*

charwoman ('চার্‌মন্) *n.* see *char.*

chary ('চেআরি) *adj.* cautious ; careful, চেক্শিনবা । *adv.* **charily.**

1**chase** (চেইজ্) *v.t.* & *i.* 1. run after in order to catch, drive away or kill ; (ফাগে, হাৎকে নত্রগা তান্থোক্কে হায়দুনা) তান্নবা । 2. rush ; hurry ; হাপু-হাপু চৎপা নত্রগা চেন্বা । ~ *off after the thief. n.* act of chasing, তান্নবা । *n.* ~**r,** person or thing that ~s, তান্নরিবা মী নত্রগা পোৎ ।

2**chase** (চেইজ্) *v.t.* cut designs on (stones, etc.), (নুংনচিংবদা) হক্তুনা লৈরোং, নোম্লানচিংবা য়েক্পা ।

chasm ('ক্যেজম্) *n.* deep opening or crack in the ground ; wide difference. লৈখুল্ নত্রগা লৈক্রক্ ; থীনা খেন্নবা ।

chassis ('শ্যেসি) *n.* framework of a vehicle or cart, গাড়ীগী ফ্রেম (চেসিস্) ।

chaste (চেইষ্ট্) *adj.* pure in thought ; abstain from unlawful and immoral sexual intercourse, (রাখন্দা) অশেংবা ; য়ুষানবগী ধৰ্ম্ম কায়দবা : *a* ~ *wife. adv.* ~**ly.** *n.* **chastity.**

chasten ('চেইসন্) *v.t.* 1. punish in order to correct ; চুম্থোক্নবা চৈরাক (=দণ্ড) পীবা । 2. make chaste, অশেংবা (য়ান্শিন্নবা) ওইহনবা ।

chastise (চ্যা'ষ্টাইজ্) *v.t.* punish severely, থীনা চৈরাক পীবা । *n.* ~-**ment.**

chasuble ('চ্যেজ্যুবল্) *n.* loose, garment worn by a priest, পুরোহিতনা লীৎপা, অকোম্বা, কীজোল্ ।

Scanned by TapScanner

chat (চ্যাট্) *v.i.* & *n.* friendly talk মরূপ্-মপাং ওইনা পঙঙাঙ্ ঙাঙ্নবা। *adj.* ~**ty,** fond of ~**ting**, অঠ্মা ঙাঙ্নবা পাম্বা।

chateau ('শ্যাটউ) *n.* large country house, লম্বায়্গী য়ুমজাউ।

chattel ('চ্যাটল্) *n.* movable property, পুথোক্-পুশিন্ যাবা লন্থ্য়্ম।

chatter ['চ্যাট(র্)] *v.i.* 1. talk foolishly, চবেঙ্-চবেঙ্ পঙঙাঙ্ ঙাঙ্বা। 2. cry (of birds, monkeys, etc.), (উচেক্, য়োংনচিংবনা) খোংবা। 3. talk by striking teeth (through fear or cold), (কিহুনা নত্রগা ঙ্গংহুনা) য়া ক্রক্-ক্রক্ চীক্তুনা য়া ঙাঙ্বা। *n.* sounds of the cry.

chauffeur ['শউফ(র্)] *n.* driver of a car, কার্গী ড্রাইভর্।

chauvinism ('শউবিনিজম্) *n.* bellicose patriotism; লান্ তৌগেতা হায়্হুনা লৈবা, মরৈবাক্ নীংবা। *n.* **chauvinist,** person with such enthusiasm, অহুঙবা মীওই। *adj.* **chauvinistic.**

chaw (চোও) *n.* & *v.t.* chew, (য়ানা) শায়্বা। *n.* ~**-bacon,** ignorant rustic, করিসু খঙ্জদ্রবা খুঙ্গংগী মী।

cheap (চীপ্) *adj.* of low price, (মমল্) অহোঙ্বা। *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

cheapen ('চীপন্) *v.t.* & *i.* make or become cheap, মমল্ হোঙ্হন্বা নত্রগা হোঙংলক্পা।

cheat (চীট্) *v.t.* & *i.* act dishonestly to win advantage of; ওইজবা কংনবা নম্থাক্ তৌবা। *n.* person who ~s; trick; অসুম্বা নম্থা ক্ তৌবা মী; নমথাকু।

[1]**check** (চেক্) *v.t.* & *i.* 1. examine whether sth. is correct, চুম্বা চুম্বত্রা য়েংবা। 2. hold back; stop; খাম্হুনা থম্বা। 3. (chess) threaten the king, (ছত্রং) নিংথৌ-দা দৃষ্টি তৌবা। *n.* ~**er,** person who ~s, চুম্বা চুম্দত্রা য়েংবা মী।

[2]**check** (চেক্) *n.* 1. control; লম্ হেন্দনবা লাক্পা। 2. examination to make certain of, শোয়্রত্রা হায়হুনা য়েংবা। 3. (chess) attack on the opponent's king (ছত্রং) নিংথৌদা দৃষ্টি।

[3]**check** (চেক্) *n.* (of cloth) pattern of crossed lines forming squares, (ফি) মচুনা চৌবর শানা লাংবা (চেক্)। *adj.* ~**ed.**

chekmate (চেক্মেইট্) *v.t.* (chess) make a move that prevents the king from being moved, (ছত্রং) নিংথৌবু শুম্বা। *n.* complete defeat, মপূংফাবা মায়্থীবা।

cheek (চীক্) *n.* 1. part of the face below the eye, খজাই। 2. impudence; saucy talk or behaviour; থীনা বেভার্ কায়্বা; অচোপ্পা য়াঙাঙ্ নত্রগা শাজং। *adj.* ~**y,** saucy, বেভার লৈতবা। *adv.* ~**ily.**

cheep (চীপ্) *v.i.* & *n.* chirp (as young birds do), (উচেক্মচাশুম্বা) খোংবা।

cheer [চিঅ(র্)] *v.t.* & *i.* 1. fill will gladness, comfort, হরাও-হন্বা, নুংঙাইহন্বা। 2. ~ **up,** take comfort; become happy; নুংঙাইবা, নুংঙাঙ্গখংলক্পা। 3 give shouts of joy, encouragement, etc.; পুক্নিং থোগংপা, হরাউবা ওইনা লাউবা। *The students ~ed their team.* *adj.* ~**ing,** *n.* **cheer.** *adj.* ~**ful.**

cheerio (চিঅরি'অউ) *int.* 1. goodbye. লেঙ্বীরোকো। 2. (in drinking), to your health, য়ু থক্পা হোরম্দাইগী চংনবী।

cheerless ('চিঅলস্) *adj.* without comfort; হরাও-হরাওদব, নুংঙাইত্রবা। *adv.* ~**ly.** *n.* **-ness.**

Scanned by TapScanner

cheery ('চিঅরি) *adj.* lively ; merry, হরাও-হরাও তৌবা ; *a ~ smile (greeting). adv.* **cheerily.**

cheese (চীজ্) *n.* solid food made from milk curd ; বেবা : *adj.* **~-paring,** excessively careful of spending money, শেল্ চাদিং তৌবদা কা-হেন্না চোক্শিন্বা ।

cheetah ('চীট) *n.* kind of leopard, কবোকৈ জাৎ অমা ।

chemical ('কেমিকল্) *adj.* of, by, chemistry, রসায়ণ্গী ; রসায়ন্না ওইহন্বা : *~ action. adv.* **~ly.**

chemise (শা'মীজ্) *n.* underwear worn by women or girls, নুপীগী ফিনুংদা শেৎপা ফীজোল্ ।

chemist ('কেমিষ্ট্) *n.* person expert in chemistry, রসায়ণ (হীদাক্-লাংথক্কী মহৈ) হৈবা মী ।

chemistry ('কেমিষ্ট্রি) *n.* science dealing with elements, রসায়ণ (শাস্ত্র) ।

chemotherapy (কেমউ'ঠেরপি) *n.* treatment of disease by drugs, হীদাক্-লাংথক্না লায়েংবা ।

cheque (চেক্) *n.* written order to a bank to pay money, শেল্গী চেক্ । **~-book,** a book of ~s, চেক্ ইনবা বোই ।

chequer ['চেক(র্)] *v. t.* mark squares and patches of different colours and shapes, তোঙান্ তোঙান্বা মচু অমসুং মওঙ্না (লৈমায়্ শুম্বদা) য়েক্না লাংহন্বা ।

cherish ('চেরিশ্) *v.t.* 1. care for tenderly, নুংনা চান্না তৌবা । 2. keep alive (hope, ambition, etc.) in one's mind (আশা, অচাউবা য়াচিংবনু) পুক্নিংদা কাউদনা থম্বা ।

cherry ('চেরি) *n.* a fruit-bearing small tree ; its wood ; উহৈ পান্বা উ মচা অমা ; মাহুগী উ । *adj.* red, অঙাংবা ; *~ lips.*

cherub ('চেরব্) *n.* 1. small, beautiful child ; (in art) such a child with wings ; অপীকপা, মকপা অঙাং ; (অয়েকপা লাই) মশা-পান্বা অমিত্তবা অঙাং । 2. angel of highest order, থ্বাইদগী চাউবা লাইগী দূত্ । *adj.* **~ic.** মরাইবা মান্বা ।

chess (চেস্) *n.* game with sixteen pieces each side, চুনং । *n.* **~ board,** চুনংগী লাইয়ুম্ ।

chest (চেষ্ট্) *n.* 1. large box, উপু অচৌবা । 2. upper front part of the body. থবাক্ ।

chesterfield ('চেষ্টফীল্ড্) *n.* 1. a kind of overcoat, ওভর্কোট্ মথক্ অমা । 2. a kind of couch, কাং-খোল্ জাৎ অমা ।

chestnut ('চেস্নট্) *n.* 1. tree with nuts, উহৈ পান্বা উ অমা । 2. colour of the nut, উহৈ অহুগী মচু । 3. stale joke or story, মঙ্গবা ৱারী নক্রগা ফাগি ।

cheval-glass (শ'ব্যেল্ গ্লাস্) *n.* tall, looking-glass ; অৱাংবা, হক্-হক লৈবরাবা (শক্য়েং) মিংশেল্ ।

chevalier (শ'ব্যেলিঅর্) *n.* knight of certain orders, থাক্ অমগী অঙম্-অথৌ ।

chevron ('শেবরন্) *n.* bent line or stripe worn by soldiers to show rank, সিফাই নত্রগা পুলিশ্না শেৎপা, ফম্ খঙ্নবা, অখোয়্বা লৈই (v, ^) ।

chevy, chevvy ('চেবি) *v.t.* chase ; worry ; (ফংনবা) তান্নবা ; ৱাহন্বা ।

chew (চু) *v.t. & i.* crush food with teeth, (য়ানা) শায়্বা । 2. think over, ৱাখল্ মুন্না তৌবা । *n.* act of ~ing.

chiaroscuro (কিআর'স্ক্যুঅরউ) *n.* distribution of light and shade

in painting, অয়েক্পা লাইদা ঊরুম-গা মশানুগা মচু থাবা।

chic (শিক্) *n.* (of clothes) style, ফিজেৎ-চাক্চা (ষ্টাইল্) ।*adj.* stylish, ষ্টাইল্ যাম্না তৌবা।

chicanery (শি'কেইনরি) *n.* legal trickery; false argument; আইন্গী চালাক্, লোনশ্বা মরৈ (যেৎপা)।

chichi ('শিশি) *adj.* pretentious ; affected ; তৌশিন্নবা।

chick (চিক্) *n.* 1. young bird (esp. a chicken) ; উচেক্-মচা (মরু-ওইনা য়েন্নাউ)। 2. small child, অপীক্পা অঙাং।

chicken ('চিকিন্) *n.* young bird ; young hen. উচেক্-মচা, য়েন্নাউ। *adj.* **~-hearted,** cowardly, কি-গন্বা। *n.* **~-pox,** measles, লাই-কৃপ্ (লায়্না)।

chicory ('চিকরি) *n.* plant used as a vegetable, য়েঙ্গাং পাম্বী অমা।

chide (চাইড্) *v.t. & i.* scold, চৈবা।

chief (চীফ্) *n.* leader or ruler; মকোক্, লুচিংবা নত্রগা খুল্লাক্পা : *the ~ of the tribe. adj.* principal ; most important ; মকোক্-ওইবা, খ্‌াইদগী মরুওইবা। *adv.* **~ly,** mostly ; mainly : অয়াম্বনা ; মরু-ওইনা : *It i ~ly composed of iron.*

chieftain ('চীফ্‌টন্) *u.* 1. chief of a highland clan, স্কট্‌ল্যাণ্ডগী শাগৈ অমগী মকোক্। 2. leader of a gang of robbers, লুট্-পাটি অমগী লুচিংবা। *n.* **~cy,** position or rank of a ~.

chiffon ('শিফোন্) *n.* thin, bright silk, অপাবা অমসুং অরংবা মুগা জাৎ অমা।

chiffonier [শিফ'নিঅ(র্)] *n.* movable table, থাংদোক্-থাংজিল্ য়াবা টেবিল্।

chilblain ('চিল্‌ব্লেইন্) *n.* painful swelling on limbs by exposure to cold, অঈংবদা খোঙ্-খুৎ কায়্বা।

child (চাইল্ড্) *n.* (pl. *~ren.*) unborn or newly born human being ; পোক্লিবা নত্রগা পোক্পদা ভায়্রিবা অঙাং। *n.* **~birth,** birth to a ~, অঙাংপোক্পা। *n.* **~hood,** time of being a ~ ; অঙাং ওইরি-বৈগী মতম। *adj.* **~ish,** of, behaving like a ~ ; অঙাংগী (ওইবা); অঙাং মান্বা। *adj.* **~less,** *adj.* **~like,** simple ; innocent ; ঈচম্-চম্বা ; মরাল্ লৈতবা।

chill (চিল্) *n.* 1. feeling of coldness, য়াম্না ঈংবা, বিংথম্বা। 2. depressing influence, থুক লাউ-বা। 3. illness caused by cold and damp ; নিংথম্-চন্বা। *adj.* unpleasantly cold. *v. t. & i.* make or become cold, ঈংবা নত্রগা ঈংহন্বা। *adj.* **~ly.**

chilli, chilly, chile, chili ('চিলি) *n.* red pepper, মোরোক্।

chime (চাইম্) *n.* sounds of a set of bells, শরীক্ সেট্ অম (না খোক্-হন্বা মখোল্। *v.t. & i.* (of bells or clocks) make bells ring ; (শরীক্ নত্রগা ঘড়ীনা) শরীক্ খোংবা।

chimera, chimaera (কাই'মিঅর) *n.* 1. monster with a lion's head, a goat's body and a serpent's tail ; লোংশাগী মকোক্ পান্বা, মশানা হামেং ওইবা অমসুং লিন্গী মমৈ পান্বা হিংচাবা। 2. horrible creature of imagination, ভাব্না শাবা, অকিবগী মশক্ ওইরবা জীব। *adj.* **chimerical.**

chimney ('চিম্নি) *n.* 1. pipe through which smoke is sent out, মৈখু থোক্ফম্। 2. glass tube that protects the flame of an oil lamp, (লাল্টেন্গী) চেম্নি।

chimpanzee (চিম্প্যান্'জী) *n.* African ape, অফ্রিকাগী য়োংজাউ।

Scanned by TapScanner

chin (চিন্) *n.* part of the face below the mouth, খদাঙ্ ।

china ('চাইন) *n.* baked and glazed clay, মৈ ঈরুবা অমসুং লংহল্লবা লৈখোম (=চাইনা-ক্লে) । articles, made of this ; মাতুনা শাবা পোৎশিং—কপ্-প্লেট্ নচিংবা । **~ware,** cups, plates, dishes, etc. made of ~, চাইনা ক্লেনা শাবা কপ্-প্লেট্ নচিংবা ।

chin chin (চিন্'চিন্) *int.* word used in greeting, or drinking, মীবু ওকপদা নত্রগা য়ু থকপদা শীজিন্নবা ৱাহৈ ।

chine (চাইন্) *n.* animal's spine, শাগী য়াঙ্লেন্-শরু ।

[1]**chink** (চিঙ্ক) *n.* narrow opening, অখুবা মখুল্ ।

[2]**chink** (চিঙ্ক্) *v.t. & i.&n.* (make) the sound of coins, glasses, etc., শেল্ ময়েক্ নত্রগা লীক্লি মচেৎশিংগী মখোল্ (থোক্হনবা) ।

chintz (চিন্ট্স্) *n.* printed cotton cloth, ছাপা নম্বা লশিং-ফি ।

chip (চিপ্) *n.* 1. small piece cut or broken off (from stone, wood, etc.) (নুং, উনচিংবগী) অপীকপা মচেৎ । 2. thin strip of wood or bamboo used in making baskets, hats, etc., পয়া । *v.t. & i.* 1. cut or break (a piece from), (করিগুম্বদগী) মচেৎ অমা কায়রকপা নত্রগা খুগায়্বা ।

chipmunk ('চিপ্মঙ্ক) *n.* small rodent, খৈরোয়্-গুম্বা জীব অমা ।

chiropodist (কি'রোপডিস্ট) *n.* physician treating the diseases of feet, খোঙ্গী লায়্নাগী মাইবা । *n.* **chiropody,** work of a ~, লাইয়েং মখল্ অহু ।

chiropractor ['কাইঅরউপ্রেক্ট(র্)] *n.* physician of the spine, য়াঙ্লেন্ শরুগী মাইবা ।

chirp (চঅপ্) *v.i. & t. & n.* (make) short, sharp notes (of birds), insects, etc.), (উচেক্, তৌল্-কাঙ্ নচিংবনা) খোংবা । *adj.* **~y,** lively; merry ; মশাগীংবা ; হরাউ-হরাউবা । *adv.* **chirpily.** *n.* **chirpiness.**

chisel ('চিজল্) *n.* tool for shaping wood, পাইজ । *v.t.* 1. cut or shape with a ~, পাইজনা ককপা নত্রগা শেম্বা । *adj.* **~led.** 2. cheat, (ওইজনবা) নম্থাক্ তৌবা ।

n. **~ler.**

[1]**chit** (চিট্) *n.* young child ; young, small, woman ; অঙাং নারা ; অপীকপী, তনাপ্-তনাপ্পী মৌ-নহা ।

[2]**chit** (চিট্) *n.* short note or letter ; অতেন্বা (অইবা) ৱারোল্ নত্রগা চিঠি ।

chit-chat ('চিট-চ্যাট্) *n.* light, or idle talk, পঙ্শা-শাবা ৱারী ।

chivalry ('শিবল্রি) *n.* laws and customs of the knights ; the qualities of knights, নাইট্ (অঙম-অথৌ) শিংগী আইন্ অমসুং চৎনবী ; নাইটশিংগী, মগুণশিং (থৌনা, ঈজ্জৎ, লম্চৎনচিংবা । *adj.* **chivalrous.**

chive (চাইব্) *n.* small plant of onion family, তিল্হৌগুম্বা পাম্বী ।

chivy, chivvy ('চিবি) *v.t.* annoy; chase ; ৱারোইহন্বা ; তান্নবা ।

chloride ('ক্লোওরাইড্) *n.* compound of chlorine, ক্লোরীন্গী য়ায়পোৎ : ~ *of soda.*

chlorine ('ক্লোওরীন্) *n.* greenish-yellow, bad-smelling, poisonous gas, obtained from common salt, খুম্দগী ফংবা, মনম্ নম্থীবা, হু-চেন্বা গ্যাস্ অমা । *v.t.* **chlorinate.** *n.* **chlorination.**

chloroform ('ক্লোরফোওম্) *n.* liquid given to make sb. unconscious during a surgical

Scanned by TapScanner

operation, (মী) শিথহন্নবা হীদাক্। *v. t.* make unconscious by means of ~, (মীচু) শিথহন্‌নবা।

chlorophyl(l) ('ক্লোরফিল্) *n.* green colouring matter in plants, পাম্বীদা য়াওবা, অশংবা মচু্গী পোৎ।

chock (চোক্) *n.* piece of wood used to prevent sth. from moving, কৃরিগুম্বর লেঙ্‌দনবা ফারিবা উ-মচেৎ। *v.t.* 1. ~ **up,** make fast with a ~, মাকুনা খোঙ্‌চৎ য়াঙ্‌হন্‌বা। 2. ~ **up,** fill up with too much of sth., য়াম্মন্দুনা ফুল্লবা। *adj.* ~-**full.**

chocolate ('চোক্লট্) *n.* 1. drink made from the seeds of the cacao tree; কোকউ পাম্বীগী মরুদগী শেম্বা থকুবা মহী। 2. sweet substance made from this, মাসিনা শাবা অথুম্বা মিঠাই।

choice (চোওইস্) *n.* act of choosing, (অপাম্বা) খন্‌বা। *adj.* carefully chosen, অখন্নবা: *the choicest gifts.*

choir ['কাইঅ(র্)] *n.* company of persons singing together in a church; the ~; গীর্জাদা ঈশৈ পুন্নপ্‌ শকমিন্নবা মীওইশিংগী কাঙ্‌বু।

[1]**choke** (চউক্) *v. i. & t.* 1. be unable to breathe, সোর ফুন্‌বা। সোর্‌ ফুন্‌হন্‌বা। 3. fill a passage, space, etc., লম্বী, মফম্মচিংবা অমবু (ফুন্‌হন্দুনা) থিংবা।

[2]**choke** (চউক্) *n.* valve in a petrol engine to control the intake of air, পেট্রোল্-ইঞ্জিনগী নুংশিৎ চাং নাইনা থম্মবা বাল্ব (চোক্)।

choler ['কোল(র্)] *n.* anger, অশাউবা। *adj.* ~**ic,** easily made angry, শাউগন্‌বা।

cholera ('কোলর) *n.* disease with vomit and purge, পুকচৎপা।

choose (চুজ্) *v.t. & i.* (pt--*chose; p.p. chosen.*) select out of a greater number, অপাম্বা খন্‌বা।

choos(e)y ('চুজি) *adj.* careful in choosing, অপাম্-পাম্দ য়াম্না নাইবা

[1]**chop** (চোপ্) *v.t. & i.* cut with a sharp tool, (থাঙ্‌নচিংবনা) কক্‌পা।

[2]**chop** (চোপ্) *n.* 1. chopping (থাঙ্‌না) য়ান্‌বা। 2. slice of cooked meat, অথোংবা শদুম।

[3]**chop** (চোপ্) *v.i.* ~ **and change,** be inconsistent, হোংচুনতা লৈবা; অরেপ্পা লৈতবা। *adj.* ~**py.**

chopper ['চোপ(র্)] *n.* heavy, sharp tool for chopping meat, শতুম কক্‌বা, অকন্ন্বা, অথোবা থাঙ্।

chopsticks ('চোপ্‌স্টিক্স্) *n.pl.* pair of sticks used by the Chinese to take up foods, থাগীশিংনা চাবদা শীজিন্নবা চৈতেক অনী।

chop-suey (চোপ্ 'সুই) *n.* dish of meat (by the Chinese), (থাগীশিংগী) চরা।

choral ('কোওরল্) *adj.* of a choir, ময়াম্ শক্‌মিন্নবা ঈশৈশিংগী (ওইবা)।

chorale (ক'রাল্) *n.* simple, hymn tune of the choir; ময়াম্ শক্‌মিন্নবা লাইশোল্-ঈশৈগী অচম্বা সুর্।

chord ('কোওড্) *n.* 1. straight line that joins two points in the circumference of a circle, (বৃত্তগী) পরিধিদা লৈবা বিন্দু অনীবু শম্‌জিন্নরিবা, অচুম্বা লৈই। 2. (of a harp) string, (ঈশৈগী যন্ত্রগী) মরী।

chorine ('কোওরিন্) *n.* chorus girl, ময়াম্ শক্‌মিন্নবা ঈশৈদা য়াওবী নুপী।

chorister ['কোরিস্ট(র্)] *n.* member of the choir, মায়াম্ শক্‌মিন্নবা লাইশোল্-ঈশৈদা য়াওবা মী।

chorus ('কোওরস্) *n.* 1. (music of a) group of singers, ঈশৈ শক্‌মিন্নবা কাঙ্‌বু (অমগী ঈশৈ)। 2. sth. said or cried by many

Scanned by TapScanner

people together, ময়াম্না পুম্না হায়্বা নত্রগা লাউবা।

chose, chosen—*p. t. & p. p.* of *choose.*

chow (চাউ) *n.* 1. dog of Chinese breed, খাগীগী হুই। 2. food, চিঙ্কাক্।

chowder ['চাউড(র্)] *n.* thick soup or stew of fish, ঙা খোংবা নত্রগা মাঠুগী অনঙ্‌বা মহী।

Christ (ক্রাইষ্ট্) *n.* Jesus, যীশু।

christen (ক্রিসন্) *v.t.* receive sb. into Christian church by baptism ; give a name to sb. at baptism : (মী অমবু) খৃষ্টিয়ান্ ওল্হন্বা ; খৃষ্টিয়ান্গী লাইমিং লোবদা মমিং থোন্বা। *n.* ~**ing.**

Christendom ('ক্রিসণ্ডম্) *n.* all Christian people and Christian countries, খৃষ্টিয়ান্গী মী অমসুং লৈবাক্ পুম্নমক।

Christian ('ক্রিস্চন্) *adj.* 1. of Jesus and his teaching, যীশুগী অমসুং মহাক্কী পাউতাক্কী (ওইবা)। 2. of the religion, খৃষ্টধর্ম্মগী (ওইবা)। *n.* person following ~ity, খৃষ্টিয়ান্ ধর্ম্ম চৎপা মী। *n.* ~**ity.**

Christmas ('ক্রিস্মস্) *n.* yearly celebration of the birth of Jesus Christ, খৃষ্টগী মপোক্ নুমিৎকী উৎসব্ (বড়দিন্)। ~ **Eve, Dec. 24,** ডিসেম্বর ২৪।

chromatic (ক্র'ম্যোটিক্) *adj.* of, in colour(s), মচু থাবা ; মচুগী (ওইবা) : ~ *printing.*

chrome (ক্রউম্) *n.* colouring matter obtained from chromium salt, ক্রোমিয়মগী খুমদগী কংবা, মচু শঙ্‌নবা পোৎ।

chromium ('ক্রউমিঅম্) *n.* element used for plating iron goods to prevent rust and stains, কোম্প্লিং কাদনবা, য়োংকী পোৎশিংগী মথক্তা তৈবা পোৎশেং অমা।

chronic ('ক্রোনিক্) *adj.* (of a disease) continual, lasting for a long time, (লায়্‌না) মতম কুইনা শাংথরক্লবা ; কুম্-পুরবা : ~ *malaria adv.* ~**ally.**

chronicle ('ক্রোনিকল্) *n.* history, ইতিহাস্। *v.t.* make a ~ of, মাহ ইশিন্দুনা থম্বা।

chronological (ক্রোনা'লোজিকল্) *adj.* in order of time, মতমগী মথং মনাও নাইবা : *in* ~ *order.*

chronometer [ক্র'নোমিট(র্)] *n.* kind of accurate watch, মতম য়াম্না চাবা ঘড়ী অমা।

chrysalis ('ক্রিসলিস্) *n.* 1. the stage of life of an insect between the larva and butterfly, মহুম হাইবা তীন্না মহুমদা লৈরিবৈগী পুন্সি। 2. the case that covers it, (কব্রং-তীলগী) মহুম।

chrysanthemum (ক্রি'স্যেন্থিমম্) *n.* (flower of) garden plant, লৈকোলগী লৈ অমা।

chub (চব্) *n.* thick fish, অচোবা ঙা অমা।

chubby ('চবি) *adj.* plump ; পোপ্-পোপ্ লাউবা (=অনোয়বা)।

[1]**chuck** (চক্) *v.t.* 1. throw, লংথোক্পা ; হুন্দোক্পা। 2. give up (in disgust), (নুংঙাইতনা) থাদোক্পা : ~ *up one's job.* 3. touch playfully under the chin, শান্নবা ওইনা মীগী মখদাঙ্‌দা শোক্পা। *n.*dismissal from one's job, কনাগুম্ববু থবক্তগী লৌথোক্পা।

[2]**chuck** (চক্) *n.* part of a lathe for holding work-piece, কুন্দ্রেগী ময়োং। *v.t.* fix to ~, ময়োংদ অদুদা খেৎনবা পোত্তু হাপ্‌চিন্বা।

chukle ('চকল্) *n. & v. i.* laugh with closed mouth, খীক্-খীক্ নোক্পা।

chug (চগ্) *v.i.* (-gg-) make the short explosive sound (of an oil-engine),(ইঞ্জিন্না) খুৎ-খুৎ লাউবা।

Scanned by TapScanner

chum (চম্) *n.* close friend, চাপ্পবা মরূপ । *adj.* **~my,** friendly, মরূপ-মপাং ওইবা।

chump (চম্প্) *n.* short, thick block of wood ; অতেন্‌বা অথাবা উতুপ্। 2. fool, অপঙ্‌বা মী।

chunk (চঙ্ক্) *n.* thick, solid piece অথাবা মচেৎ।

church (চঅচ্) *n.* building for Christian worship, গীর্জা। *n.* *n.* ~ **yard,** ground round a ~ used as burial ground, মোংফম্ ওইনা শীজিন্নবা গীর্জাগী লম্পাক্।

churl (চঅল্) *n.* 1. person of low birth ; peasant ; জাৎ অতোন্‌বদা পোক্‌পা মী ; লৌউবা মী। 2. bad-tempered person, শাউগন্‌বা মী। *adj.* **~ish,** bad-tempered ; ill-bred ; শাউগন্‌বা ; চায়োক্-নাউয়োক্ ফজরক্তবা। *adv.* **~ishly.**

churn (চঅন্) *n.* 1. tub to make butter, সঙ্গোম্‌দগী মাখোন্ চিংনবা পাত্র। *v.t. & i.* 1. make butter, মাখোন্ চিংবা। 2. stir, move about violently, (খাবৈগুম্বনা) কন্না ওৎপা।

chute (শূট্) *n.* 1. narrow, steep slope down which things may slide ; পোৎশিংবু নাম্থহন্‌খিবা য়াবা, অথুবা, অওম্বা মফম। 2. parachute, (এইরোপ্লেন্দগী চোংথনবা) পেরাচ্যুট্।

cicada (সি'কাড) *n.* insect that chirps shrilly, হারিনোংনাং।

cicatrice ('সিকট্রিস্) ; **cicatrix** ('সিকট্রিক্স্) *n.* scar left by a healed wound, (অশোক্‌পগী) অতঙ্‌বা।

cider ['সাইড(র্)] *n.* fermented apple juice, হৈতুপ্ (সেম্)তগী ঙংবা যু।

cigar [সি'গা(র্)] *n.* tight roll of tobacco leaves for smoking, চুরূপ্।

cigarette (সিগ'রেট্) *n.* small cigar, (খরা পীক্‌পা) চুরূপ্।

cinch (সিঞ্চ্) *n.* sth. that is sure, শোয়্‌দ্রবা পোৎ নত্রগা থবক্।

cinchona (সিং'কউন) *n.* tree from whose bark quinine is made, মকুপ্‌দগী কুইনাইন্ শাবা উ।

cincture [সিঙ্ক্‌চ(র্)] *n.* belt, পেটি।

cinder ['সিন্‌ড(র্)] *n.* small piece of coal, wood, etc. partly burned, no longer flaming, and not yet ash ; (মৈদা) লোরবা কয়লা, উচেৎনচিংবা।

cine (সিনি) *pref.* form used for *cinema,* সিনেমা খঙ্‌নবা ব্রাহৈ : ~ **camera.**

cinema ('সিনম) *n.* 1. theatre shown by films, সিনেমা।

cinematograph (সিন'ম্যোটগ্রাফ্) *n.* cine-projector, সিনেমা কাপ্পবা মেচিন্।

cinnamon ('সিনমন্) *n.* spice from a bark, দাল্‌চিনি।

cinquefoil (সিঙ্ক্'ফোওইল্) *n.* a flowering plant, লৈ পাম্বী অমা।

cipher, cypher ['সাইফ(র্)] *n.* 1. zero, শূন্য। 2. person or thing of no importance, করিসু কান্নদ্রবা মী নত্রগা পোৎ। *v.t. & i.* work out a problem in arithmetic, অঙ্ক হোৎপা।

circa ('সঅক) *prep.* (Lat) about, রোম্ ; অদুরাইদা।

circle ('সঅকল্) *n.* space enclosed by a curved line, equidistant from a centre ; বৃত্ত (সাকল্)। the line enclosing this space, বৃত্তবু কোয়্‌শিল্লিবা লৈই (পরিধি)। 2. number of persons bound together by the same interest, অপাম্বা মান্নবুনা তিম্নবা মীওইশিং : ~ *of friends.* *v.t. & i.* move in a ~, কোয়্‌না চৎপা।

Scanned by TapScanner

circlet ('সঅক্লট্) *n.* small circle, অপীকৃপা বৃত্ত।

circuit ('সঅকিট্) *n.* 1. journey round from place to place, (মফম্ অমবু) অমুক্ কোয় ফুনা চৎপগী থোঙ্ চৎ। 2. complete path of an electric current ; ইলেক্ট্রিক্ করেন্ট্ অমগী মপুংফাবা লম্বেল্। *adj.* ~ous.

circular ['সঅক্যুল(র্)] *adj.* 1. round or curved in shape, কোইরক্ কোয়্বা ; অখোয়্বা (= চুম্দবা) : *a ~ route*. 2. moving round, কোয়্না চৎলিবা : *a ~ motion*. *n.* letter, notice, etc., of which many copies are made and distributed ; কোপি য়াম্না লোরগা য়েন্থোরকৃপা, চিঠি, হুকুম-চিংবা (সার্কুলার্)। *v.t.* ~ize.

circulate ('সঅক্যুলেইট্) *v.t. & i.* 1. go round continuously, লেপ্তুনা কোয়্না চৎপা। 2. cause to ~, লেপ্তুনা কোয়্ চৎ চৎহন্বা; শন্দোক্পা। *n.* **circulation,** *adj.* **circulatory.**

circumcise ('সঅকম্সাইজ্) *v.t.* cut off the loose skin covering the end of the male sex organ, (নুপাগী) তিগী মতোন্গী উন্শা অতু ককপা। *n.* **circumcism,** circumcising as a religious rite among Jews and Muslims, ধর্ম্মগী হোন্‌বী ওইনা ইহুদী অমসুং মুস্লীম্শিংগী তিদোন্‌গী উন্শা ককপা।

circumference (সঅ'কম্‌ফরন্স্) *n.* line enclosing a circle, পরিধি (=বৃত্তবু কোয়্শিল্লিবা লৈই)।

circumlocution (সঅকম্ল'ক্যুশন্) *n.* rounabout speaking, য়াকোই শূবা (ভাঙ্বা)।

circumnavigate (সঅকম্'ন্যেবিগেইট্) *v. t.* sail round the world, পৃথিবী কোয়্না জহাজ্ থোবা। *n.* **circumnavigation.**

circumscribe ('সঅকম্স্ক্রাইব্) *v.t.* draw a line round ; restrict ; লৈইনা কোয়্শিন্বা ; ভমথৈ অমগী মনুংদা থম্বা। *n.* **circumscription.**

circumspect ('সঅকম্স্পেক্ট্) *adj.* cautious. চেক্শিন্বা। *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ion.**

circumstance ('সঅকম্স্টেন্স) *n.* 1. (pl.) conditions, facts, etc. connected with an event or person, (মী নত্রগা থোদোক্ অমগা মরী লৈনবা) ফীভম্শিং। 2. fact or detail ; অচুম্বা নত্রগা শুগাইবা য়ারোল্। 3. ceremony, হরাও-কুম্মৈ নত্রগা ধর্ম্মগী থৌদোক্।

circumstantial (সঅকম্'স্টেন্শল্) *adj.* (of evidence) based on details that suggest sth., but do not give direct proof ; (সাক্ষীপ্রমান্দা) থাঙ্গৈশেংবা প্রমাণ ফংদ্রবসু লৈরম্লিবা ফীভম্না তাক্লিবা। *adv.* ~ **ly.**

circumvent (সঅকম্'বন্ট্) *vl t.* 1. prevent a plan from being carried out ; কনাগুম্বগী থৌরাঙ্বু য়ৈথায়্বা। 2. entrap by surrounding ; কোয়্থৎ থত্তুনা ফাবা। *n.* ~**ion.**

circus ('সঅকস্) *n.* 1. place for public games, মীয়াম্গী শাম্ন-কুম্মৈ তৌফম্। 2. show of performing animals, tricks, etc. , সার্কস্।

cirrhosis (সি'রউসিস্) *n.* disease of the liver, chiefly alcoholic ; (যু থক্পদগী নাবা) ফীরাক্কী লায়না।

cirrus ('সিরস্) *n.* (pl.-cirri) thin, feathery cloud, অপাবা লৈচিল।

cissy ('সিসি) *adj. & n.* effeminate (man), নুপীমান্বা (নুপা)।

creature ['ক্রীচ(র্)] *n.* 1. living person or animal. অহিংবা পোৎ (জীব) : *dumb ~s.* 2. person

who owes his position to another, মীনা হায়্বদা ইল্লিবা মীওই।

creche ('ক্রেইশ্) *n.* public nursery for babies, অঙাংমচাশিংবু লোনবা চায়োক্শঙ্।

credence ('ক্রীডন্স্) *n.* belief, থাজবা।

credentials (ক্রি'ডেন্শল্জ্) *n. pl.* letters or papers showing that a person is what he claims to be ; কনাগুম্বগী অওইবা মীশক্ তাক্পা চিঠি নত্রগা চেশিং (সার্টিফিকেট্নচিংবা)।

credible ('ক্রডবল্) *adj.* that can be believed, থাজবয়াবা। *n.* **credibility.**

[1]**credit** ('ক্রেডিট্) *n.* 1. belief ; trust ; (চেৎনা) থাজবা। 2. good name ; reputation, মিংচৎ। 3. honour ; public approval because of what one is or does ; ইজ্জৎ ; কনাগুম্বনা ওইরুবা ফীভম্দগী নত্রগা তৌরুবা থবক্তগী ময়াম্না মাবু য়াবা। 4. that which adds to the good name of someone, কনাগুম্বগী মিংচৎ হেঙ্গৎহল্লিবা মী, পোৎ, থবক্, থৌদোক্নচিংবা। 5. belief of others that a shop, etc. can pay debts, (ডুকান্নচিংবদগী) পোৎ শোৎপা 6. money shown as owned by a person in his account with a bank, etc. ; ব্যেঙ্ক্তা শেল্ থম্লিবা মী অমগী হিসাব্তা উৎলিবা (অথম্বা) শেল্। 7. sum of money placed at a person's disposal by a bank, etc. ; advance or loan ; ব্যেঙ্ক্নচিংবনা মী অমদা থংবা (পূথোক্পা) শেন্কম্ ; (ফংকম্ থোক্পদু) হান্না খরা পীথোক্পা শেন্কম্। 8. (book-keeping) record of money possessed by or due to (sb., business firm, etc.), (হিসাব্) কনাগুম্বগী ওইবা নত্রগা কনাগুম্বদা পীকম্ থোক্পা শেল্গী হিসাব্। *adj.* **~able.** *adv.* **~ably.**

[2]**credit** ('ক্রেডিট্) *v.t.* 1. believe ; (রাফম্ব) থাজবা। 2. (book-keeping) enter in the credit side, (হিসাব্ বোইদা) কারক্পা শেল্গী পরেংদা হাপ্-চিন্বা।

creditor ['ক্রেডিট(র্)] *n.* person to whom one owes money ; কনাগুম্বনা শেন্ তোল্লিবা মী।

credo ('ক্রেইডউ) *n.* creed ; ধর্ম্মগী পাউতাক্পু থাজবা।

credulous ('ক্রেড্যুলস্) *adj.* too ready to believe things, থাজ-গন্বা। *adv.* **~ly.** *n.* **credulity.**

creed (ক্রীড্) *n.* beliefs or opinions on religious doctrines ; ধর্ম্মগী পাউতাক্পূ য়াম্না থাজবা। **the Creed,** summary of Christian doctrine, খৃষ্টিয়ান্ ধর্ম্মগী পাউতাক্কী য়া-মচং।

creek (ক্রীক্) *n.* narrow inlet of water on the seashore or in a river-bank, সমুদ্রমপান্ নত্রগা তোর্বান্দা (ঈশিংনা) হাম্জিন্বা মফম্।

creel (ক্রীল্) *n.* angler's basket, খোইচোপ্প (মী) গী তুঙ্গোল্।

creep (ক্রীপ্) *v.i.* (*p.t.* & *p.p.* **crept**) move along with the body close to the ground ; move slowly, quietly or secretly ; উপ্রাক্না শীত্তুনা চৎপা ; তপ্না, তুমিন্না নত্রগা লোন্না চৎপা। 2. (of time, age, etc.) come on gradually, (মতম্, চহীনচিংবনা) অসুম অসুম চঙ্শিল্লকপা। 3. (of plants, etc.) grow along the ground, over the surface of the wall, etc. ; (পাম্বীগুম্বনা) য়েৎতুনা কাবা (মরী চৎপা)। 4. (of flesh) have the feeling that things are ~ing over it (in fear, etc.), (তোং-শাদা) করিগুম্বা অমা কারক্পগুম্বা

Scanned by TapScanner

মবেঙ্-মবেঙ্ চৎপা (কিবনচিংবা তৌ-হুনা)। *adj.* ~**ly.**

creeper ['ক্রীপ(র্)] *n.* 1. insect, that creeps, মপুক্না শীক্তুনা চৎপা তীল। 2. plant that creeps along, উবী (=যেক্তুনা কাবা পাম্বী)।

cremate (ক্রি'মেইট্) *v.t.* burn a corpse, (অশিবা মী) পোৎলোইবা। *n.* **cremation.** *n.* **crematorium,** place for cremating corpses; পোৎলোইফম্। *n.* **crematory, cre**matorium, পোৎলোইফম্।

crenellated ('ক্রেনলেইটিড্) *adj.* (of the parapet) having gaps to shoot, (যুমথক্কী চোকপন্দা) নোংমৈ কাপ্পবা অহোবা মখুল্শিং লৈবা।

creosote ('ক্রিঅসউট্) *n.* 1. oily liquid obtained from coal-tar, used to preserve wood; উ শুম্ চাদনবা শীজিন্নবা আল্কত্রাগী থাউ। 2. antiseptic made of this, মাতুনা শেম্বা, মহীক্-মতাং চঙ্দনবা হীদাক্।

crepe (ক্রেইপ্) *n.* 1. a crape-like cloth, ফি জাৎ অমা। 2. ~ *rubber*; raw rubber used for the soles of shoes, খোঙভুপ্কী খুয়া ওইনবা রব্বর্। 3. ~ *paper*, thin wavy paper; মথুপ্-মথুপ্নাইবা, অপাবা চে।

crepitate ('ক্রেপিটেইট্) *v.i.* make crackling sounds, প্রেক্ প্রেক্ লাউবা মখোল্ থোক্পা। *n.* **crepitation.**

crept (ক্রেপ্ট্) *v.i.* *pt. & pp.* of *creep.*

crepuscular [ক্রি'পস্ক্যাল(র্)] *adj.* seen, heard or active during twilight; অমম্-অঙাল্ শিন্নবা মতম্দা উবা, তাবা নত্রগা মশাখীংবা।

crescendo (ক্রি'শেণ্ডউ) *n. & adj.* (passage of music) with, increasing loudness; progress towards climax; (ঈশৈ মতেক্) অসুম অসুম মখোল্ হৌগৎলক্পা; মতোল্ লোম্না চাওখৎলক্পগী থোঙ্চৎ।

crescent ('ক্রেসন্ট্) *n.* 1. (sth. shaped like) the curve of the moon; থা-মচেৎ (মানবা পোৎ)। 2. faith and religion of Islam, ইস্লাম্ ধর্ম্ম। *adj.* ~-**shaped**, থা-মচেৎ মানবা (=শাবা)।

cress (ক্রেস্) *n.* plants, with hot-tasting leaves, মনাগী মহাওহু শাবা পাম্বী জাৎ অমা।

crest (ক্রেস্ট্) *n.* 1. tuft of feathers on a bird's head; উচেক্কী মতোক্। 2. ~-like decoration on the top of a helmet; helmet.; টুপি মতোন্দা থেৎপা, উচেক্কী মতোক্ মানবা লৈতেং; খাং-টুপি। 3. design over the shield, চুঙ্গোয়্দা য়েক্পা নোম্না: *the family* ~. 4. top of hill, top of a wave, চীং-দোল্; ঈথক্কী মতোল্। *adj.* ~**ed,** having a ~, মতোক্ পানবা। *v.t.* reach the ~ of a hill, etc.; চীংনচিংবগী মতোল্ য়োবা।

cretacious (ক্রি'টেইশস্) *adj.* of (the nature of) chalk, খরিমাটি (চোক্) গী (মতৌ ওইবা): *the* ~ *age.*

cretin ('ক্রেটিন্) *n.* deformed and mentally undeveloped person; মীওই-শুদবা অমসুং পংতক্-শুদক্পা মী। *adj.* ~-**ous.**

cretonne (ক্রে'টোন্) *n.* cotton cloth with printed designs, used for curtains, furniture covers, etc.; পর্দানচিংবা ওইনবা ছাপা-নম্বা লশিং-ফি।

crevasse (ক্রি'ব্যেস্) *n.* deep, open crack, অক্রুবা, অরাওবা লৈক্রক্।

crevice ('ক্রেবিস্) *n.* narrow opening or crack, (চীং) অথুবা লৈক্রক্ নত্রগা মখুল্।

¹crew (ক্রু) *pt.* of *crow*, (য়েনবানঃ চিংবনা) খোংলম্‌ই।

Scanned by TapScanner

²crew (ক্রু) *n.* 1. all the persons working a ship or aircraft, জহাজ্ নত্রগা এইরোপ্লেন্দা থবক্ তৌরিবা মীওইশিং পুম্নমক্। 2. group of persons working together; থবক্ তৌমিন্নবা মী-কাঙ্‌বু। ~-cut, closely cropped hair-cut, তেন্না কক্পা শম্‌কক্।

¹crib (ক্রিব্) *n.* 1. baby's bed, অঙাংমচাগী ফমুং। 2. rack from which animals eat; manger; শাশিংনা চরূনচিংবা চানবা কাংথক্; ডানা-বাগোস্। 3. bin for storing maize, salt, etc.; চুজাক্, থুম্নচিংবা থম্নবা উপূমচা। *v.t.* shut up in a small space, অপীক্পা মফমদা থিংজিন্দুনা (ফাজিন্দুনা) থম্বা।

²crib (ক্রিব্) *n.* 1. sth. copied dishonestly from the work of another, অতোপ্পগী লাইরিক্তগী হুদ্‌না শিন্দোক্পা (পোৎ)। 2. word-for-word translation of a foreign text; মীরৈবাক্কী লাইরিক্তগী ৱাহৈগা চা-ননা লোল্ অমদা হন্দোক্পা। *v.t. & i.* use a ~; copy dishonestly.

cribbage ('ক্রিবিজ্) *n.* a card-game, তাস্ মশান্ন অমা।

¹cricket ('ক্রিকিট্) *n.* jumping insect that makes a shrill noise; কৌজেং; হারৌ।

²cricket ('ক্রিকিট্) *n.* a game played on a grass field, ক্রিকেট্ (মশান্ন অমা)। *n.* ~**er,** ~ player, ক্রিকেট্ শান্নবা মী।

cried (ক্রাইড্) —*p.t. & p.p.* of *cry.*

crier [ক্রাইঅ(র্)] *n.* 1. officer who makes public announcements in a court of law, মীয়ামদা লাউথোক্লবা কোর্টকী আফিসার্। 2. man who goes round the streets to make proclamations (পাউনচিংবা) লাউথোক্লুনা লম্বীদা চৎপা মী। 3. young child who cries a lot, কপ্‌চেৎপা অঙাংমচা।

cries (ক্রাইজ্) *pl.* of *cry,* কপ্পা।

crime (ক্রাইম্) *n.* 1. offence punishable by law, (আইন্ কায়্‌বা) মরাল্। 2. foolish or wrong act, অপঙ্‌বা নত্রগা অরান্‌বা থবক্। *v.t.* **criminate,** charge with crime, মরাল্ শীবা।

criminal ('ক্রিমনল্) *adj.* of crime, আইন্ কায়্‌বা (মরাল্‌গী ওইবা)। *n.* person who commits a crime, মরাল্ লাল্লবা মী। *adv.* ~**ly.**

criminology (ক্রিমি'নোলজি) *n.* study of crime, মরাল্‌শিংগী নৈনবা।

crimp (ক্রিম্প্) *v.t.* make (hair, etc.), wavy or curly, (শম্‌গুম্বরু খোইহন্‌বা।

crimson ('ক্রিম্জন্) *adj. & n.* deep red, য়াম্না ঙাঙ্‌শিন্‌বা (মচু)। *v.t. & i.* make or become ~.

cringe (ক্রিঞ্জ্) *v.i.* 1. move (the body) back or down in fear, কিদুনা (হক্চাং) নীংহন্নবা নত্রগা নোম্‌হ্‌বা। 2. behave in a way that shows lack of self-respect, মশাগী ইজ্জৎ মাঙ্‌বমখৈ নোম্বা শাক্তৎ চৎপা। be too much humble, নোল্লকমন্‌বা।

crinkle ('ক্রিঙ্কল্) *n.* small, narrow wrinkle (as in paper), (চেগুম্বদা নৈবা) পীক্রবা ময়ি (মথুপ্-মথুপ্ নাইবা)। *v.t. & i.* make or get a ~ in, অচুগুম্বা ময়ি নৈবা নত্রগা নৈহন্‌বা। *adj.* **crinkly,** having ~s; (of hair) curly; (পোচৈচদা) মথুপ্-মথুপ্ নাইবা; (শম্) অখোইবা।

crinoline ('ক্রিনলিন্) *n.* light framework, to make a skirt swell out; skirt with a ~, ফুপীগী স্কর্ট ফন্দোক্হন্নবা উগী ফ্রেম্; মাদু য়াওবা স্কর্ট।

cripple ('ক্রিপল্) *n.* person unable to walk properly, খোঙ-শেকপা (মী)। *v.t.* make a ~ of; damage or weaken seriously; (কনাগুম্বগী) মখোঙ শেকহনবা; থীনা মাঙ্ হনবা নত্রগা শোৎহনবা।

crisis ('ক্রাইসিস্) *n.* (*pl. crises*) turning point (in illness, history, etc.); time of difficulty, danger or anxiety, (অনাবা, পুন্সি, ইতিহাসনচিংবগী) মমায় লৈক্ষম; অক্রবা, খুদোংথীবা, পুক্নিং খোয়্রাঙ্বা মতম্।

crisp (ক্রিস্প্) *adj.* 1. (of food) hard, dry and easily broken, (অচাপোৎ) ক্রেম্-ক্রেম লাউবা। 2. (of the air, weather) frosty cold, (নুংশিৎ, নোংজু-নুংশা) লৈচিন্থাবা, অঙৈবা। 3. (of hair) curled, (শম্) মকুখোইবা। 4. (of style, manners) quick, precise and decided; showing no doubts or hesitation; (স্টাইল্, লম্চৎ-বেতাপ্) অথুবা, চপ্চাবা, অরেপ্পা ওইবা; চিংনবা নত্রগা হঙ্গোইবা লৈতবা। *v.t. & i.* make or become ~, ক্রেম-ক্রেম লাউবা নত্রগা লাউহনবা। *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

criss-cross (ক্রিস্-'ক্রোস্) *adj.* of lines crossed, লৈইশিংনা কাতু-কারল্ ককুরবা। *adv.* crosswise, কাতু-কারল্। *v.t. & i.* move crosswise; mark with lines that cross; কৈগাকৈফনা লান্দুনা চৎপা; লৈই কারল্ চিংদুনা ককুবা (×)।

criterion (ক্রাই'টিঅরিঅন্) *n.* (*pl.* -*ria*) standard of judgement, principle for measuring value; বারেপ্ লোনবা পথাপ্ (নিয়ম); করিগুম্বা অমগী মমল্ লেপ্পবা পথাপ্ (নিয়ম)।

critic ('ক্রিটিক্) *n.* 1. person who judges and writes about literature, art, music, etc.; সাহিত্য, কলা, সঙ্গীত্কী অক্ষ-ক্ষত্ত নৈনরিবা মী। 2. person who finds fault and points out mistakes, etc.; মরাল্ অমম্বুং অশোয়্বনচিংবা থিরগা পুথোক্লিবা মী। *n.* ~**ism.** *v.t. & i.* ~**ize.**

critical ('ক্রিটিকল্) *adj.* of or at a crisis, অক্রবা নত্রগা খুদোংথীবা ফীভম্গী (ওইবা)। 2. of a work of a critic, অক্ষ-ক্ষত্ত নৈনরিবা মীওইগী থবক ওইবা। 3. fault-finding, মীগী মরাল্ থিদুনা লৈবা; মীগী মরাল্ থিগনবা। *adv.* ~**ly.**

critique (ক্রি'টিক্) *n.* critical essay, অক্ষ-ক্ষত্ত নৈনদুনা ইবা রচনা।

croak (ক্রউক্) *n.* sound (as made by frogs or ravens), (হঙোই নত্রগা কাক্না) খোংবা। *v.t. & i.* 1. make this kind of sound; speak in a ~ing voice, (হঙোই, কাক্না) খোংবা; অয়াকৃপা খোঙ্গেন্না ঙাঙ্বা। 2. foretell (evil); express sad views about the future; (তুংদা থোক্লগদবা ফত্তবরু) হান্না হায়্বা (তাক্পা); তুংগী মরমদা অৱাবা আশা ফোঙ্দোক্পা। 3. die, (লগাউগী) মরু।

crochet ('ক্রউশেই) *v.t. & i.* make needlework with a thread and a hook (e.g. shawl), লং অমসুং কোচিনা (শাল্গুম্বা) ফি লোন্বা। *n.* material made in this way, অদুম্না লোন্বা ফি।

¹**crock** (ক্রোক্) *n.* 1. pot or jar made of baked earth, চফু। 2. broken piece of such a pot, চেগায়্। *n.* ~**ry,** several pots made of baked earth, মৈ ঈকপা লৈপাক্না শাবা কপ্, প্লেট্নচিংবা।

²**crock** (ক্রোক্) *n.* old, weak and useless horse; person who cannot work because of bad health, very old vehicle; অহল্ ওইরবা, শোক্লবা অমসুং কাম্লত্রবা শগোল্; মশা ফত্তবনচিংবা তৌদ্রুনা থবক্

Scanned by TapScanner

শূবা ওম্‌ত্রবা মী ; য়াম্না মল্লবা গাড়ী। *v.i. & t.* become, cause to become, a ~; কাম্রত্রবা পোৎ নত্রগা মী ওইরক্‌পা নত্রগা ওইহন্‌বা।

crocodile ('ক্রকডাইল্) *n.* river reptile with a long body, tail and hard skin ; কুম্ভীর্, ঙা-গোরিয়াল্। ~ *tears*, pretending sorrow ; ৱাশিন্নবা, কপ্‌শিন্নবা। 2. school children walking in procession ; পরেং শানা চৎপা স্কুলগী অঙাংশিং।

crocus ('ক্রউকস্) *n.* small flower plant growing in spring, বসন্তদা শাৎপা লৈ-পাম্বী মচা অমা।

Croesus ('ক্রীসস্) *n.* wealthy king in Asia Minor (6th B.C.) ; wealthy person ; (খৃষ্টগী মমাঙ্ ৬শুবা শতাব্দিগী) এশিয়া মাইনর্‌গী ঈনাক্‌খুন্‌বা নিংথৌ ; মরল্‌·লৈবা মী।

croft (ক্রফ্‌ট) *n.* small enclosed field ; small farmer ; কোয়্‌না খাজিন্‌বা লৌবুক্ মচা ; অপীক্‌পা লৌমী। *n.* person who rents a small farm, লৌ খজিক্তা শান্দুনা উবা মী।

cromlech ('ক্রমলেক্) *n.* prehistoric structure of large flat stones laid on upright stones ; ইতিহাস্‌কী মমাঙ্‌গী, নুংগী য়ুম্বীদা নুংপাক্না কুপ্পা য়ুম্‌শা-কৈশা।

crone (ক্রউন্) *n.* withered old woman, ঈখুই-খুইরবী হনুবী।

crony ('ক্রউনি) *n.* close friend, চান্নবা মরূপ্।

crook (ক্রুক্) *n.* 1. stick with a rounded hook at one end, মতোন্ কোন্‌বা চৈ। 2. bend or curve (e.g. in a river or path), (ভুরেল্, লম্বেন্‌গুম্বনা) থেক্-খোয়্‌বা। 3. on *the* ~, dishonest (ly), পুক্‌চেল্ শেংদবা নত্রগা শেংদনা। *v.t. & i.* bend into the shape of a ~ ; খোয়্‌বা ; খোয়্‌হন্‌বা। *adj.* ~**ed.** *adv.* ~**edly.** *n.* ~**edness.**

croon (ক্রূন্) *v.t. & i.* hum or sing gently, ঈশৈ ঙংবা : ~ *a lullaby.* *n.* ~**er**, person who ~s ; a public singer ; ঈশৈ ঙংলিবা মী ; মীয়াম্‌গী ঈশৈ শক্‌পা মী।

[1]**crop** (ক্রপ্) *n.* 1. yearly produce of gain, grass, fruit, etc. ; (*pl.*) agricultural plants ; মহয়্-মরোং, নাপী, উহৈলচিংবগী চহীগী পোথোক্ নত্রগা পাম্বীশিং। 2. group of persons or things appearing or produced together, পুল্লপ্ লৈবা মী নত্রগা পোৎকী কাঙ্‌লুপ্।

[2]**crop** (ক্রপ্) *n.* 1. bag-like part of a bird's throat, উচেক্কী মখোনাউদা লৈবা, খাউ-মান্‌বা পোৎ। 2. handle of a whip, শাক্তৈগী খুৎপায়্‌ফম্। 3. very short haircut, তেন্না কক্‌পা শম্‌কক্।

[3]**crop** (ক্রপ্) *v.t. & i.* 1. bite off the tops of grass ; graze, (শানা) শজ্জীক্ চাবা। 2. (of hair, tail or ears) cut short, (শম্, মৈমৈ, মনা) তেন্না কক্‌পা। 3. sow or plant ; (পাম্বী) মরু হুন্‌বা ; চারা লিংবা। 4. bear a crop, (পাম্বীদা) মহয় পান্‌বা। 5. (up নত্রগা out কা) (of rocks, minerals) show up above the earth, (নুং, খনিগী পোৎশিংনা) লৈমায়্‌দা থিন্‌গৎলক্‌পা। 6. ~ **up**, appear or arise unexpectedly ; নীংলুদনা থোরক্‌পা (উরক্‌পা) নত্রগা হোগৎলক্‌পা।

cropper ['ক্রোওপ(র্)] *n.* 1. plant yielding a crop, মহয়্-মরোং পালিবা পাম্বী : *good* ~*s*. 2. person or thing that crops, মহয়্-মরোং লোক্লিবা মী নত্রগা পোৎ। 3. **come a** ~, have a fall ; লৈথা তাবা।

croquet ('ক্রউকেট্) *n.* a game, মশান্ন অমা।

Scanned by TapScanner

croquette (ক্রউ'কেট্) *n.* ball of meat or fish, cooked with rice or potato ; শা নত্রগা ঙাগা চেঙ্ নত্রগা আলুগা থোংবা চোপ্ ।

crore [ক্রোও(র্)] *n.* ten millions ; কোটি ; ক্রোড় ।

crosier, crozier ['ক্রউজিঅ(র্)] *n.* bishop's staff, বিশোপ্কী চৈ ।

[1]**cross** (ক্রোস্) *n.* 1. mark made by drawing one line across another, অমগা অমগা কক্লবা লৈই অনী (×) । 2. line or stroke forming part of a letter, ময়েক্তা য়াওবা ফৈনা চিংবা লৈই । 3, stake or post with another piece of wood across it ; উ-মচেৎ অমনা ফৈবা উথোং (T) : The C~, that on which Christ was crucified, যীশুখ্রিষ্টপু পাং তিংফুনা হাৎখিবা ক্রোস্। 4. suffering burden of sorrow ; অরাবগী পোৎলুম্ । 5. emblem for personal valour ; অকল্-অথৌনা থেৎপা খুদম্ : *The Victoria C~.* 6. offspring of animals or plants of different breeds, মখল্ মখল্গী শাশিং নত্রগ পাম্বীশিংনা পোক্পা মচা ।

[2]**cross** (ক্রোস্) *v.t. & i.* 1. go across ; pass from one side to another ; ফৈগাক্ ফৈনা লাম্থোক্পা ; নাকল্ অমদগী অমদা চৎপা । 2. draw a line or lines across ; ফৈনা লৈই (শিং) চিংবা ; লৈইনা কক্পা । 3. put or place across or over, ফৈনা নত্রগা মথক্তা থম্বা ; কারল্ চন্দুনা থম্বা । 4. ~**oneself** ; make the sign of the ~ on oneself, ঈশ্বরনা থৌজান্নীনবা কনাগুম্বনা মশাদা ক্রোস্কী খুদম্ (মথুৎনা) তৌবা । 5. meet and pass, (চৎলিবা মীশিংনা, চিঠিশিংনা) লম্বীদা উনবা (শুক্লবা) অমসুং লাম্থোক্লবা । 6. produce a cross by mixing breeds, শা (জাৎ) অনী য়াম্নফুনা মচা পোক্পা (পোক্হন্বা) ।

[3]**cross** (ক্র্স্) *adj.* 1. passing from side to side ; lying across ; নাকল্ অমদগী অমদা লাল্লিবা ; ফৈগাক্ ফৈনা লৈমিন্নরিবা । ~**section,** sample taken to be representative of the whole ; নোম্না ওইনবা মপুম্দগী লোথোক্পা মচেৎ । 2. easily angry, শাউগনবা । 3. (of winds) contrary ; opposed ; (নুংশিৎ) মায়্কৈ ওন্নবা ; মাইয়োক্লবা । *adv.* ~**ly**. *n.* ~**ness.**

cross-bar ['ক্র্স্বা(র্)] *n.* bar going across, অফৈবা রাশাং ।

cross-beam ('ক্র্স্বীম্) *n.* girder, (য়ুমগী) খাঙেল্ ।

cross-belt ('ক্র্স্-বেল্ট্) *n.* cartridge belt, গুলিগী খাওল্ ।

cross-benches ('ক্রোস্বেঞ্চিজ্) *n. pl.* benches used by neutral members ; অমদসু অমদসু য়াওদবা (আইন্সভাগী) মেম্বর্শিংগী ফম্ফম্ ।

cross-bones ('ক্র্স্বউঞ্জ্) *n. pl.* two thigh bones laid across under a skull as an emblem of death or danger ; শিবা নত্রগা খুদোংথীবগী খুদম্ ওইবা, কোক্কী শরুগী মখাদা কারল্ থম্বা ফৈগন্গী শরু অনী ।

cross-bow ('ক্র্স্বউ) *n.* bow, placed on a wooden support, উগী ফ্রেম্ য়াওবা লীকুং মখল্ অমা ।

cross-breed ('ক্র্স্ব্রীড্) *n.* animal, plant, etc. produced by crossing different kinds, তোঙান্ তোঙান্বা জাৎশিং তিন্নহল্লগা পোক্পা শা, পাম্বীনচিংবা । *v.t. & i.* produce ~ in this way, অদুম্না (শানচিংবগী) মচা লোবা । *adj.* **cross-bred**.

cross-bun ('ক্র্স্বন্) *n.* bun marked with a cross ; ক্র্স্কী খুদম্ য়াওবা, কোইরক্-কোয়্বা, অথুম্বা তল্ ।

cross-country (ক্রস্-কন্ট্রি) *adj.* & *adv.* across the country, not along roads, লম্বী নত্তনা, খুঙ্গং লান্দুনা (চৎপা) : *a ~ race.*

cross-cut ('ক্রস্কট্) *adj.* (of a saw) with teeth designed for cutting across, (হোরায়্) উবু উরৈ কৈগাক্-কৈনা কক্লবা ময়া পান্বা। *n.* diagonal cut or path ; short cut ; চিদাই অমদগী অমা য়েৌনা চৎপা লম্বেল্ ; লম্বেল্ অশম্বা।

crosse (ক্রস্) *n.* kind of racquet used in lacrosse, লেক্রস্ কোবা মশান্ন অমগী থোম্নবা চৈ (রেকেট্)।

cross-examine (ক্রস্-ইগ্'জ্যেমিন্) *v.t.* question closely to test answers already given, কনাগুম্বনা খুম্খিবা পাউখুম্তু মুন্না অমুক্ চপ্তুনা হংবা (জেরা তৌবা)। *n.* **cross-examination.**

cross-eyed ('ক্রস্আইড্) *adj.* with eyeballs turned towards the nose, মীৎ-শেপ্পা।

cross-fertilize (ক্রস্'ফর্টলাইজ্) *v.t.* carry pollen from one plant to another to produce hybrids, পাম্বী অমদগী অমদা লৈরিক্ (কুরাক্-কুম্বনা) পুত্তুনা অনৌবা পাম্বী অমা থোক্হনবা।

cross-grained (ক্রস্'গ্রেইণ্ড্) *adj.* 1. (of wood) with the grain in crossing direction, (উগী) উরৈশিং কারল লোন্শিন্নবা। 2. perverse ; difficult to please or get on, অরানবা তৌগে হায়্না তৌবা ; পেল্হনবা লুবা ; লোয়্নবা লুবা।

crossing ('ক্রসিং) *n.* 1. the act of going across, esp. by sea, (সমুদ্রগুম্বা) ৱাংমা লাম্হোক্পা। 2. place where two roads cross, লম্বেল্ অনী কক্লফম্। 3. **street ~,** place for padestrians to cross, লম্বীদা খোঙ্না চৎপশিংগী লাম্হোক্ফম্।

cross-legged (ক্রস্'লেগ্ড্) *adj.* (sitting) with one leg upon the other, (ফ'ম্লবা মীনা) খোঙ্ অমনা অমগী মথক্তা থাঙ্গৎপা।

cross-patch ('ক্রস্পেচ্) *n.* bad-tempered person, শাউগনবা মী।

cross-road ('ক্রস্রউড্) *n.* road that crosses another ; অতোপ্পা লম্বী অমবু কক্লিবা লম্বী।

cross-roads ('ক্রস্রউড্জ্) *n. pl.* place where two roads cross, লম্নোঙ্ মরি ফাংফম্।

cross-stitch ('ক্রস্ষ্টিচ্) *n.* stitch formed by two stitches that cross ; লং অনীনা কারল্ চৎনত্থনা তাইবা (ফি) মতাই (=মফোং)।

crosswise ('ক্রস্ৱাইজ্) *adv.* across ;in the form of a cross ; কৈগাক্ কৈনা ; কারল্ চৎননা।

crossword ('ক্রস্ৱঅড্) *n.* **~ puzzle,** puzzle in which words have to be written from numbered clues in the chequered squares, পীরম্লিবা অথত্ তা-নবা অহাঙ্বা মেন্শিন্বা ৱাহৈগী পাখোং।

crotch (ক্রচ্) *n.* 1. place where a branch forks from a tree, (উশানা) কারোঙ্ লোঙ্ফম্। 2. place where legs fork from the trunk, (মী) পীরাই।

crotchet ('ক্রচিট্) *n.* 1. a musical note, ঈশৈ ইবগী খুদম্ অমা। 2. strange, unreasonable idea ; অঙকপা, মরম্ ৱাওদবা ৱাখল্। *adj.* **~ly.**

crouch (ক্রাউচ্) *v.i.* & *n.* lower the body with the limbs together, পাক্থবা।

croup (ক্রুপ্) *n.* children's disease of the windpipe, অঙাংশিংগী (খোরাগী) নুংশিৎ-উতোংগী লায়্না।

croupier [ক্রুপিঅ(র্)] *n.* **raker-in**

and payer-out of money at a gaming table, (জুৱায় শাম্নবগী) টেবিলদগী শেল্ খোম্জিনবা অমসুং (অথোইবদা) পীথোক্পা মী।

¹crow (ক্রউ) *n.* large, black bird with a harsh cry, কাক্। ~'s feet, network of little lines near the outer corners of eyes; মীৎমৈদা লৈবা, অপীকপা লৈইশিং।

²crow (ক্রউ) *v.i.* & *n.* 1. (of a cock) make a loud, shrill cry, (য়েন্‌বানা) খোংবা। 2. (of a baby) make sounds of happiness, (অঙাংমচানা) হরাউবগী খোঞ্জেল খোক্‌হনবা।

crowbar ['ক্রউবা(র্)] *n.* long, iron bar used as a lever for moving heavy objects, জমফট্।

crowd (ক্রাউড্) *n.* 1. large number of people together, মীয়াম্; মী-শঙ্গু। 2. the ~, the masses; লৈবাক্ মীয়াম্; সাধারণ প্রজা। 3. company of persons associated in some way; মরম্ অমগীদমক্ পুল্লিবা মীয়াম্। 4. large number of things (usu. without order), (মথং-মনাও নাইদবা) য়াম্‌থবা পোৎ ময়াম্। *v.i.* & *t.* come together in a ~; form a ~; fill a space; ময়াম্ পুল্লপ্ তিনবা; শঙ্গু অমা ওইহনবা (=শেম্বা)। *adj.* ~ed, having a large number of people, মী কুংলবা: ~*ed cities.*

¹crown (ক্রাউন্) *n.* 1. headdress of gold, jewels, etc. worn by a sovereign; নিংথৌগী লুহুপ্। ~ prince, next in succession to the throne, মথংদা সিংহাসন্ ফংহোগদবা নিংথৌমচা (=যুবরাজ্)। 2. circle or wreath of flowers or leaves as a sign of victory, জয় ওইবগী খুদম্ ওইনা কোক্তা উপ্পা লৈগী নত্রগা উনাগী লুহুপ্। 3. *a half~*; British coin worth 2s-6d, শিলিং ২ পেনি ৬ কী শেল্-ময়েক্। 4. top of the head or of a hat, টুপিগী মতোন্; লরাই-লেম্ফ্। 5. perfection; মপুংফাবা; মকোক্ ওইবা।

²crown (ক্রাউন্) *v.t.* 1. put a crown on (a king or a queen), (নিংথৌ নত্রগা মহারাণীদা) লুহুপ্ উপ্পা। 2. give honour to; reward; ঈকাইখুম্নবা; মনা পীবা। 3. be or have at the top of, মতোন্ ওইবা; মতোন্দা লৈবা। 4. put a happy finishing to; থবক্ ফজনা অমসুং নুংঙাইনা লোইশিনবা।

crozier ['ক্রউজিঅ(র্)] *n.* crosier, বিশোপ্‌কী চৈ।

crucial ('ক্রূশল্) *adj.* decisive; critical; য়ারেপ্পীঙায়্ ওইবা; তাপ্পা লুরবা।

crucible ('ক্রূসবল্) *n.* 1. pot in which metals are melted, ধাতু শোদোক্‌হন্নবা পাত্র। 2. severe test or trial, অকনবা চাংয়েং।

crucifix ('ক্রূসিফিক্স্) *n.* Cross with the figures of Jesus on it, যীশুগী মূর্তি য়াওবা ক্রোস্।

crucifixion (ক্রূসি'ফিক্‌শন্) *n.* putting to death on a cross, ক্রোস্‌তা পাং তিংদুনা হাৎপা।

cruciform ('ক্রূসিফোওম্) *adj.* cross-shaped, ক্রোস্ মানবা।

crucify ('ক্রূসিফাই) *v.t.* put to death by nailing to a cross, ক্রোস্‌তা য়োপ্পী থাদুনা হাৎপা।

crude (ক্রূড্) *adj.* 1. (of materials) in a natural state, not refined or manufactured, (পোৎশিং) মহৌশাগী ফীভম্‌দা লৈরিবা; শুংদোক্তিবা নত্রগা শেমদোক্-শাদোক্তিবা। 2. not graceful or refined; চাওখত্তবা; লৈবাক্‌মচা তাদবা; লেমজদবা। 3. not finished

properly, (পোৎ); ফজনা অমসুং নান্না শাদবা। *adv.* ~**ly**. *n.* **crudity.**

cruel (ক্রুল্) *adj.* taking pleasure in the suffering of others; ready to give pain to others; নুংশিহৈতবা; মিনুংশি খঙ্দবা; নীংঙায়দবা। *adv.* ~**ly**. *n.* ~**ty.**

cruet ('ক্রুইট্) *n.* 1. small glass bottle for vinegar or oil, অশিন্-বায়ু নত্রগা থাউ হাপ্পবা অপীক্পা গ্লাস্।

cruise (ক্রুজ্) *v.i.* 1. sail about; হি কোয়হোন্ হোন্বা। 2. (of cars, aircraft) travel at the speed most economical for fuel; (কার্, এইরোপ্লেন্) খ্বাইদগী থাউগী শেল্ চঙ্দনবা থোবা। *n.* **cruising,** *n.* **cruiser;** 1. fast warship, অয়াঙ্বা লাল্গী জহাজ্। 2. motor-boat, মোটর্ বোট্।

crumb (ক্রম্) n. 1. very small piece of dry food, পীক্লবা তল্-মচেৎ। 2. small amount, য়াম্দবা চাং।

crumble (ক্রম্বল্) *v.t.* & *i.* break or fall into pieces; মচেৎ-মচেৎ কায়্বা নত্রগা থুগায়্বা।

crumbly ('ক্রম্ব্লি) *adj.* easily crumbled, য়াম্না কায়্গন্বা।

crumpet ('ক্রম্পিট্) *n.* flat, round, soft, cake; অপাক্পা, কোইরক্-কোয়্বা, অথোৎপা, তল্।

crumple ('ক্রম্পল্) *v.t.* & *i.* 1. press or crush into folds or creases; মথুপ্-মথুপ্ নাইনবা নত্রগা মমি তানবা নম্থবা নত্রগা শুগায়্বা। 2. ~**up,** crush; collapse; শুগায়্বা; কৌন্থবা।

crunch (ক্রঞ্চ্) *v.t.* & *i.* 1. crush noisily with the teeth, য়ানা মখোন্খোক্না চীক্খায়্বা। 2. crush; be crushed noisily, মখোন্খোক্না নেখায়্বা নত্রগা তক্খায়্বা। *n.* the act of ~**ing.**

crupper ['ক্রপ(র্)] *n.* leather strap of a saddle or harness; শাবল্ নত্রগা শগোল্-শাবোৎকী শউন্গী মরী।

crusade (ক্রু'সেইড্) *n,* 1. religious war waged by the Christians to recover the Holy Land from the Muslims; খ্রিষ্টিয়ান্শিংনা মুস্লিম্শিংগী মখুত্তগী পেলেস্টাইন্ কন্নবা শোক্নবা লাল্। *v.i.* take part in a ~, অদুগুম্বা লান্দা য়াওবা। *n.* ~**r.**

cruse (ক্রুজ্) *n.* earthen pot, লৈপাক্কী চফু।

[1]**crush** (ক্রশ্) *v.t.* & *i.* 1. press or be pressed, so that there is breaking; শুগায়্বা; তক্খায়্বা। ~**out,** 1. force out by ~ing, তক্খায়্জনা (মহীগুম্বা) শুম্বা। 2. force out by pushing, তক্থোক্-পা। 2. cause to become full of creases; lose shape; শুপ্-ত্রেক্-নাত্রেক্হন্বা; মওঙ্ কায়্হন্বা। 3. subdue; overwhelm; (য়েক্নবা) নম্থবা; থুম্হৎপা। 4. (of persons) press or push a way, (মী) তক্থোক্ত্না লম্বী ফাংপা। *adj.* ~**ing.** *adv.* ~**ingly.**

[2]**crush** (ক্রশ্) *n.* 1. crowd of people pressed together, পুম্নপ্ শুজিল্লবা মীয়াম্। 2. social gathering, মীয়াম্ তিল্লবা সমাজ্গী থৌদোক্। 3. fruit drink, হৈ-মহী।

crust (ক্রষ্ট্) *n.* 1. (piece of the) hard-baked surface of a loaf; তল্গী কন্শিল্লবা মমায় (গী মচেৎ)। 2. hard substance, অকন্বা (= থোৎতবা) পোৎ। *v.t.* & *i.* cover; become covered, with a ~, form into ~; অকন্বা শরুক্কা কুপ্পা; (থোৎলম্বদগী) কন্শিন্বা।

crustacean ('ক্রষ্টেইশন্) *n.* animals, mostly living in water, with a hard shell (shellfish like

crabs, lobsters, etc.), ঈশিংদনা নম্না লৈবা, মকু অকন্‌বা পান্‌বা জীব (ৱায়্‌খু, থবোইনচিংবা)।

crusted ('ক্রস্টিড্‌) *adj.* 1. ancient; venerable; থায়্‌নগী (ওইবা); ভক্তি তৌবদা মতীক্‌ চাববা। 2. fixed; অরেপ্পা (ওইববা): *~habits.*

crusty ('ক্রস্টি) *adj.* 1. hard like a crust; (থোংলম্বদগী) কন্‌শিল্লবা। 2. (of persons), curt; harsh; quickly irritated; (মীশিং), ৱা শাংনা ভাঙ্‌দবা অমসুং নোল্লক্তবা; খোল্‌ যাকপা; শাউগন্‌বা।

crutch (ক্রচ্‌) *n.* supporting stick of a lame person, খোঙ্‌-তেক্‌পগী চৈশু। 2. crotch, পীরাই।

crux (ক্রক্স্‌) *n.* part (of a problem), that is the most difficult to solve, পাঙ্‌থোক্‌পদা খ্বাইদগী লুরবা (ৱাথোক্‌ অমগী) শরুক্‌।

[1]**cry** (ক্রাই) *v.i. & t.* 1. make sounds that express feelings of pain, fear, etc.; কপ্পা; লাউবা। 2. *~for*, demand, (পীয়ু হায়্‌দুনা) ভানবা। 3. exclaim; call out loudly in words, (কিবা, খংবন-চিংবগী) খংলাউ লাউবা; লাউনা কৌবা। 4. announce for sale; make known by calling out; ৱোনগে হায়্‌দুনা (ময়ামদা) লাউথোক্‌পা; লাউ-থোক্কনা খঙ্‌হন্‌বা। *n.* ~: *adj.* crying, demanding attention, পুক্কিং চঙ্‌কম্‌ থোক্‌পা; *crying needs.*

crypt (ক্রিপ্ট্‌) *n.* underground room of a church, used for burials; মী অশিবা ফুম্বা, গীর্জাগী লৈনুংগী কা।

cryptic ('ক্রিপ্টিক্‌) *adj.* secret; with a hidden meaning; অথুপ্পা (=অৱোন্‌বা); অৱোংপা অর্থ লৈবা। *adv.* *~ally.*

crypto ('ক্রিপ্টউ) *pref.* hidden; secret; লোত্তুনা লৈবা, অৱোন্‌বা; অথুপ্পা: *~-communist.*

cryptogram ('ক্রিপ্টগ্রেম্‌) *n.* sth written in a secret code; অৱোন্‌বা (অথুপ্পা) লাইরিক্তা ইরিবা ৱাফম্‌।

crystal ('ক্রিস্টল্‌) *adj. & n.* 1. clear, natural substance like quartz; piece of this as an ornament, মণি মথল্‌ অমা (স্ফটিক মণি); মণি অদুনা শাবা লীক্‌-কোল্‌। 2. glass-ware of best quality, পাত্রশিং শানবা য়াম্না ফবা লীক্কি। 3. (science) definite and regular shape of the molecules of certain substances, (বিজ্ঞান্দা) করিগুম্বা পোৎ খরগী মোল্যুকুল্‌গী অককপা অমসুং চাং মান্নবা মওঙ্‌ (লৈবা)। 4. glass of a watch, ঘড়ীগী মিংশেল্‌। *adj.* ~ **line.**

crystallize ('ক্রিস্টলাইজ্‌) *v.t. & i.* 1. form, cause to form, into crystals, মণি-মুক্তা ওইরক্‌পা নত্রগা ওইহন্‌বা। 2. cover (fruit, etc.) with sugar crystals; উহৈনচিংববু অরংবা চিনিনা য়োম্বা। 3. become, cause to be, clear and definite; (অর্থ) তরু-তরুবা; তরু-তরুহন্‌বা।

cub (কব্‌) *n.* 1. young lion, tiger, bear or fox; নোংশা, কৈ, শওম্‌ নত্রগা লমহূইগী মচা। 2. ill-mannered young man, বেভার্‌ লৈতবা পাখং। *n.* **cubbing, cub-hunting,** কৈ-মচা শাতান্‌বা।

cubby-hole ('কবিহউল্‌) *n.* small, snug place; অপীক্‌পা, ফোঙ্‌-ফোঙ্‌ শাবা, নুংঙাইবা মফম্‌।

cube (ক্যূব্‌) *n.* 1. solid body having six equal square sides, স্কোয়ার্‌ ওইবা মমায়্‌ তরুক্‌ লৈবা পোৎ (=চৌবর্‌)। 2. product of a number multiplied by itself twice, মশাগী অমবু মশামক্তা অনীরক্‌ পুরিবগী ফল্‌। *v.t.* multiply a number by itself twice; মশাং অমবু মশা-মক্তা অনীরক্‌ পুরিবা। *adj.* **cubic**: *two ~ feet.*

Scanned by TapScanner

cubicle ('ক্যুবিকল্) *n.* small division of a larger room, কা অচৌ-বা অমগী খায়্দোকপা শরুক্।

cubism ('ক্যুবিজম্) *n.* style in art in which objects are represented so that they appear to be largely of geometrical shapes, পোৎশিংবু জ্যামিতিগী মওঙ্ যামা মাংশা উনবা য়েক্পা লাই য়েক্ । *n.* **cubist,** artist skilled in ~, অসিগুম্বা লাইয়েক্পা হৈবা মী।

cubit ('ক্যুবিট্) *n.* old measure (= of 18 to 22 inches), খুজপ্ অমা।

cuckold ('ককউল্ড্) *n.* man whose wife is unfaithful to him, মতুনা নীংবীদ্রবা নুপা। *v.t.* (of a man) make another man a ~ by seducing his wife, (নুপা) মীগী মতু ভাঙ্নবীদুনা (মরা অদুবু) মতুনা নীংবীদ্রবা ওইহন্বা।

cuckoo ('ককূ) *n.* a migratory bird, কোকিল্।

cucumber ['ক্যুকম্ব(র্)] *n.* a creeping plant with fleshy fruit, থবী।

cud (কড্) *n.* food which oxen bring back from the stomach and chew again, শন্না শগুপ্ শাম্বিবা শজীক্ (চাক্থাউদগী ওথোরক্পা)।

cuddle ('কডল্) *v.t. & i.* 1. hold close and lovingly in one's arms, চেৎনা অমসুং নুংশিনা কোন্শিন্বা। 2. lie close and comfortably, নকনা অমসুং নুংঙাইনা হীপ্ মিন্নবা। *n.* act of cuddling.

cudgel ('কজল্) *v.t. & n.* (hit with a) short, thick stick ; অতেন্বা, অথাবা চৈতুপ্ (না ফুবা)। **~one's brains,** think hard on a problem ; অকনবা বাকম্ অমবু কন্না বাখন্তৌবা।

[1]**cue** (ক্যু) *n.* sth. which shows when sb. else is to do or say sth., করিগুম্বা অমনা অতোপ্পা করিগুম্বা থবা তৌগদৌরি নত্রগা হায়্গদৌরি হায়্বা উৎপা। 2. hint ; লংজীল্ (ইঙ্গিত)।

[2]**cue** (ক্যু) *n.* billiard player's long rod to strike balls, বিলিয়ার্ড শান্নবশিংনা বোল্ থৈনবা শাংবা চৈ।

[1]**cuff** (কফ্) *n.* 1. end of a shirt or coat sleeve, ফুরিৎকী নত্রগা কোটকী খুদাং। 2. turned-up fold at the bottom of a leg of trousers, ফোঙ্গ্যাওগী খেক্কৎপা মতোন্।

[2]**cuff** (কফ্) *v.t. & n.* light blow with the fist or the open hand, খুতুম্না নত্রগা খুবাক্না তপ্না থাবা।

cuirass (ক্যি'র‍্যাস্) *n.* piece of armour ; লান্ফি-ফুরিৎ মকক্। *n.* **~ier,** one wearing~ ফুরিৎ অদু লীংপা মী।

cuisine (ক্যি'জীন্) *n.* 1. style of cooking ; চাক্-মথোং। 2. cooking department, চাক্ থোংবা লোয়্নশঙ্।

cul-de-sac (কল্ড'স্যেক্) *n.* blind alley ; নাকন্ অমত্তা চৎপরাবা (অমনা থিংবা) লম্বী।

culinary ('কলিনরি) *adj.* of cooking or kitchen ; থোংবগী নত্রগা চাক্খুমগী (ওইবা)।

cull (কল্) *v.t.* pick a flower ; select ; লৈ হেক্পা ; ময়ামগী মরক্তগী অমা খন্বা। *n.* sth. that is ~ed, (ময়ামগী মরক্তগী) খন্লোক্লবা পোৎ।

cullender ['কলেণ্ড(র্)] *n.* vessel with holes, used for washing vegetables, য়েন্দায়্।

culminate ('কল্মিনেইট্) *v.i.* reach the highest point, খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্ য়োবা। *n.* **culmination.**

culpable ('কল্পবল্) *adj.* deserving punishment; চৈরাক্ পীবদা মতীক্চাবা। *adv.* **culpably.** *n.* **culpability.**

Scanned by TapScanner

culprit ('কল্প্রিট্) *n.* wrong-doer, অরানবা তৌবা মী; আইন্ কায়্বা মী।

cult (কল্ট্) *n.* 1. system of religion and worship, ধর্মগী অমসুং ঈরাং পূজাগী নিয়ম। 2. devotion to a person or practice; মীওই অমত্তা নত্রগা হৌন-চৎনবী অমত্তা লুনা নীংবা।

cultivable ('কল্টিববল্) *adj.* arable, (লম্) লৌউবয়াবা।

cultivate ('কল্টিবেইট্) *v.t.* 1. help crops to grow; লৌ উবা; ইংখোল্ কোইবা। 2. give care, thought, time, etc. in order to develop sth.; করিগুম্বা অমা চাওখৎনবা চেক্শিন্বা, ঋাথন্, মতম্নচিংবা চঙ্হন্বা (পীবা, তিংবা)। *adj.* ~**d,** having good manners and education, বেভার্ ফজবা অমসুং মহৈ হৈরবা। *n.* **cultivation.**

cultivator ['কল্টিবেইট(র্)] *n.* person or thing that cultivates; লৌউবা মী; লৌ উনবা মেচিন্।

culture ['কল্চ(র্)] *n.* 1. advanced development of human powers; development of the mind, body and spirit by training and experience, মীওইবগী তৌবঙম্ব (শক্তি) গী য়াংনা চাওখৎপা; তম্বনা অমসুং থবক্ ওইনা থেংনকুনা পূক্নিং, হকচাং অমসুং থৱায়্গী চাওখৎপা (=সংস্কৃতি)। 2. development (of arts, science, etc.) in human society, মীওইবগী খুন্নাই (সমাজ্) দা (কলা, বিজ্ঞানচিংবা) জ্ঞানগী চাওখৎপা। 3. cultivating; the keeping of bees, silk-worms, etc.; লৌউবা; হমিংখোই, কত্রংতীনচিংবা যোক্পা। *sericulture. adj.* ~**d,** (of persons) having culture of the mind; (মী) লৈবাক্মচা তাবা। *adj.* **cultural.**

culvert ('কল্বট্) *n.* drain or channel under a road to carry away water; (ঈশিং চেল্হন্খিনবা) উক্।

cumber ['কম্ব(র্)] *v.t.* hamper; burden; য়েথায়্বা; পোৎলুম ওইহন্বা, খুবো চেল্হন্বা। *adjs.* ~**some, cumbrous.**

cummerbund ('কমবন্দ্) *n.* waist sash, খাঙ্লী।

cumulative ('ক্যুম্যুলটিব্) *adj.* tending to accumulate, হাপ্চিন্দুনা চাং অসুম হেন্গৎলক্পা।

cumulus ('ক্যুম্যুলস্) *n.* (*pl.-li*) heap, rounded masses of cloud; মপৈ; মতুমতাবা লৈচিন্মপৈ।

cuneiform ('ক্যুনিইফোওম্) *adj.* wedge-shaped, শীংচেপ্কী মওঙ্মান্বা: ~*characters.*

[1]**cunning** ('কনিং) *adj.* 1. clever at deceiving, মরয়্-মরা-চাউবা। 2. skilful, হৈ-শিংবা। 3. charming; শুক্ষাৎলবা: *a* ~ smile. *n.* **cunning.**

[1]**cup** (কপ্) *n.* 1. small porcelain bowl with a handle, (চাগী) কপ্। 2. vessel (of gold or silver) given as a prize in competition; (শায়বগী শীংনবদা পীবা) কপ্। 3. wine, য়ু। *n.* **cupful,** কপ্ অথন্বা অম (গী চাং)।

[2]**cup** (কপ্) *v.t.* (-pp-) 1. put into the shape of a cup, কপ্কী মওঙ্ মাল্হন্বা। 2. perform the operation of cupping on (a person), (মী অমদগী) ঈ চিংখোক্নুনা লৌবা।

cupboard ('কবড্) *n.* set of shelves used for dishes, provisions, etc.; কোল্-লীক্, চাম-থক্পবনচিংবা হাপ্নবা উপু।

cupidity (ক্যু'পিডটি) *n.* greed, মিহোৎবা।

Scanned by TapScanner

cupola ('ক্যুপল) *n.* small dome forming a roof ; ceiling of a dome; য়ুম্থক্ ওইনবা, অপীকৃপা ফুরা; ফুরাগী সীলিং।

cupping ('কপিং) *n.* operation of drawing blood by means of a glass-cup ; ঈ (চিংফুনা) লোৱা।

cupric ('ক্যুপ্রিক্) *adj.* containing copper, কোরী য়াওবা।

cur ['কঅ(র্)] *n.* bad-tempered and worthless dog ; cowardly and badly behaved man, শাউ-গন্বা অমসুং কান্নদ্রবা হুই ; কিগন্বা অমসুং মচৎ ফত্তবা নুপা। *adj.* **cur-rish.** *adv.* **currishly.**

curable ('ক্যুঅরবল্) *adj.* that can be cured, লাইয়না কোকৃহন্বা ঙম্বা। *n.* **curability.**

curacao, -oa ('ক্যুঅরসউ) *n.* liqueur flavoured with peel of bitter oranges, কোমলা অথাবগী মকুগী মনম্ নমহল্লবা য়ু।

curate ('ক্যুঅরট্) *n.* clergy man who helps a priest, খরা মখাতাবা পুরোহিত্। *n.* **curacy, his work** or office, মাগী থবক্ নত্রগা ফম।

curative ('ক্যুঅরটিব্) *adj.* helping to, able to, cure disease ; লায়্-নাবু কোকৃহন্বা ঙম্বা নত্রগা কোকৃহন্বদা মতেং ওইবা।

curator [ক্যু'রেইট(র্)] *n.* official in charge (esp. of a museum or art gallery), থৌ পুরিবা আফিসার (মরু ওইনা ম্যুজিয়মগী নত্রগা কলাবিদ্যা উৎকমগী)।

curb (কঅব্) *n.* 1. chain or leather strap under a horse's jaw, used to control it, শগোল্গী য়া-চল্‌মরী। 2. sth. that holds one back or restrains ; কনাগুম্ববু খাম্লিবা নত্রগা থম্মোই লাকৃশিল্লিবা থপাৎ। *v.t.* 1. control a horse by means of a ~, য়াচল্ য়েখত্তুনা শগোল্ থাম্বা। 2. keep (passions, etc.) under control, থম্মোই লাক্-শিন্বা (খুত্তম চন্বা)।

curd (কঅড্) *n.* thick,soft substance formed when milk turns sour, শঙ্গোম্ অকম্গী মপাল্।

curdle ('কঅডল্) *v.i. & t.* form, cause to form, into curds ; become curd-like, শঙ্গোম্মপাল্ কাবা নত্রগা কাহন্বা ; শঙ্গোম্মপাল্ মাল্হন্বা।

[1]**cure** (ক্যুঅর্) *v.t. & i.* 1. bring a person back to health ; get rid of an evil ; অনা-অয়েক কোক্-হন্বা ; ফত্তবা অমদগী নাম্থোকপা। 2. treat (meat, skin, tobacco, etc.) in order to keep it in good condition ; (শা অশেম্বা, হীদাকৃমনানচিংবকু) পৎহন্-পুমহন্দনা লীবা।

[2]**cure** [ক্যুঅ(র্)] *n.* 1. curing or being cured, অনাবা কোকপা নত্রগা কোকৃহন্বা। 2. substance or treatment that cures, লায়্না কোকৃহল্লিবা পোৎ নত্রগা লাইয়েং।

[3]**cure** ('ক্যুঅরেই) *n.* parish priest in France, ফ্রান্স্‌কী পুরোহিত্।

curfew ('কঅফ্যু) *n.* 1. ringing of a bell as a signal for lights to be put out, থাউমৈ মুথৎলু হায়্‌বগী খুদম্ ওইনা শরীক্ খীংবা। 2. time or signal (under martial law) for people to remain indoors, প্রজাশিং ঈমুংদগী হেন্দোকনু (লাম্মীগী শাসন্দা লৈরে) হায়্‌বগী মতম নত্রগা খুদম।

curio ('ক্যুঅরিঅউ) *n.* work of an art of great value ; মমল্ য়াম্লবা কলা (গী থবক্)।

curious (ক্যুঅরিঅস্) *adj.* 1. (in a good sense) eager (to learn, know), (অফবদা) খঙ্‌নীং-হৈনীংবা। 2. (in a bad sense) having or

showing too much interest in the affairs of others, (ফত্তবদা) মীগী থবক্তা যাম্না অণ্ডপা-শাবা। 3. strange ; unusual ; (হায়না খঙ্ দ-বগী) অঙকপা ; মহোশাগা মায়নবা। *adv.* ~**ly.** *n.* **curiosity.**

¹**curl** (কঅল্) *n.* sth. twisted in the shape of the thread of a screw, esp. a lock of hair of this shape ; মরৈ-মরৈ তাবা ; (শম্-জুহনা) খোইবা। ~**-paper,** one to make the hair ~, শম্ খোইহন্নবা চে। *adj.* ~**ly,** having ~s, (শম্) অখোইবা।

²**curl** (কঅল্) *v.t. & i.* make into curls ; grow or be in curls, (শম্) খোইহন্নবা ; (শম্) খোইনা হৌবা ; কোন্শিন্দুনা লৈবা ; খোয়্না খোয়্না কাখৎপা। ~ **sb. up,** collapse ; কীহৎহন্বা ; ৱান্থহন্বা। ~**ing-tongs,** instruments for ~ing hair, শম্ খোইহন্নবা খূৎলাই (মেচিন্)।

curlew ('কঅল্যু) *n.* wading bird with a long bill ; মচীন্ শাংবা পান্তা তাবা উচেক্ অমা।

curling ('কঅলিং) *n.* Scottish game played on ice ; উন্ মথক্তা শান্নবা স্কট্ল্যাণ্ডগী মশান্ন অমা।

currant ('করন্ট্) *n.* 1. small, sweet, dried grape, কিস্মিস্। 2. a juicy fruit growing in clusters ; চরোং-চরোং পান্বা, মহী হোম্বা উহৈ অমা।

currency ('করন্সি) *n.* 1. the state of being in common use ; খ্বায়না শীজিন্নব (গী মতৌ)। 2. money used in a country, লৈবাক্ অমদা চৎনবিবা শেল্।

¹**current** ('করন্ট্) *adj.* 1. in common or general use ; generally accepted ; খ্বায়্না শীজিন্নবা ; খ্বায়্না য়া-নরবা। 2. now passing ; of the present time ; হৌজিক্-হৌজিক্ চৎলিবা ; হৌজিকী মতম্গী (ওইবা)।

²**current** ('করন্ট্) *n.* 1. stream of water, air, gas, etc. ; ঈশিং, নুংশিং, মনিম্নচিংবগী অচেল্। 2. flow of electricity along a wire, তারাদা চৎলিবা বিজলীগী অচেল্।

curriculum (ক'রিক্যুলম্) *n.* (*pl.* -*lums* ; -*la*) course of study in a school, college, etc. ; স্কুল্, কলেজ্নচিংবদা তম্গদবা বিষয়্শিং, মখোয়্গী থাক্ অমসুং চঙ্গদবা মতম্। ~ **vitae,** brief written account of one's past history ; কনাগুম্বগী মশাগী শম্না, অইবা ৱারোল্।

¹**curry** ('করি) *n.* (dish of) meat (fish, egg, etc.) cooked with hot-tasting spices, য়েঙ্গাং। *v.t.* prepare food with hot-tasting spices ; অশাবা মরূ-মরাং থাক্নুনা য়েঙ্গাং থোংবা।

²**curry** ('করি) *v.t.* rub down and clean (a horse) ; prepare tanned leather by soaking, scraping, etc. : (শগোল্গী) মতু তক্নুনা শেংদোক্পীবা ; চোৎহন্বা, খেৎতোক্পনচিংবা তৌদুনা শউন্ নোইবা। ~**favour with sb.,** try to win favour (by flattery), (চীরোন্ তৌদুনা) মীনা য়া-নবা হোৎনবা।

¹**curse** (কঅস্) *n.* 1. word, calling for punishment, injury or destruction of sb. ; শাপ্ তৌবা। 2. cause of misfortune or ruin ; লাইবক্থীবগী নত্রগা অমাঙ্-অতাগী মরম্।

²**curse** (কঅস্) *v.t. & i.* 1. use a curse against ; use violent language ; শাপ্ তৌবা নত্রগা অথীবা ৱাহৈনা চৈবা। 2. **be** ~**d with,** suffer misfortune, trouble, etc. লাইবক্থীবা, অরাবনচিংবা নংবা।

cursed (কঅস্ট্, 'কঅসিড্) *adj.*

damnable ; hateful ; য়ারোনীঙাই ওইবা ; তূক্কচবা। *adv.* ~**ly.**

cursive ('কঅসিব্) *adj.* (of hand-writing) with the letters rounded and joined together, (খূৎই) ময়েক্ কোইরক্-কোয়্‌বা অমসুং শম্নবা।

cursory ('কঅসরি) *adj.* quick ; hurried ; done without attention ; থুবা ; হাথু-হাথুবা ; পুক্নিং চঙ্‌দনা তৌবা। *adv.* **cursorily.**

curst (কঅষ্ট্) *adj.* cursed, শাপ্ ফংলবা।

curt (কঅট্) *adj.* short-spoken ; not polite ; তেন্না (শম্পৎ-শম্পৎনা) হায়্‌বা ; নোল্লুক্তবা। *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

curtail (কঅ'টেইল্) *v.t.* 1. make shorter than was planned, অহানবা থোরাঙ্ তৌবত্নদগী হেন্না তেন্‌শিনহন্‌বা। 2. cut off a part of, শরুক অমা কক্‌থৎপা। *n.* ~**ment.**

curtain ('কঅটন্) *n.* piece of cloth hung up at the window or door, থোঙ্ নত্রগা মীহুথোঙ্‌গী পর্দা। ~**-lecture,** wife's scolding of her husband in private, নুপীনা মরাবু লোন্না চৈবা (মরুওইনা নুমিদাং ফমুংদা)। 2. heavy and large screen of a theatre, ড্রামাগী অচৌবা পর্দা। 3. cover or protection ; কুপ্পা ; (শোক্তনবা) ঙাক্পা নত্রগা কন্‌বা। *v.t.* cover with ~s, পর্দা য়ান্‌শিন্‌বা নত্রগা পর্দানা খঙ্‌জিন্‌বা।

curtsey, curtsy ('কঅট্‌সি) *n.* gesture of respect, হকচাং লেঙ্-ওৎপনা থোগলোন্ উৎপা (খুদম্‌দি খুরুম্বা)।

curve (কঅব্) *n.* line not straight, অখোয়্‌বা লৈই। *v.t. & i.* have, cause to have, the form of a ~; খোয়্‌বা নত্রগা খোয়্‌হন্‌বা। *n.* **curvature.**

curvet ('কঅবট্) *n.* graceful jump by a horse, শগোল্না কজনা চোংবা। *v.i. & t.* make a ~.

cushion ('কুশন্) *n.* 1. small bag filled with feathers or other soft material to make a seat more comfortable, (ফম্না নুংঙাই-নবা) ফক্ষম্‌দা থাবা মোনমচা। 2. rubber lining, রব্বর্ লাইনিং। *v.t.* supply with ~s ; করিগুম্বা অমদা (থোৎনবা) মোন্ থাবা।

cushy ('কুশি) *adj.* (of job, etc.) easy and pleasant, (থবক্, পোক্‌নচিংবা) অরায়্‌বা অমসুং নুংঙাইবা।

cusp (কস্প্) *n.* pointed end (esp. of a leaf), (উনাশুম্বগী) অতুম্বা মতোন্।

cuspidor ['কস্পিডোও(র্)] *n.* spittoon, তিন্ শীত্তোক্লবা পাত্র।

cuss (কস্) *n.* curse, শাপ্ ; চৈবা। 2. person, মী (ওই)।

cussed ('কসিড্) *adj.* perverse ; obstinate ; ঙক্কন্‌বা ; নিঙাইচাউবা। *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

custard ('কষ্টড্) *n.* (dish of) mixture of eggs and milk, য়েরুম্‌গা শঙ্গোম্‌গা থোংবা এঙ্খাং (মথেল্)।

custodian (ক'ষ্টউডিঅন্) *n.* person who has custody of sth. or sb. ; করিগুম্ববু নত্রগা কনাগুম্ববু মাঙ্-তাম-নবা থম্লিবা মী।

custody ('কষ্টডি) *n.* 1. (duty of) caring for, guarding, শেম্বা নত্রগা ঙাক্পা (গী মথৌ)। 2. imprisonment, ফাদোক্ থম্বা (লৈবা)।

custom ('কষ্টম্) *n.* 1. usual and accepted behaviour in a society, (সমাজ্‌গী) চৎনবী। 2. regular support given to a shopkeeper by those who buy his goods, পোৎ-লৈবা মীনা দুকান্দারবু য়াবা। 3. (pl.) import duties ; department of the government that collects such duties ; লৈবাক্

অমগী মনুংদা পোৎ পুশিল্লকপগী লোবা থাজনা ; অচুম্বা থাজনা লোবা সম্বকায়্গী লোয়্শঙ্ ।

customary ('কষ্টমরি) *adj.* in agreement with, custom ; চৎনবী ওইবা ; *adv.* **customarily.**

customer ['কষ্টম(র্)] *n.* 1. person who buys regularly from a shop, দুকান্ অমদগী পোৎ ঈতত্তত্না লৈবা মী। 2. person or fellow, নুপা ; মীচম্ ।

cut (কট্) *v.t, & i.* 1. separate or make an opening (with a knife, scissors, etc.) ; (থাঙ্, কাটিনচিংবনা) ককপা । 2. make by cutting, কক্তুনা শাবা নত্রগা শেম্বা । 3. perform action of cutting । (থাঙ্গী) ময়ানা চঙ্বা । 4. be capable of being cut, লায়্না ককপা ঙম্বা (-য়াবা) । 5. make shorter by cutting, ককথৎপা । 6. stay away from (sth. one ought to attend), য়াওফম্ থোকপা থোনে ঙক্তু) য়াওরুদবা । 7. (of lines) cross, (লৈইশিংনা) ককুবা । 8. form or shape (a garment) out of cloth by cutting ; ফিরু কক্তুনা (ফুরিৎনাচিংবা) য়াৎপা । 9. run away quickly, থুনা চেন্থিবা । 10. hit a ball quickly or sharply (in cricket, tennis, etc.), (ক্রিকেট্, টেনিস্নাচিংবদা) বোল্ ককথবা । **cut and dried,** already decided and ready, হান্নবা য়া লেপ্থোক্লবা অমসুং থোরাঙ্ তোত্নুনা লোইরবা । *n.* **cut,** act of cutting. **short cut,** a way across that shortens the distance, অশম্বা লম্বেল্ ।

cute (ক্যুট্) *adj.* 1. sharp-witted ; বুদ্ধি ফবা । 2. attractive ; শুঙ্কৎনীঙায়্ ওইবা । *adv.* **~ly.** *n.* **~ness.**

cuticle ('ক্যুটিকল্) *n.* outer layer of the hardened skin, কন্শিল্লবা উন্শাগী মপাম্বংবা শরুক্ ।

cutlass ('কট্লস্) *n.* swords with a curved blade, থাঙ্গোন্বী ।

cutler ['কটল(র্)] *n.* man who makes and repairs knives and other cutting tools ; ছুরি, থাঙ্নচিংবা শাবা অমসুং শেম্বা মী। *n.* **~y,** trade of a ~ ; implements used at table ; মহাক্কী শিন্সাম্ ; চাবদা শীজিন্নবা খুৎলাইশিং (চামচ্, ছুরিনচিংবা) ।

cutlet ('কট্লট্) *n.* slice of meat or fish for one person, মী অমা চানবা শদুম্ নত্রগা ঙা-মকক্ ।

cut-purse ('কট্পঅস্) *n.* pickpocket, ফুরিৎথাউ চপ্পা (মী) ।

cutter ['কট(র্)] *n.* 1. person or thing that cuts, (থাঙ্গুম্বনা) কক্লিবা মী নত্রগা পোৎ। 2. sailing vessel with one mast, মাস্তুল্ অমত্তা পান্বা জহাজ্ । ship's boat, জহাজ্দা য়াওবা হি ।

cut-throat ('কট্থ্রউট্) *n.* 1. murderer, মীহাৎপা মী। *adj.* murderous, মী হাৎনবা (ওইবা) ।

cutting ('কটিং) *n.* 1. unroofed passage dug through the ground ; লম্বী, রেল্লম্বী, ঈশিংথোংনচিংবগীদমক্ লৈপাক্তা ককপা মফম্ । 2. sth. cut from a news paper, পাউ চেনচিংবদগী কক্তুনা থম্বা শরুক্ । 3. short piece of the stem of a plant, used for growing a new plant, কোলোম্ শেম্নবা ককপা, পাম্বীগী মশা। 4. process of editing cinema films, tape recordings, etc. by cutting out unwanted parts ; ফিল্ম, টেপ্-রেকোর্ডনচিংবদগী পাম্দবা শরুক ককথৎপা। *part. adj.* (of words, etc.) wounding the feeling, (য়াহৈনচিংবা) মথোয়্শীকপা ।

Scanned by TapScanner

cuttle-fish ('কটল্-ফিশ্) *n.* sea-water animal with long arms ; মকোই অশাংবা পান্‌বা সমুদ্রগী জীব অমা।

cut-worm ('কট্‌ৱঅম) *n.* caterpillar that eats stems of young plants, পাম্বীমচাগী মউ চাথৎকন্‌বা তীন্‌থাক্ জাৎ অমা।

cyanide ('সাইঅনাইড্) *n.* poisonous compound substance, হুচেন্‌বা য়াম্ন-পোৎ (কম্পাউণ্ড) অমা : *potassium ~.*

cybernetics (সাইব'নেইটিক্স্) *n.* science of communication and control in machines and animals, মেচিন্ অমসুং জীবশিংবু থবক্ তৌহন্নবা অমসুং লাক্‌শিন্নবা বিজ্ঞান্। *adj.* **cybernetic.**

cyclamen ('সিক্লমন্) *n.* kinds of plant, with early-blooming flowers; ঙন্না শাৎপা লৈ-পাম্বী অমা।

cycle ('সাইকল্) *n.* 1. series of events taking place in a regular order ; চাংনাইনা অমসুং মথংমনাও কায়্‌দনা থোক্‌পা থৌদোক্‌শিংগী পরেং। 2. bicycle or motor-cycle ; একাগাড়ী ; মোটর্-সাইকল্। *v.i.* ride a bicycle, একাগাড়ী তোংবা। *adjs.* **cyclic ; cyclical.**

cyclist ('সাইক্লিস্ট্) *n.* rider of a cycle, একাগাড়ী তোংবা মী।

cyclone ('সাইক্লউন্) *n.* violent rotating windstorm, নোংলৈ-নুংশিৎ। *adj.* **cyclonic.**

cyclopaedia (সাইক্লউ'পীডিঅ) *n.* =encyclopaedia.

cyclostyle ('সাইক্লউস্টাইল্) *n.* apparatus for printing copies from a stencil ; স্টেন্সিল্ অমদগী (অইবা অমগী) কোপি ময়াম ছাপা নম্‌থোক্‌বা মেচিন্। *v.t.* reproduce (copies) with this, মেচিন্ অসুনা ছাপা নম্বা।

cyclotron ('সাইক্লউট্রোন্) *n.* apparatus used for producing electric particles used in nuclear research work, ন্যুক্লিয়ৰগী থিজিন্‌বদা শীজিন্নবা, খুৎলাই (যন্ত্র) অমা।

cyder ['সাইদ(র্)] =**cider.**

cygnet ('সিগ্নিট্) *n.* young swan, কাংঙো-মচা।

cylinder ['সিলিণ্ড(র্)] *n.* body shaped like pencil, (উতুপ্‌কী মওঙ্ মান্‌বা) মতুপ্। 2. ~-shaped chamber (in an engine) in which gas or steam works a piston, (ইঞ্জিন্‌গী) উতোং-মান্‌বা, পিস্তোন্‌বু থবক্ তৌহন্‌বা কা। *adj.* **cylindrical.**

cymbal ('সিম্বল্) *n.* one of a pair of round brass plates struck together to make clanging sounds ; ঝাল্ ; মাঙ্গঙ্ ; কোর্তাল্।

cynic ('সিনিক্) person who sees no good in anything and who has no belief in human progress ; person who shows this by sneering, অফবা অমত্তা উদ্রবা অমসুং মীওইবগী চাওখৎপদা থাজদ্রবা মীওই ; নোক্ক-চম্মদুনা ৱাখল্ অসি উৎলিবা মীওই। *adj.* **cynical.** *n.* **cynicism.**

cynosure ['সিনজ্যুঅ(র্)] *n.* centre of attraction ; মী খুদিংমক্কী পুক্নিং চিংশিন্‌ফম।

cypher ['সাইফ(র্)] *n.* cipher, শূন্য।

cypress ('সাইপ্রস্) *n.* evergreen tree, মনা শংহুনতা লৈবা উ অমা।

Cyrillic (সি'রিলিক্) *adj.* *~alphabet,* that used for Slavonic languages (e.g. Russia), সিরিলিক ময়েক্ (রুসিয়াগী স্লেভশিংগী)।

cyst (সিষ্ট্) *n.* hollow organ in the body containing liquid

Scanned by TapScanner

matter ; মহী-মাউ-বা পোং হাওবা, মরিম্ কোয়া, হকচাংনী ঙম্নি অমা।

czar [জা(র্)] *n.* (also tsar) emperor of Russia ; রুশিয়াগী নিংথৌরেল্ (মী অম)। *n. fem.* **~ina.**

Czech (চেক্) member of a branch of Slavs ; their language ; (রুশিয়াগী) স্লেভশিংগী শাখা অমগী মী ; মখোয়গী লোল্।

Czechoslovak ('চেকোস্লোভাক্) *n. & adj.* (native) of Czechoslovakia, চেকোস্লোভেকিয়াগী (মী)।

D

D, d (ডী) the fourth letter of the alphabet ; Roman numeral for 500 : ইংরেজগী মরিগুবা ময়েক্ ; রোমানগী ৫০০।

[1]**dab** (ডাব্) *v.t. & i.* touch, put on, lightly and gently ; হাংনা অমসুং তপ্না শোক্পা নত্রগা থপা। *n.* 1. small quantity (of paint) dabbed on, (লাই রেক্পনা) তপ্না শোক্লগা থাবা মচুগী হাম্লবা চাং। 2. application of sth. to a surface (without rubbing). পোং অমদা (হুক্পা নত্তনা) কয়িত্তবা অমা তপ্না হাপ্পা।

[2]**dab** (ডাব্) *n.* kind of flat fish, অপাক্পা ঙা মথক্ অমা।

[3]**dab** (ডাব্) *n.* adept, হাপ্পা হৈ-শিংলবা মী।

dabble ('ডাবল্) *v.t. & i.* 1. splash (hands, etc.) about in water ; ঈশিংদা খোউ, খুৎশা চংবা (অমোংপা কাওবা) হাইহোক্পা। 2. **~in (at),** (art, politics, etc.) engage in, as a hobby, not professionally ; (কলা, রাজনীতিকচিংদা) শিন্নদুম্ নত্তনা, চুম্না নুংঙাইহৌহনা পুক্নিং লুপ্পা। *n.* **~r.**

dace (ডেইস্) *n.* small fresh-water fish, ঈশিং ঙৌচম্লা লৈবা অপীক্পা ঙা।

dachshund ('ডাকশুন্ড্) *n.* small short-legged breed of dog, মখোং ভেম্বা, অপীক্পা হুই জাৎ অমা।

dacoit (ডাকোইৎ) *n.* armed robber, (খুৎলাই পায়রবা) ডাকু। *n.* **~y,** robbery, ডাকুগী থবক্।

dactyl ('ডাক্টিল্) *n.* a metrical foot, (শৈরেংগী) পদ অমা। *adj.* **~ic.**

dad (ডাড্), **daddy** (ডাডি) *n.* father, মপা। *n.* **daddylong--legs,** crane-fly, কয়িং জাৎ অমা।

daemon ('ডীমন্) *n.* demon, হিং-চাবা।

daffodil ('ডাফডিল্) *n.* a yellow flower, নাপুমচুগী লৈ অমা।

daft (ডাফ্ট্) *adj.* silly ; foolish ; reckless ; অপঙ্বা ; থওইনবা। *adv.* **~ly.**

dagger ['ডাগ(র্)] *n.* pointed, two-edged knife ; মতোন্-চুম্বা, নাক্-যেৎ ময়া পান্বা থাংগ-মচা।

dago ('ডেইগউ) *n.* (term of contempt for an) inhabitant of Southern Europe, খা-ইউরোপ্কী মী (থু নুংশিনবদা মীগী হিন্নবা হায়েং)।

daguerreotype (ডা'গেরটাইপ্) *n.* portrait taken in an early photographic process, থাং-নবী মনমনা নবা ফোটো।

dahlia ('ডেইলিঅ) *n.* garden flower plant, লৈকোল্গী লৈ-পাম্বী অমা।

daily ('ডেইলি) *adj. & adv.* done, happening, every day, নুমিৎগী (ওইবা)। *n.* 1. newspaper published every day, নুমিৎগী ফাওঙ্বা পাউ চে। 2. non resident woman servant, য়ুম্দা লৈতবী, মী-নাই-নুপী।

[1]**dainty** ('ডেইন্টি) *adj.* 1. pretty,

neat and delicate in appearance and tastes, ফজবা, তরু-তরুবা, যশক-মতৌ থোৎ-নৌবা। 2. rather difficult to please, ফেৎ-লাউগন্‌বদগী পেন্‌হন্‌বদা লুবা ; চীন্‌-হাও থিবা। 3. (of things) pretty ; delicate ; easily injured ; ফজবা ; থোৎ নৌবা ; কায়্‌গন্‌-শোকন্‌বা। 4. (of food) delicate and delicious, (চিঙ্গাক্) হাউবা। *adv.* **daintily,** *n.* **daintiness.**

²dainty ('ডেইন্টি) *n.* dainty morsel or dish of food, অহাউবা চথোয্ নত্রগা এঙ্গাং-মথেল্।

dairy ('ডেঅরি) *n.* building where milk is kept, and butter made or sold, শঙ্গোম্‌দগী ঘী শুংফম্ (শঙ্), নত্রগা মাত্থু য়োন্‌বা ডুকান্। **~-farm. ~ing, ~-farming,** the business of a ~-farm, ফার্মগী থবক্ (কার্‌বার্)।

dais ('ডেইইস্) *n.* platform (for a lecturer, etc.), (নিংথৌ, লেক্‌চর্ তৌবনচিংবগী) থরা তোঙ্খৎপা ফম্ফম্।

daisy ('ডেইজি) *n.* small white flower, অঙৌবা লৈ মচা অমা।

dak-bungalow (ডাক্'বঙ্গলউ) *n.* house for the use of government officials on tour, আফিসার্‌শিংনা টুর্ চৎপদা থুংনবা শঙ্।

dale (ডেইল্) *n.* (in poetry) valley, (শৈরেংদা) তম্পাক্। *n.* **~sman,** person who lives in ~s, তম্পাক্‌তা লৈবা মী।

dalliance ('ডেলিঅন্স্) *n.* trifling behaviour ; love-making for amusement ; করিস্নু লৈতবা (কাম্নদবা) নমচৎ-শাজৎ ; নুংঙাইথোক্লবা নুপা-নুপী কোয়্‌নবা।

dally ('ডেলি) *v.i.* & *t.* 1. trifle ; think idly about ; করিস্নু লৈতনা থম্মোক্‌পা ; করিগুম্বা অমগী মরম্‌দা তম্না রাথন্ তৌবা। 2. waste time ; মতম্ মাঙ্‌হন্‌বা।

¹dam (ডেম্) *n.* wall, built to keep back water and raise its level, থিঙেন্ ; ঈশিং শুগৎনবা থিংবা পল্। *v.t.* (-mm-) make a dam (across a valley, river, etc.), (তুরেল্দা) পল্ থিংবা। 2. hold back, (রাখল্‌বু) ফোঙ্‌দোক্লনা থাঙ্‌বা (থম্বা)।

²dam (ডেম্) *n.* (of four-footed animals) mother, (শাশিংগী) মমা।

damage ('ডেমিজ্) *n.* 1. harm or injury that causes loss of value, অমাঙ্-অতা ; অশোক্-অপন্। 2. (pl.) (law) money claimed from or paid by a person causing loss or injury, অমাঙ্-অতা থোক্‌হন্‌বগী (পীমু হায়্‌নুনা) তান্‌বা নত্রগা পীবা শেল্। *v.t.* cause ~ to, অমাঙ্-অতা থোক্‌হন্‌বা।

damascene ('ডেমসীন্) *adj.* of Damascus, ডমাস্কস্‌কী (ওইবা)।

damask ('ডেমস্ক্) *n.* 1. silk with designs in the reflection of light, মৈঙাল্না য়েৎবদা মযেক্ থোক্‌পা মুগা। 2. steel with a pattern of wavy lines ; ঈথক্ কাবগুম্বা লৈইশিং লৈবা ইস্পাৎ। 3. *~rose,* variety brought from Damascus, ডামস্কস্‌তগী পুরক্‌পা আতর্-গুলাপ্।

dame (ডেইম্) *n.* 1. married woman, মো। 2. (title of) woman who has been made a member of the order of the British Empire, বৃটিশ্ সম্রাজ্যগী থাক্ অমগী মেম্বর্ ওইরবী নুপী (মহাক্কী টাইটল্)।

damn (ডেম্) *v.t.* 1. (of God) condemn, (ঈশ্বর্‌না) দণ্ডিগী য়াথং পীবা (শাপ্ তৌবা)। 2. condemn that sb. or sth. is worthless, bad, etc. ; নিন্দা তৌবা ; (করিগুম্বরু,

Scanned by TapScanner

কনাগুম্বর্) তাথীনা ঙাঙ্বা। 3. *int.* used to express anger, অশাউ-বগী খোল্লাউ। *n.* negligible amount, কৈস্নৈতবা চাং। *adj.* ~able. *adv.* ~-ably. *n.* ~ation. *adj.* ~ed.

¹**damp** (ডেম্প্) *adj.* not thoroughly dry; moist, লৈনীনকাবা; ফজনা কংদবা। *n.* 1. state of being ~, চোৎলি-চোৎলি তৌব (গী মতৌ)। 2. **cast a ~ over,** cause objection and unhappiness, নুংঙাইতবা নত্রগা খোয়্যরাঙবা থোক্হন্বা। 3. dangerous gas in coal mines, কয়লাগী খনিদা থোক্কনবা খুদোংথীবা মনিল্ (গ্যাস্)। *adj.* ~**ish.** *adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

²**damp** (ড্যাম্প্) *v.t.* & *i.* 1. make damp, চোৎ-চোৎ লাউহন্বা; লৈনীন কাহন্বা। 2. (also *dampen*) make sad or dull, রাহন্বা; মক্শিন্হন্বা; হন্হন্বা। 3. ~**down,** make a fire burn more slowly, (মৈর্) খবা তপ্না চাক্হন্বা। 4. (of young plants) ~**off,** rot and die because of too much damp, (পাম্বী-মচা) চোৎমন্দুনা পুম্থনা শিবা। *n.* ~**er.**

dampen (ˈডেম্পন্) *v.t.* & *i.* see *damp* (v).

damsel (ˈডেম্জল্) *n.* girl, নৈশাবী।

damson (ˈড্যামজন্) *n.* (tree producing) small plum; অপীকৃপা, পোরোই (পাম্বী)।

¹**dance** (ডান্স্) *v.i.* & *t.* 1. move along in rhythmical steps, জগোই শাবা। 2. move in a lovely way, quickly, up and down; হরাউ- হরাউ, থুনা, হঙৎ-হন্দা চৎপা। 4. cause to dance, জগোই শাহন্বা। *n.* ~**er,** person who ~s, জগোই শাবা মী। *adj.* **dancing,** who ~s, জগোই শারিবা।

²**dance** (ডান্স্) *n.* movements and steps in time with music, জগোই। *n.* ~-**hall,** hall for public ~s, জগোইগী মাণ্ডব্।

dandelion (ˈডেণ্ডিলাইঅন্) *n.* small wild flower plant, লমলক্কী লৈ পাম্বী মচা অমা।

dander [ˈডেণ্ড(র্)] *n.* make one angry, (কনাগুম্বর্) শাউহন্বা। become angry, শাউবা।

dandle (ˈডেণ্ডল্) *v.t.* move (e.g. a child) up and down, অঙাং চোংবা।

dandruff (ˈডেন্ড্রফ্) *n.* scruf; (শম্গী) লূপো।

¹**dandy** (ˈডেণ্ডি) *n.* man who pays too much care to his clothes and appearance; মফি-মরোল্ অমসুং মশক্-মতৌদা কা-হেন্না চেক্শিন্বা মীওই। *adj.* **dandified.**

²**dandy** (ˈডেণ্ডি) *adj.* excellent, first-rate, য়াম্না ফবা (ফজবা)।

Dane (ডেইন্) *n.* native of Denmark, ডেন্মার্ক্কী মী।

danger [ˈডেইঞ্জ(র্)] *n.* chance of suffering, pain, injury or loss of life; খুদোংথীবা। *adj.* ~**ous.**

dangle (ˈডেঙ্গল্) *v.i.* & *t.* 1. hang or swing loosely; carry sth. so that it swings loosely; ঈকোম্-কোম্না য়ানবা নত্রগা হাইবা; করিগুম্বা য়ান্দুনা নত্রগা হাইদুনা পুবা। 2. remain near (sth. or sb.) hoping to obtain sth., পোৎ অমা ফংনবা কনাগুম্বগী মনাক্ নক্না লৈবা।

Daniel (ˈডেনিঅল্) *n.* upright judge in the Bible; বাইবলদা য়াওবা রায়েন্চুম্বা বিচার্পতি।

Danish (ˈডেইনিশ্) *adj.* & *n.* (language) of Danes, ডেন্শিংগী (লোল্)।

dank (ডেঙ্ক্) *adj.* damp in an unpleasant and unhealthy way,

Scanned by TapScanner

নুংঙাইহনবা নত্রগা হকচাং ফজবা মওঙ্-মা পোং-চোং লাউবা নত্রগা ফৈনৈন্-কাবা।

daphne ('ডাফ্‌নি) *n.* kinds of flowering shrub, লৈ-পাম্বী মচা অমা।

dapper ['ডাপ(র্)] *adj.* (of a small person) neat and smart in appearance, (অপীকপা মীনা) তক-তকপা অমসুং মশা-স্বীংবা।

dapple ('ডাপল্‌) *v.t.* mark, become marked, with rounded patches of different colour, অ-তোঞ্জা মচুনা বুক্ত থনবা। *adj.* **~-grey.**

¹**dare** ['ডেঅ(র্)] *anom. fin.* (*p.t.* ~*d or durst*) 1. be brave enough to, মতীকচানা (ওক্নবা) থোনাফবা। 2. be impudent enough to; অকাইবা খঙ্‌লবমথৈ বেআর্ লৈতবা। 3. I **~ say,** it seems to me probable; ঐদি মাদু ওইরবোই নীংই; ঐনা চাউথোক্না হায়রিবসিনি।

²**dare** ['ডেঅ(র্)] *v.t.* & *i.* 1. to be brave enough to, মতীকচানা থোনা কবা। 2. face; take the risk of; মাইয়াক য়াবা; (থবক্ তৌবগী) অরাবদু লোগে হায়না য়াবা। 3. challenge; suggest that a person has not the courage or ability (to do sth.); শীংনবা; (মী অমগী) থোনা নত্রগা শক্তি লৈতে হায়বা উৎপা (তাক্‌পা)। *n.* & *adj.* **~-devil,** (person who is) foolishly bold, অপঙ্‌-থোনাগী (মী)।

daring ('ডেঅরিং) *n.* adventuring courage, মীনা ওয়দবা থবক্ পাঙ্‌-থোক্‌পা থোনা।

¹**dark** (ডাক্) *adj.* 1. with no light, অমম্বা। 2. (of the skin) not fair, (কুচু) ফজদবা (অমুবা)। 3. hidden; mysterious; লোংতুনা লৈবা; অ-ওকপা (খঙ্‌বা ওয়দবা)। 4. (of colour) not reflecting much light; nearer black than white; (মচু) মংনবা (=মকশিনবা); মুবৈনবা। 5. hopeless; sad; cheerless; নীংবকাহ্‌বা; অরাবা; হৰ উ হরাউ-দবা; ফত্তবা। 6. unenlightened (morally); মতৌ ফংনবা অমসুং চাওখত্তবা। 7. not clear in the mind, তাংনংনা খঙ্‌দবা। *adv.* **~ly.** *n.* **~ness.**

²**dark** (ডাক্) *n.* 1. absence of light, অমম্বা। 2. ignorance, খঙ্‌দবা।

darken ('ডাকন্) *v.t.* & *i.* make or become dark; মমশিল্লকপা, মম-শিলহনবা: *Clouds ~ the sky.*

darksome ('ডাকসম্) *adj.* dark; gloomy; অমম্বা; থরায়্ নুংঙাইতবা।

darling ('ডালিং) *n.* 1. person very much loved, য়াম্না নুংশিবা মীনত্রগা পোৎ। 2. (attrib.) charming; delightful; শুক্নংলবা; পুক্নিং নুংঙাইবা।

darn (ডান্) *v.t.* & *i.* mend (e.g. a sock) by knitting; (মোজা-শুমগী শেগায়্‌বদু) লোন্দুনা শেম্বা (= ফোংপা)। *n.* place mended by **~ing.** (মোজা শেগায়্‌বা) লোন্দুনা ফোংপা মফম্। *n.* **~ing.**

¹**dart** (ডাট্) *v.i.* & *t.* (cause to) move forward suddenly and quickly; খঙ্‌হৌদনা অমসুং থুনা চেনশিনবা নত্রগা চেনশিলহনবা; খঙ্‌-হৌদনা অমসুং থুনা থাদোরকপা (থোক্-হল্লকপা)।

²**dart** (ডাট্) *n.* 1. quick; sudden, forward movement, থুনা অমসুং খঙ্‌হৌদনা মাঙ্‌লোমদা চেনশিনবা। 2. small sharp pointed weapon to be thrown at a target in the game called darts, ডাটস্ কৌবা মশান্না অমগী থারিবা মশীংশিং অত্থা পান্নবা হুনবা মচীন্-তুম্বা পোৎ।

Darwinian ('ডারিনিঅন) *adj.* of Charles Darwin and his theory of evolution. জীব মযাম অসি অমদগী অমদা অসুম ওলকপনি হায়বা চার্লস্ ডারৱিনগী খিওরিগী (ওইবা)।

[1]**dash** (ডোশ্) *v.t. & i.* 1. send or throw violently. কয়া হুন্ৱা নত্তগা লংবা। ~**sth. off,** write or draw sth. quickly; করিগুম্বা অমা থুনা ইবা নত্রগা য়েকপা। 2. destroy; discourage. মাঙ্হনবা; পুক্নিং হঙ্হনবা। 3. damn; চৈবা। *adj.* ~**ing,** lively; full of energy; চঙ্-চঙ্ লাউবা; মশা-থীংবা। *adv.* ~**ingly.**

[2]**dash** (ডোশ্) *n.* 1. sudden rush; violent movement; খংচেন্ চেন্-শিন্বা; শাফুকম্না চৎপা। 2. (sound of) liquid striking sth. or being thrown or struck, মহৈনা করিগুম্বা অমদা য়ৈবা, পাল্লুব (গী খোল্লেল্)। 3. small amount of sth. added or mixed, হাপ্-চিন্-খিবা নত্রগা য়ান্শিন্খ্রিবা পোৎকী অ-পীকপা চাং। 4. punctuation mark for a short stop, used in writing; ইবদা শীজিন্নবা, ওহাক্তং লেপ্পা খঙ্নবা খুদম (—)। 5. short race, অতেন্বা লমজেল্ (তান্নবা)। 6. (capacity for) vigorous action; energy; অকন্বা থবক্ (তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল); থোনা অমসুং পাঙ্গল্। ~**board,** screen on the front part of a wagon to protect mud; লৈখোম চোংখৎলকনবা গাড়ীগী মমাঙ্থংবা শরক্তা হাপ্পা মপাক্।

dastard ('ডোস্টড্) *n.* bully; brutal coward; তম্থীবা মীকিথি। *adj.* ~**ly.**

data ('ডেইট) *n. pl.* things certainly known (and from which conclusions may be drawn); অচুম্বা (মাতুদগী ৱারোই অমা খঙ্ব-স্রাবা) ৱাফমশিং।

[1]**date** (ডেইট্) *n.* 1. statement of the time (day, month and year), তারীখ্। 2. period of time, esp. one to which antiquities belong; মরুওইনা লিরবা খোদোকশিংনা লোকখিবা মতম। 3. **out of** ~, no longer used; old-fashioned; হৌজিক চৎনদ্রবা। **up to** ~, in line with what is now known or used, হৌজিক-হৌজিক চৎনরিবা। 4. appointment; মফম, মতম্ ককচনা উনব (গী থোরাঙ্)। *adj.* ~**less;** immemorial; নীংশিংবা ঙমদ্রবা মতমগী (ওইবা)।

[2]**date** (ডেইট) *v.t. & i.* 1. have or put a date on, (চিঠিনচিংবদা) তারীখ্ থাবা। 2. give a date to sth., থোকখিবা খোদোক্ অমগী মতম (তারীখ্) লেপ্পা। 3. ~**from,** ~**back to,** have existed since, মতম্ অতুদগী লৈরক্লবনি। 4. show signs of becoming out of date, চৎনরক্তবগী খুদম উৎলকপা। 5. make a date with sb.; মফম, মতম্ ককচুনা উনবা। *adj.* **dated.**

[3]**date** (ডেইট্) *n.* fruit of the date-palm; খজুর্; থাঙ্তুপ্।

dative ('ডেইটিব্) *n.* indirect object তা লৈবা রাহৈগী মওঙ্।

datum ('ডেইটম্) *n. sing.* of *data.*

daub (ডোওব্) *v.t. & i.* 1. put (paint, plaster) roughly on a surface, লৈমায় অমদা (মচু, প্লাষ্টর্-নচিংবা) হাইরপ্ হাইবা। 2. paint (pictures) without skill or artistry, (অয়েকপা লাইদা) মচু কক্ত-দনা নত্রগা হৈ-শিংদনা থাব। 3. make dirty, মোৎহনবা। *n.* 1. ~**er.** *n.* 1. (covering of) soft, sticky material; অথোৎপা, নপ্-নপ্ লাউবা পোৎ (কী কুয়োম)। 2. badly painted picture, ফজদনা য়েকপা লাই।

daughter ['ডোওট(র্)] *n.* one's

Scanned by TapScanner

female child, মচান্নুপী। ~-in-law, one's son's wife, মমৌ।

daunt (ডোণ্ট্) *v.t.* discourage, পুক্নিং হস্থহনবা। *adj.* ~**less.** *adv.* ~**lessly.**

dauphin ('ডোওফিন্) *n.* title of the king of France's eldest son, ফ্রান্স্কী নিংথৌগী মচানুপা অহল্নগী কম্।

davenport ('ডেভনপোওট্) *n.* 1. writing desk, লাইরিক্ ইনবা ডেস্ক। 2. long seat for two or three persons, মী অনী-অহুম ফম্নবা অশাং-বা ফফম্।

davit ('ডেভিট্) *n.* curved metal arms supporting a ship's boat, জহাজ্গী হি থম্নবা, ধাতুগী কালোক্।

daw (ডোও) *n.* jackdaw, অপীকৃপা কাক্ অমা।

dawdle ('ডোওডল্) *v.i.* & *t.* ~**away,** be slow; waste time; তপ্পা; মতম মাঙ্হন্নবা। *n.* ~**r.**

[1]**dawn** (ডোওন্) *n.* 1. first light of day; daybreak; নুমিৎ থোক্তি-ন্ডৈগী অয়ুক্; নোংঙান্নবা। 2. beginning; (থবক্) হৌরক্পা।

[2]**dawn** (ডোওন্) *v.i.* 1. begin to grow light, নোংঙান্নবা। 2. ~**on (upon),** begin to appear; grow clear to the mind; মশক্ উরক্পা; পুক্নিংদা তশেং তশেংনা খঙ্লক্পা।

day (ডেই) *n.* 1. time between sunrise and sunset, নুংথিল্। 2. period of twentyfour hours; নোংমা। **the ~ before yesterday,** নহান্। **the ~ after tomorrow,** হংচিৎ। **~ after ~; for many ~s together,** নুমিৎ কয়ানিমুক চুপ্পা। **day in, day out,** continuously, লেপ্তনা। **the other day,** a few days ago, নহান্। 3. the hours of the day given to work, নোংম-গী থবক্ তৌবা পুং। **in these ~s,** nowadays, হৌজিক্কান্দা। 5. life time; period of success, power, glory, etc.; পুন্সিগী মতম; নুংঙাই-য়াইফরিবগী মতম। 6. contest; চাং য়েংনবা; হেন্নবা তান্নবা। *v.i.* & *n.* **day-dream,** (have) idle and pleasant thoughts, অতন্নবা অমসুং নুংঙাইবা বাখল্ (দা মতম লেপ্তোক্পা)। **day-labourer,** one who is hired by the day, নোংমগী ওইনা নেক্পা (থবক্-শূবা) মী। *adj.* & *adv.* **day-long,** lasting for the whole day, নুমিৎচুপ্পা (তৌবা)।

daylight ('ডেইলাইট্) *n.* 1. light of day, নুংথিল্-পোবোপ্ (মমগ্রিগী মতম): 2. dawn, (নুমিৎ থোক্তিন্ডৈগী) অয়ুক্ অঙনবা।

daze (ডেইজ্) *v.t.* make sb. feel stupid or unable to think clearly, (কনাগুম্ববু) জ্ঞান্ মাঙ্হনবা নত্রগা বাখল্ নীংথিনা খন্বা ঙমহন্দবা। *n.* **in a ~,** in a bewildered condition, জ্ঞান্ মাঙ্বা ফীভম্দা। *adv.* ~**dly.**

dazzle ('ডেজল্) *v.t.* make sb. unable to see clearly because of too much light or brilliance, (মঙাল্লা) মীৎ থক্হন্বা। *n.* glitter; জিরং-লংবা মঙাল্।

deacon ('ডীকন্) *n.* minister or officer in certain Christian churches, below bishop; বি-শোপ্কী মখাদা লৈবা, গীর্জাগী আ-ফিসার্ নত্রগা মন্ত্রী। *n. fem.* ~ *ess.*

dead (ডেড্) *adj.* 1. no longer living, শিরবা। 2. never having had life, মথায় পান্দবা। 3. without movement or activity, লেঙ্দ্রবা; মশা থীং-থীং লাউদ্রবা। 4. (of languages, letters, customs, etc.) no longer used, (লোল্, ময়েক, চৎনবীনচিংবা) হৌজিক চৎনদ্রবা। 5. (of the hands, etc.) numbed (e.g. by cold); unable

Scanned by TapScanner

to feel anything, (খুৎনচিংবা ঈংব-ঙুম্বন) পঙ্‌থরবা ; শোকপদা কাওদ্রবা। 6. complete ; abrupt ; exact ; মপুংফাবরা ; ঈখঙ্‌-খঙ্‌হোদবা ; চপ্‌-চাবা। 7. (of sounds) dull, heavy; (of colours) lacking brilliance, (of surface) rough or not smooth ; (খোঙ্গেল্‌) য়াক্লবা অমমুং তুম্লবা ; (মচু) ঙান্দবা (=মকৃশিন্‌বা) ; (লৈমায়্‌) অকৃৎ-অতোঙ্‌ নাইবা। ~line, fixed limit of time for finishing a piece of work, থবক্‌ অমা লোইনবা অককৃবা মতম্‌। *n.* & *adj.* ~-pan, immobile, expressionless (look, face) ; লেঙ্‌দ্রবা (চপ্‌-য়ুংব্রবা), অর্থ য়াওদ্রবা (মায়্থোং, মীৎয়েং)। ~set, determined and deliberate attack on sb. ; কনা-গুম্বগী মথক্তা অনীংবা অমগা লোয়্‌ন-না লান্দাবা। *adv.* completely ; thoroughly, মপুংফানা ; মমুং-তানা। *v.t.* ~en.

deadlock ('ডেড্‌লোক্‌) *n.* complete failure to reach agreement, to settle a quarrel ; (খৎনবা, য়েৎনবা) য়ানবা অমদা পুরকৃপা সুকৃঙম্‌-ঙমদবা ; রা লেপ্পবা ঙমদবা।

deadly ('ডেড্‌লি) *adj.* 1. causing, likely to cause, death ; শিবয়াবা : ~*weapons*. 2. hateful, তুক্কচরবা। 3. that may be condemned; মরাল্‌ পীনীঙাই ওইবা। 4. like that of death ; অশিবা মান্‌বা। ~*pale*.

deaf (ডেফ্‌) *adj.* 1. unable to hear at all ; না-পঙ্‌বা। 2. ~**to**, unwilling to listen ; তানীংদবা ; তাশিন্নদবা। *n.* ~**ness**.

deafen ('ডেফন্‌) *v.t.* make so much noise that hearing is difficult or impossible ; নাকোং য়েৈশিন্‌বা নত্রগা পঙ্‌শিল্‌হন্‌বা।

[1]**deal** (ডীল্‌) *n.* (board of) fir or pine wood, হৈবোং নত্রগা উচান্‌ (গী উপাক্‌)।

[2]**deal** (ডীল্‌) *v.t.* & *i* (*p.t.* & *p.p.* **dealt**) : 1. give out sth. to a number of persons, মী কয়ামুক্তা (পোৎ) পীখোক্‌পা। ~**sb. a blow,** ~**a blow at sb.**, hit, কনাগুম্বনু ফুবা। 2. ~**in (with)**, do business, লল্লোন্‌-ঈতিক তৌবা। 3. ~**with,** (a) have relations with, মরী লৈনবা ; লোয়্‌নবা। (b) behave towards; treat, (কনাগুম্বনা) লম্‌চৎ চৎপা। (c) (of affairs) manage ; attend to, শীল্লাঙ্‌বা ; পুক্নিং চঙ্‌বা। (d) be about ; be concerned with : মরী লৈনবা ; লৈনবা।

[3]**deal** (ডীল্‌) *n.* **a great (good) deal**, a large and considerable quantity ; quite a lot, অয়াম্বা চাং ; অয়াম্বা। *adv.* very much, য়াম্না।

[4]**deal** (ডীল্‌) *n.* 1. business agreement ; bargain ; কার্‌বার্‌গী য়া-রেপ্পবা (য়া-নবা) ; মমল্‌ লেপ্পবা : 2. distribution of playing cards, (চেবায়্‌বনা) তাস্‌ য়েন্‌বা।

dealer ['ডীল(র্‌)] *n.* 1. trader, লল্লোন্‌বা মী। 2. person who deals out playing cards, (তাস্‌-কী) চেবায়্‌বা।

dealing ('ডীলিং) *n.* 1. distributing ; behaviour towards others ; (ময়ামদা) য়েন্থোক্‌পা ; অ-তৈগী মফমদা চৎপা লম্‌চৎ। 2. (*pl.*) business relations, কার্‌বার্‌গী লৈনবা মরী।

dealt (ডেল্ট্‌) *p.t.* & *p.p.* of *deal*.

dean (ডীন্‌) *n.* 1. clergyman at the head of a cathedral chapter, গীর্জাগী পুরোহিত্‌ মকোক্‌। 2. 2. (in some universities) person with authority to maintain discipline, (বিশ্ববিদ্যালয়্‌ খরদা) থকৃশি-থাশিগী খো পুবা আফিসার্‌। head of department of studies,

Scanned by TapScanner

বিষয়্ অমগী ওজাশিংগী মকোক্। *n.* ~ **ery.**

dear [ডিঅ(র্)] *adj.* 1. loved ; lovable, নুংশিবা। 2. high in price ; (of a shop) asking high prices, মমল্-তাংবা ; (দুকান্) তাঙ্-না য়োন্বা। *n.* 1. lovable person, নুংশিবা মী। 2. (used to address a person—মী অমবু কৌবদা শীজিন্নৈ) : *Come in, my ~ ! adv.* ~**ly.** *n.* ~**ness.**

dearth (ডঅর্থ্) *n.* scarcity ; too small a supply (of), তাঙ্বা (=ঈরৈ-লৈতবা) ; য়াম্মন্দবা।

deary, dearie ('ডিঅরি) *n.* dear one ; darling ; নুংশিবা (মীশক্)।

death (ডেথ্) *n.* 1. dying ; ending of life ; শিবা ; পুন্সি লোইবা। ~**-bed,** one on which one dies, কনাগুম্বনা শিবদা হৌপ্পা ফমুং। ~**rate,** yearly number of ~s, চহীদা শিবগী চাং। **put sb. to ~,** kill him, হাংপা। ~**roll,** list of persons killed (in war, disease, etc.), (লাল্, অনাবনচিংবনা) শিখিবা মীশিংগী মমিং অমসুং মশীং ইবা চে। 2. destruction ; end ; অমাঙ্-অতা ; অরোইবা।

deathless ('ডেথ্লস্) *adj.* never forgotten, immortal, শিবনাইদ্রবা (অমর্) ; কাউওদ্রবা।

deathlike ('ডেথ্লাইক্) *adj.* like that of death, শিবমান্বা।

deathly ('ডেথ্লি) *adj.* like death ; শিবগুম্বা ; শিবমান্বা। *adv.* like death, শিবগুম্না।

debacle (ডেই'বাকল্) *n.* stampede ; sudden and great disaster ; downfall ; কিবনা চরাঙ্নদুনা খংচেন্-চেন্শিন্বা ; ঈখঙ্-খঙ্হোদবা তমথীবা থোদোক্, লৈখাতাবা।

debar [ডি'বা(র্)] *v.t.* prevent (sb.) by a regulation ; (কনাগুম্ববু করিগুম্বা অমা তৌবদগী) আইন্না থিংবা।

debark (ডি'বাক্) *v.t. & i.* disembark, (জহাজ্দগী) কংকান্দা কাবা।

debase (ডি'বেইস্) *v. t.* make lower in value, poorer in quality, character, etc. ; মমল্, মগুন্নচিংবা হন্থহন্বা। *n.* ~**ment.**

debate (ডি'বেইট্) *n.* discussion (esp. in a meeting or in a Parliament), (মিটিং, আইন্সভানচিংবদা) মরৈ য়েংনবা। *v.t. & i.* have a ~about ; take part in a ~ ; মরৈ য়েংনবা ; অফ ফত্ত (অচুম্-চুমদ) খন্নবা ; য়েংনবদা য়াওবা। *n.* **debater.** *adj.* **debatable.**

debauch (ডি'বোওচ্) *v.t.* cause sb. to lose virtue, turn sb. away from good taste or judgement ; কনাগুম্ববু ধর্ম্ম মাঙ্হনবা ; অচুম্বা রাখল্ নত্রগা অফবা ফক্সেংচাক্চা থাদোক্হনবা। *n.* excessive drinking, immoral behaviour ; কা-হেন্না য়ু থক্পা ; লম্চং ফত্তবা চংপা। *n.* ~**ery.**

debbi ('ডেবি) *n.* four gallon petrol tin, গ্যালোন্ মরি চন্বা, পেট্রোল্ টিন্।

debenture [ডি'বেঞ্চ(র্)] *n.* certificate given by business corporation, etc., as a receipt for money lent at a fixed rate of interest ; কার্বার্গী কাঙ্বু (সংস্থান্) অমদা (অকক্লবা শেন্দোই কাথুন) শেল্ পুথোক্পগী মাতুনা পীবা শেল্গী রসিদ্।

debility (ডি'বিলটি) *n.* weakness (of health, purpose), (হক্চাং, আশা) শোন্থবা। *v.t.* **debilitate,** cause ~, শোন্থহন্বা।

debit ('ডেবিট্) *n.* 1. entry (in an account) of a sum owing, (হিসাব্ বইদা) মীওোন্দা পীখিগদবা শেল্

ইশিন্‌বা। 2. (~ side) left-hand side of an account, on which such entries are made ; অসিগুম্বা হিসাব্ ইরিবা, হিসাব্ বইগী ওয়্‌রোম্‌থংবা নাকন্। *v.t.* put on the ~ side of an account, হিসাব্ বইগী ওয়্‌রোম্ থংবা নাকন্দা হাপ্‌চিন্‌বা।

debonair [ডেব'নেঅ(র্)] *adj.* bright and light-hearted ; হরাউ-হরাউবা ; থম্মোই মকারাম্বা।

debris ('ডেইব্রী) *n.* scattered broken pieces , wreckage ; ঈচোইচোইবা অকায়্‌বা মচেৎশিং ; অকায়্‌অতোই।

debt (ডেট্) *n.* payment which must be, but has not yet been, made to sb. ; লমল্ ; শেন্দোল্। **in (out of) ~.** owing (not owing) money, শেন্ তোন্‌বা (তোন্দবা)। **National D ~**, money owed by the state, সর্‌কারনা তোন্‌বা শেল্।

debtor ['ডেট(র্)] *n.* person who owes, লমন্ তোন্নিবা মী।

debunk (ডী'বঙ্ক্) *v.t.* reveal the truth about sb. or sth. by removing false idea, অরান্‌বা ৱাখল্ কোক্‌হন্দুনা অচুম্বচু কোঙ্‌দোক্‌পা।

debut ('ডেইব্যু) *n.* (of a young woman) first appearance at social events ; (of an actor, etc.) first appearance on a public stage ; (লেশাবী মচানা) সমাজগী থৌদোক্তা ঈহান্ হান্না মীমাঙ্‌থোক্‌পা ; (এক্টর্‌নচিংবনা) ঈহান্ হান্না ষ্টেজ্‌দা কৃম্বা। *n.* debutante, girl who makes ~, অহুঙ্বী লৈশাবী।

decade ('ডেকেইড্) *n.* period of ten years, চহী তরা (চহী মতম্)।

decadence ('ডেকডন্স্) *n.* falling to a lower level (after a period at a high level) ; (য়াম্না চাওথংলুরগা) লৈথাতাবা। *adj. & n.* **decadent,** (person) in ~, লৈথাতারবা মী।

decalogue ('ডেকলোগ্) *n.* the ten Commandments, (বাইবলগী) মোসেসকী য়াথং (হুকুম) তরা।

decamp (ডি'ক্যাম্প্) *v.i.* go away suddenly and secretly ; শঙ্‌হৌদনা, লোয়্না চথোক্‌খিবা।

decant (ডি'ক্যান্ট্) *v.t.* pour (wine, etc.) into a vessel so as not to disturb the sediment, (য়ুনচিংবরু) মনীংদা ফম্লিবচু ওৎথায়্‌দনা পাত্র অমদা তপ্না হৈজিন্‌বা। *n.* **~er,** vessel into which wine is ~ed, য়ুরু (মনীংগী) অমোৎপা য়াওদনবা চিথোক্‌তুনা হৈদোক্লবা পাত্র। *n.* process of ~ ing.

decapitate (ডি'ক্যাপিটেইট্) *n.* behead (esp. as a legal punishment), ওক্ ককপা (আইন্‌গী চৈরাক্)। *n.* **decapitation.**

decarbonize (ডী'কাবনাইজ্) *v.t.* remove carbon from, কার্বোন্ লৌথোক্‌পা।

decasyllable ('ডেকসিলবল্) *n.* line of ten syllables, খোন্থোক্ তরা লৈবা (ৱাহৈশিংগী) পরেং। *adj.* **decasyllabic.**

decay (ডি'কেই) *v.i.* go bad ; lose power, health ; ফৎলক্তবা ; পাঙ্গল্, হক্‌চাং মাঙ্‌থরক্‌পা। *n.* decaying.

decease (ডি'সীস্) *n.* (esp. legal) (a person's) death, (মী অমগী) শিবা। *v.i.* die, শিবা।

deceipt (ডি'সীট্) *n.* 1. deceiving ; লোনম্বা। 2. trick, lie, তাৎ, মীনম্বা।

deceitful (ডি'সীট্‌ফল্) *n.* 1. in the habit of deceiving, লোনম্-চাউবা। 2. intended to deceive ; লোনম্ তৌগে নীংবা। ~ *words (acting).*

deceive (ডি'সীব্) *v.t.* cause sb. to believe sth. false ; লোনম্বা।

n. ~r, person who ~s, লোনম তৌবা মী। *n.* deception.

decelerate (ডী'সেলরেইট্) *v.t.* & *i.* (cause to) diminish speed, (গাড়ীগুম্বগী) খোঙ্ জেল্ হন্থহনবা।

December [ডি'সেম্ব(র্)] *n.* twelfth month of the English year, ইংরেজগী চহীগী ১২শুবা থা।

decent ('ডীসন্ট্) *adj.* 1. right and suitable ; respectable ; মচুতাবা ; অচুম্বা অমসুং (সমাজগা) চুনবা ; ইকাই-খুম্নবদা মতৌকচাবা। 2. modest ; লোল্লুকপা ; চাউখোক্তবা। 3. likeable ; satisfactory ; ময়াম্না পাম্নবা (নুংশিনবা) ; অপেনবা। *adv.* ~ly, in a ~ manner, মচুতানা। *n.* decency.

decentralize (ডী'সেন্ট্রলাইজ্) *v.t.* give greater powers to (places, away from the centre), (কেন্দ্রদগী লাপ্না লম-লমগী সর্কার্দা) শক্তি হেন্না পীবা। *n.* decentralization.

deceptive (ডি'সেপ্টিব্) *adj.* deceiving, লোনম তৌরিবা : *Appearances are often ~.* *adv.* ~ly.

decibel ('ডেসিবেল্) *n.* unit for measuring the loudness of sound, খোজেলগী অহোৎবা ওন্নবা চাং।

decide (ডি'সাইড্) *v.t.* & *i.* 1. settle (a question or a doubt) ; (ৱাখোক্ নত্রগা চিংনবা অমবু) ৱা লেপ্পা। 2. give a judgement, অচুম্বা ৱারেপ্ তাবা। 3. think about and come to conclusion ; resolve ; ৱাখন্ তৌরগা ৱারোই অমদা লাকপা ; পুক্নিং লেপ্পা নত্রগা চপ্ থুংবা। 4. cause to ~, ৱা লেপ্হনবা, ৱারেপ্ তাহন্বা : *n.* decision.

decided (ডি'সাইডড্) *adj.* 1. clear ; definite ; তশেং-তশেংলবা ; অককবা, অরেপ্পা। 2. (of persons) having ~ opinions ; determined ; (মী) অরেপ্পা মোৎ লৈবা : পুক্নিং লেপ্পবা ; পুক্নিং হুংলবা। *adv.* ~ly, definitely ; undoubtedly, অরেপ্পা ওইনা, চিংনবা লৈতনা।

deciduous (ডি'সিড্যুঅস্) *adj.* (of trees) losing their leaves regularly in autumn, (উপিং) শরৎ ঋতুদা মনা কেনবা : *~forests.*

decimal ('ডেসিমল্) *adj.* of tens or one-tenths, তরাগী নত্রগা তরা খোকপগী (ওইবা) ; *the ~ system.* *v.t.* ~ize, change to a ~ system, তরা খোকপগী পথাপ্তা ওন্থোকপা : *n.* ~ization.

decimate ('ডেসিমেইট্) *v.t.* kill or destroy larger part of ; খরা চাউবা শরুক মাঙ্হনবা।

decipher [ডি'সাইফ(র্)] *v.t.* find the meaning of (sth. written in cipher), (খঙ্দবা ময়েক্না, ইরৎথ) পাবা অমসুং অর্থ পুথোকপা। *adj.* ~able, that can be ~ed ; অহ্ন-গুম্বতু অর্থ পুথোকপা ঙম্বা (য়াবা)।

decisive (ডি'সাইসিব্) *adj.* 1. having a decided result, ৱারেপ্পিডায় ওইবা। 2. definite, অরেপ্পা নত্রগা অককবা (ওইবা)। *adv.* ~ly.

1deck (ডেক্) *n.* 1. floors of a ship, হীগী থাক্। ~-passenger, one on the ~, who does not use a cabin, হীগী থাক্তা তোংবা পেসেঞ্জর্। 2. floor of a bus, বস্-গাড়ীগী মথোং : *a single ~ bus.* 3. pack of playing cards, তাস্ চেবু অমা। *n.* ~er, *a three-~er,* ship with three ~s, হীগী থাক্ (=মরোল্) অহুম লৈবা জহাজ্।

2deck (ডেক্) *v.t.* decorate (with) ; লৈতেংবা। 2. provide (a ship, boat) with a deck, (হি, জহাজদা) হীগী থাক্ হাপ্পা।

deckle-edged (ডেকল্'এজড্) *adj.* (of paper) having untrimmed edges, (চে) মপান্ চপ্থোক্তবা।

declaim (ডি'ক্লেইম) *v.i.* & *t.* 1. attack in words ; (কন্নাগুম্বদা) থীনা চৈবা। 2. speak addressing an audience ; recite a poem ; ভাবোক্পু কোঁহ্নুনা রা ঙাঙ্বা ; শৈরেং থীবা। *n.* **declamation.** *adj.* **declamatory,** ~ing, (রাঙাঙ্, খোন্) অয়াক্পা।

declaration (ডেক্লা'রেইশন্) *n.* declaring ; (ময়ামদা) লাউথোক্পা।

declare [ডি'ক্লেঅ(র্)] *v.t.* & *i* 1. make known publicly and clearly, (ময়ামদা খঙ্নবা) লাউথোক্পা। 2. say solemnly ; রাশক্তনা হায়্বা। *adj.* **declarable.**

declassify (ডী'ক্ল্যাসিফাই) *v.t.* remove secret from, (মরুওইনা অরোন্বা) লৌথোক্পা। *n.* **declassification.**

declination (ডেক্লি'নেইশন্) *n.* deviation of the needle of a compass, E or W from the true north, কোম্পাস্কী য়েত্তুম মতোন্না অৱাং অশেংবদগী নোংপোক্ নত্রগা নোংচুপ্তা হাইদোক্পা (থৈদোক্পা)।

decline (ডি'ক্লাইন্) *v.t., i.* & *n.* 1. refuse sth. offered ; অপীবা পোৎ লৌ হায়্বা য়াদবা। 2. become smaller, weaker, lower ; পীক্থরক্পা, শোন্থরক্পা, লৈখা তারক্পা। 3. (of the sun) go down, (নুমিৎনা) তাথবা। 4. (gram.) give the cases of (a word), (ব্যাক:) রাহৈ অমগী কারক পীবা (=তাক্পা)। *n.* **declension.**

declivity (ডি'ক্লিবটি) *n.* downward slope, (মখারোমদা) ঙমথবা।

declutch (ডী'ক্লচ্) *v.i.* disconnect the clutch for changing gear, (হরাগাড়ীগী) গিয়র্ হোংনবা ক্লচ্ কাওবা।

decode (ডী'কউড্) *v.t.* get the meaning of (sth. in code), (আহেন্গী লাইয়িক্তা ইরিবগী) অর্থ তাক্পা।

decollete (ডেই'কোল্টেই) *adj.* (of a gown) leaving the neck and shoulders uncovered ; (of a woman) wearing such a gown ; (নুপীগী ফিজেৎ) ঙক্কা লেংবান্গা কুপ্তবা ; (নুপী) ফিজেৎ অদু শেৎপী।

decompose (ডীকম্'পউজ্) *v.t.* & *i.* 1. separate (a substance), into its parts, (পোৎ অমবু) শরুক্শিং থোক্না থুগায়্বা (=থাম্বদোক্পা)। 2. decay ; পথ্-পুমথবা ; পথ্-পুমথহন্বা ; মাঙ্থরক্পা। *n.* **decomposition.**

decontaminate (ডীকন্'ট্যামিনেইট্) *v. t.* remove contamination from, (হু-চেন্বা গ্যাস্নচিংবনা) শোক্হন্বদু কোক্হন্বা। *n.* **contamination.**

decontrol (ডীকন্'ট্রউল্) *v.t.* (-ll-) & *n.* release from control, (লম্) হেল্হন্দনবা থিংজুনা থম্লবদু থাদোক্পা (থুদম্দি—সর্কার্না পোৎকী মমল্ লেপ্লবদু লৌথোক্পা।

decor ['ডেইকোও(র্)] *n.* all that makes up the general appearance, মশক্-মওঙ্ অদু তাহল্লক্লিবা পোৎ পুম্নমক্।

decorate ('ডেকরেইট্) *v.t.* make (more) beautiful by placing adornments on or in ; লৈতেংবা। *n.* **decoration.** *adj.* **decorative.**

decorator ['ডেকরেইট(র্)] *n.* workman who decorates houses ; য়ুম-কৈ লৈতেংবগী থবক্ তৌবা মী।

decorous ('ডেকরস্) *adj.* not offending good taste or conventional behaviour ; হৌন-লমচৎ কায়্দবা ; ময়াম্না পাম্বা।

decorum (ডি'কোওরম্) *n.* right and proper behaviour, as required by social custom ; সমাজ্দা চৎনবা শাজৎ-লীচৎ।

decoy ('ডীকোওই) *n.* 1. (real or imitation) bird or animal used

to attract others; place designed for this purpose; অতৈ উচেক্ লাক্‌হন্নীংনবা থম্বা, (অশেংবা নত্রগা অশাবা) শা নত্রগা উচেক্। মাড়্গী‧দমক্ থওইনা শেম্নবা মফম্। 2. person or thing used to tempt sb. into aposition of danger, কনাগুম্বন্ন খুদোংথীবদা তাহন্নবা, মিহোইহল্লবা পোৎ নত্রগা মী। *v.t.* trick (sb. or sth.) into a place of danger by means of a ~, মিহোইহন্নবা পোৎ, আশানচিংবা উত্তুনা (কনাগুম্বন্ন) খুদোং‧থীবা মফম্‌দা প্লাশিন্‌বা (=তাহন্‌বা)।

decrease (ডি'ক্রীস্) *n.* decreasing; amount by which sth. decreases, চাং হন্থবা; হন্থবগী চাং।

decree (ডি'ক্রী) *n.* order given by a ruler and having the force of law, আইন্‌গী মতুংইন্না পীবা লৈ‧বাক্ ঙাক্‌পগী য়াথং। *n.* **~nisi,** order for a divorce, নুপা-নুপী থাই‧নবা য়াবগী (কোর্টকী) হুকুম্। *v.t. & i.* issue a ~; অদুগুম্বা য়াথং (ইদুনা) পীবা।

decrepit (ডি'ক্রেপিট্) *adj.* made weak by old age, অহল্ ওইরদুনা শোল্লক্লবা। *n.* **decrepitude.**

decry (ডি'ক্রাই) *v.t.* 1. try to make sb. or sth. seem less valuable, by speaking against, (কনাগুম্বন্ন, করিগুম্বন্ন) হুন্দুনা ঙাঙ্‌বা।

dedicate ('ডেডিকেইট্) *v.t.* give up, devote (one's time, energy, life, etc.) to a noble cause on purpose; (অফবা মরম্ অমগীদমক্ কনাগুম্বগী মতম্, মথৌনা, মথ্বায়্‌নন‧চিংবা) কথোক্‌পা। *n.* **dedication.**

deduce (ডি'ড্যুস্) *v.t.* 1. arrive at (knowledge, theory, etc.) by reasoning from facts; অউবা নত্রগা অখঙ্‌বদগী ৱাখল্ তৌরগা (করি গুম্বা খঙ্‌দ-উদবা অমবু) খঙ্‌বা ওম্বা। *n.* **deduction.** *adj.* **deductive.**

deduct (ডি'ডক্ট্) *v.t.* take away (an amount or part of sth.); (করিগুম্বগী শরুক নত্রগা চাং শরা) কক্‌থৎপা; লৌথোক্‌থিবা: *~ Rs. 25 from one's salary.* *n.* **~ion.**

deed (ডীড্) *n.* 1. sth. done; act; তৌরবা করিগুম্বা (থবক্) অমা; থবক্। 2. (legal) written, signed agreement, about ownership or rights, সহি তৌনরবা (মপু ওইবগী) য়ান-চে (=দলিল্)।

deem (ডীম্) *v.t.* believe; consider; থাজবা; ৱাখল্ তৌবা; খন্নবা: *He ~ed it his duty to help.*

[1]**deep** (ডীপ্) *adj.* 1. going a long way down from the top; অকুবা (=থেন্দবা)। 2. (of sounds) low, (খোঞ্জেল্) অনেম্বা নত্রগা অতপ্পা। 3. (of sleep) sound, (তুম্বা) তুমখুল্ হন্‌বা। 4. (of colours) strong; (মচু) অয়াক্‌পা; হেন্‌জিন্‌বা। 5. strongly felt, থম্মোই শোক্‌পা। 6. absorbed (in), পুক্নিং লুপ্পা। 7. difficult to understand or learn about, খঙ্‌বদা নত্রগা হৈবদা লুবা। 8. (of person) artful; লৌনমচাউবা; মপূক্-লুবা। *v.t. & i.* **~en,** become or make ~, লুবা (=থেন্দবা) নত্রগা লুহন্‌বা। *adv.* **~ly.**

[2]**deep** (ডীপ্) *adv.* far down or in, লুনা (=থেন্দনা); অা-মথাদা নত্রগা মনুংদা। *v.t.* **~-freeze,** freeze in order to preserve it, (চিঙ্গাক্‌পু) পৎহন্-পুমহন্দনা লীতুনা থম্নবা ঈংহন্‌বা। *n.* special refrigerator used for this purpose, মরম্ অসিদা শীজিন্নবা তোপ্তোপ্পা রেফ্রিজরেটর্। **~-rooted,** not easily removed, মরা তাথবা; ঈরায়্-লায়না লৌথোক্‌পা য়াদ্রবা।

[3]**deep** (ডীপ্) *n.* (poet—কবি) **the ~,** the sea, সমুদ্র।

deer [ডিঅ(র্)] *n.* (*pl.* **unchanged**

—pl. দা হোংদে), (kinds of) graceful, quick-running animal, শজী । ~-stalking, sport of deer-hunting, শজী শাতানবা । *n.* ~-stalker.

deface (ডি'ফেইস) *v.t.* spoil the appearance of (by marking or damaging the surface of); (অইবা নত্রগা অয়েকপন্ন) মমায়দা খোংচিন্নুনা মশক মাঙহনবা (খঙ্‌হন্দবা) । *n.* ~ment.

defacto (ডেই'ফ্যাক্টউ) *adj.* & *adv.* in fact, whether by right or not, হকুন্ন ওইরবসু ওইদ্রবসু হৌজিক্‌মক তশেংনা ওইরিবা : ~ *king.*

defalcation (ডীফ্যাল্'কেশন্) *n.* misappropriation of money, কনাগুম্বদা শিন্নবা শেলন্ন (মরম) লান্না শীজিন্নবা ।

defame (ডি'ফেইম্) *v.t.* attack the good reputation of ; মিংচৎ থীহনবা । *n.* **defamation.** *adj.* **defamatory.**

1**default** (ডি'ফোওল্ট্) *v.i.* fail to perform a duty or to appear before a law court, or to pay a debt ; (কনাগুম্বগী) মথৌ পাঙথোকপা ঙম্মদবা; কোর্টতা কাফম থোক্‌পদা কাদবা ; লমন্ শিংবা ঙম্মদবা । *n.* ~er.

2**default** (ডি'ফোওল্ট্) *n.* act of defaulting ; মথৌ পাঙথোক্তব (গী থবক্) ; লমন্ শিংহোদব (গী থবক্) ।

defeat (ডি'ফীট্) *v.t.* 1. overcome ; win a victory over ; মায় থীবা পীবা, লান্ ঙম্বা; জয় তৌবা। 2. bring to nothing ; make useless ; cause to fail ; মহয় য়াল্হন্দবা ; কান্নদবা ওইহনবা ; (থবক) ঙম্হন্দবা । *n.* ~ing or being ~ed. *n.* ~ism, attitude, based on expectation of ~, মায় থীবা পীগে হায়্বগী মমুচৎ, বাঙাঙ । *n.* ~ist.

defect ('ডীফেক্ট্) *n.* fault ; imperfection ; shortcoming ; মরাল্ ; মপুংফাদবা ; অরাংপা নত্রগা অশোয়বা। *v.i.* desert (esp. a political party) ; (মশাগী রাজনীতি দল) থাদোক্‌পা । *n.* ~ion. *n.* ~or. *adj.* ~ive.

defend (ডি'ফেণ্ড্) *v.t.* 1. guard ; protect ; make safe ; (শোক্তনবা) ঙাকপা ; ঙাকথোকপা ; (শোক্তনবা) কনবা ; খুদোংথীবা লৈহন্দবা । 2. speak or write in support of sb., কনাগুম্বগী মীচঙ্গদা ঙাঙবা নত্রগা ইবা । *n.* ~er, person who ~s, (শোক্তনবা) ঙাক্লিবা মী । *n.* **defence.** *adj.* **defenceless.** *adv.* **defencelessly.** *n.* **defencelessness.**

defendant (ডি'ফেণ্ডন্ট্) *n.* person against whom a legal action is taken, (আইন্), মথক্তা মরাল্ শীবীরবা মী (বিবাদী) ।

defensible (ডি'ফেন্সবল্) *adj.* able to be defended, (শোক্তনবা) ঙাকপঙম্বা : *This law suit is not* ~.

defensive (ডি'ফেন্সিব্) *adj.* used for defence, (শোক্তনবা) ঙাক্নবা নত্রগা কন্নবা (ওইবা) । *n.* state or position of defence, ঙাকপগী মওঙ নত্রগা ফীভম্ । *adv.* ~ly.

1**defer** [ডি'ফঅ(র্)] *v.t.* (-rr-) postpone, (মতম) য়ৈথোক্‌পা ।

2**defer** [ডি'ফঅ(র্)] *v.i.* (-rr-) give way ; yield (often to show respect), (বেভার্ উৎনবা) তুমিন্না তাথোক্‌পা নত্রগা হজ্ঞানবা । *n.* ~ence. *adj.* **deferential.** *adv.* **deferentially.**

defiance (ডি'ফাইঅন্স্) *n.* open disobedience or resistance ; ঈকোং-কোংনা হায়্বইন্দবা নত্রগা থিংবা (য়েৎপা) । *adj.* **defiant.** *adv.* **defiantly.**

deficiency (ডি'ফিসন্সি) *n.* 1. the state of being short of, less

than, what is needed, ওক্তবা (=দরকার ওইবদগী হন্থবা নত্রগা মাৎপা) । 2. sth. imperfect, মপুংফাদবা পোৎ । *adj.* **deficient.**

deficit ('ডেফসিট্) *n.* amount by which payment exceeds receipts ; (শেল্) পুথবা (=ফংলকপদগী চৎথিবনা হেন্‌বা) ।

1 **defile** (ডি'ফাইল্) *v.t.* make dirty or impure ; মোৎহন্‌বা ; শেংহন্দবা (=অতোপ্পা মানশিন্দুনা) । *n.* ~**ment.**

2 **defile** ('ডীফাইল্) *n.* narrow way, gorge, through mountains, অখুবা চীং-লম্বী নত্রগা লোক্‌চপ্ । *v.t.* (of troops) march in such a way, (লাম্মীনা) অসিগুম্বা লম্বীদা চৎপা ।

define (ডি'ফাইন্) *v.t.* 1. explain the meaning of (e.g. of words), (ৱাহৈলচিংবগী) অর্থ শন্দোক্লা তাকপা । *adj.* **definable,** that can be ~**d,** শন্দোক্লা তাকপয়াবা। *n.* **difinition.**

definite ('ডেফনিট্) *adj.* clear ; not doubtful or uncertain ; তশেংতশেংবা ; তরু-তরুবা ; চিংননীঙায় লৈত্রবা ; অরেপ্পা নত্রগা শোয়্‌দ্রবা । *adv.* ~**ly.**

definitive (ডি'ফিনটিব্) *adj.* final ; to be looked upon as decisive, অরোইবা (=ঈকোন্‌-কোন্‌বা) ; ৱারেপ্পা ওইবা, অতুগা হোংবা নত্রগা হাপ্‌চিন্‌বা তৌদ্রবা ।

deflate (ডি'ফ্লেইট্) *v.t.* 1. make (a tyre, balloon, etc.) smaller by letting out air or gas, (টায়ার, বেলুন্নচিংবদগী) নুংশিৎ নত্রগা গ্যাস্ থাদোক্‌খিত্না পাকশিন্‌বা (=পীকশিন্‌বা) । 2. take action to reduce the amount of money in circulation in order to lower or keep steady the prices of goods, পোৎকী মমল্ তাথনবা নত্রগা হেঙ্গৎতনবা (সরকারনা) চৎনরিবা শেল্‌গী চাং (মশীং) হন্থহন্‌বা । *adj.* **deflatable.** *n.* **deflation.**

deflect (ডি'ফ্লেক্ট্) *v.t. & i.* (cause to) turn aside ; থক্তোরকপা নত্রগা থক্তোকহন্‌বা ; (মহৌশাগী লম্বীদগী) পৈথোকপা নত্রগা পৈথোকহন্‌বা । *n.* ~**ion.**

deflower [ডি'ফ্লাউঅ(র্)] *v.t.* deprive of virginity ; ravage ; spoil ; (নৈশাবীগী) সতীধর্ম মাঙহন্‌বা ; (মগুণ) মাঙহন্‌বা ।

deforest (ডি'ফোরিস্ট্) *v.t.* disforest ; cut down forests ; জঙ্গল্ কোক্‌থোক্‌পা (ময়াম্থৎপা) । *n.* ~**ation.**

deform (ডি'ফোওম্) *v.t.* spoil the shape or appearance, মশক্-মওঙ কায়হন্‌বা (=মাঙহন্‌বা) । *part. adj.* ~**ed,** (of the body or of the mind) badly shaped ; unnaturally shaped ; (পূক্নিং নত্রগা হকচাং) অশোয়্‌বা (মওঙ কায়্‌বা) । *n.* ~**ity.**

defraud (ডি'ফ্রোওড্) *v.t.* trick sb. out of what is rightly his ; get by fraud ; কনাগুম্বগী মপোৎপু লোনম তৌদুনা লৌবা ।

defray (ডি'ফ্রেই) *v.t.* pay the cost or expenses of sth. ; করিগুম্বগী চঙ্‌গদবা শেল নত্রগা খরচ পুবা। *ns.* ~**al ;** ~**ment.**

defrock (ডী'ফ্রোক্) *v.t.* unfrock ; পুরোহিত্‌পু থবক্ লৌথোক্‌পা ।

defrost (ডী'ফ্রোষ্ট্) *v.t.* remove, frost (e.g. in a refrigerator, on the windscreen) ; মোটর কারগী মিংশেন্দা নত্রগা রেফ্রিজরেটরদা কাবা লৈচিল্ নত্রগা লীক্লাহ্ লৌথোক্‌পা (=কোক্‌হন্‌বা) । *n.* ~**er,** apparatus with which to ~, লীক্লাহ্ তৈথোক্লবা চৈতেক্ ।

deft (ডেফ্‌ট্) *adj.* quick and clever (esp. with fingers), (মখুৎ-মশা) শিংবা অমসুং থুবা । *adv.* ~**ly;** *n.* ~**ness.**

defunct (ডি'ফঙ্ক্‌ট্) *adj.* 1. **dead ;**

Scanned by TapScanner

শিববা। 2. no longer existing, হৌজিক-হৌজিক লৈত্রবা ; কায়্থবা।

defy (ডি'ফাই) *v.t.* 1. resist openly; challenge; হঁকোং-কোংনা খিংবা; শীংনবা। 2. refuse to obey or show respect to; হায়্বা ইল্লু নত্রগা বেজাব্ তৌ হায়্বা যাদবা।

[1]**degenerate** (ডি'জেনরেইট) *adj.* having lost qualities that are normal and desirable, চপ্চাবা অমসুং ওইফম্ থোক্পা মগুণ্ ফু মাঙ্-লবা। *n.* ~person or animal, অহুঙবা মী নত্রগা শা।

[2]**degenerate** (ডি'জেনরেইট) *v.i.* pass from a state of goodness to a lower state by losing qualities, শিথরক্পা (=তাথরক্পা)। *n.* **degeneration.**

degrade (ডি'গ্রেইড্) *v.t.* 1. move down to a lower rank as a punishment, (দণ্ড ওইনা) ফম্ হন্থ-হনবা। 2. cause sb. to be less moral or less deserving of respect, (কনাগুম্বনু) মগুণ্ হন্থহন্‌বা। *n.* **degradation.**

degree (ডি'গ্রী) *n.* 1. unit of measurement for angles, কোণ্ (=কাচিন্) বু ওপ্নবা চাং। 2. unit of measurement for temperature, অঙৈং-অশা ওপ্নবা চাং। 3. step or stage in a scale or process, (থবকী থোঙ্চৎকী) চাং নত্রগা থাক। **by** ~**s**, step by step; gradually; অসুম্-অসুম্; জন্-জন্। 4. position in society; (মী অমগী) সমাজ্দা লৈবা থাক। 5. rank given by a university, বিশ্ববিদ্যালয়গী ডিগ্রী। 6. (gram.) comparison of an adjective or adverb, (গ্রাম:) এড্জেক্টিব্ নত্রগা এড্ভের্বকী চাংদম্নবা।

dehorn (ডী'হোওন্) *v.t.* remove the horn from (cattle), (শা-শলগী) মচী কক্পা।

dehumanize (ডী'হ্যুমনাইজ্) *v.t.* take away human characteristics from, মীওইবগী শাজৎ চৎহন্দবা।

dehydrate (ডী'হাইড্রেইট) *v.t.* deprive (a substance) of water or moisture, (পোৎ অমদগী) মচুম্ (ঈশিং) লৌথোক্পা : ~*d eggs.*

de-ice (ডী'আইস্) *v.t.* free (an aircraft) from ice, (এইরোপ্লেন্গী মমায়্গুম্বনু) উন্ পক্হন্দবা।

deify ('ডীইফাই) *v.t.* make (sb. or sth.) a god of; (কনাগুম্বনু, করিগুম্বনু) লাই ওলহনবা; লাইগুম্না খুরুম্বা। *n.* **deification.**

deign (ডেইন্) *v.i.* & *t.* 1. condescend; be kind or gracious to; নোল্লুক্না (লমচৎ) চৎপা; থৌজাল্ হৈবা। 2. condescend to give, নোল্লুক্না পীবা।

deism ('ডীইজম্) *n.* belief in the existence of a god without accepting revelation or religious dogma, ধর্ম্মগী পাউতাক্পু নত্রগা ঈশ্বরদগী জ্ঞান্ অসি থোরক্পনি হায়্বসিদি য়ানীংদবা, অদুগা ঈশ্বর্ অমা লৈ হায়্বসিদি থাজবা। *n.* **deist,** supporter of ~, অদুগুম্বা মী।

deity ('ডেইঅটি) *n.* 1. divine quality or nature; লাইগী মগুণ্ নত্রগা মরমচৎ। 2. god or goddess, লাই নত্রগা লাইরেম্বী : *the D~*, God, ঈশ্বর্।

deject (ডি'জেক্ট্) *v.t.* make sad or gloomy, য়াইনবা নত্রগা থম্মায়্ নুংঙাইহন্দবা। *adv.* ~**edly.** *n.* ~**ion.**

de-jure (ডেই'জুঅরি) *adj.* & *adv.* (Lat) by right; rightful; ফংফম্ থোক্পা; হক লৈবা : *king* ~.

delay (ডি'লেই) *v.t.* & *i.* 1. make or be slow or late, থীন্থহনবা; থেঙ্বা নত্রগা থেঙ্হনবা। 2. put off until

Scanned by TapScanner

later, (থবক্) য়েথোক্পা। *n.* ~ing or being ~ed.

delectable (ডি'লেক্টবল্) *adj.* (often ironical) delightful ; pleasant, (নোক্‌-চম্নবদা) নুংঙাইবা।

delectation (ডীলেক্'টেইশন্) *n.* enjoyment ; entertainment, নুংঙাইথোক্পা ; নুংঙাইহন্‌বা।

delegacy ('ডেলিগসি) *n.* system of delegating ; body of delegates ; মীহুৎ থাবগী পথাপ্‌ (=নিয়ম্) ; মীহুৎ-কাংবু।

¹**delegate** ('ডেলিগেইট্) *v.t.* appoint and send (sb.) as a representative to a meeting ; entrust (duties, rights, etc. to sb.), মিটিংদা (মীহুৎ ওইনা) থাবা ; (কনা-গুম্বদা থৌ, হক্কচিংবা) শিন্নবা। *n.* **delegation.**

²**delegate** ('ডেলিগট্) *n.* person to whom sth. is delegated (e.g. a representative sent to a conference), (কন্‌ফরেন্স্‌কুম্বদা থাবা) মীহুৎ।

delete (ডি'লীট্) *v.t.* strike or take out (sth. written or printed), (অইবা নত্রগা ছাপা নম্বা করি-গুম্বনু) ককথৎপা নত্রগা লৌথোক্পা। *n.* **deletion.**

deleterious (ডেলি'টিঅরিঅস্) *adj.* harmful (to mind or body), (পুক্নিংদা, হকচাংদা) মাঙ্‌নবা (ওইবা)।

¹**deliberate** (ডি'লিব্রট্) *adj.* 1. done on purpose ; intentional ; (ফত্তবনু) তোঙে হায়্‌না তৌবা। 2. slow and cautious, তপ্না অমসুং চ্যেক্‌শিন্‌বা। *adv.* ~ly. *n.* deliberation.

²**deliberate** (ডি'লিবরেইট্) *v.t.* & *i.* consider, talk about, carefully ; চ্যেক্‌শিন্না খন্নবা, বা ঙাঙ্‌নবা। *n.* **deliberation.** *adj.* **deliberative.**

delicate ('ডেলিকট্) *adj.* 1. soft ; tender ; of fine or thin material ; অপোৎপা ; অনৌবা ; অকুপ্পা নত্রগা অপাবা মচাক্না শাবা। 2. fine ; exquisite ; অকুপ্পা ; য়াম্না ফবা (ফজবা)। 3. easily injured ; easily becoming ill ; শোক্কন্‌-কায়্‌গনবা ; নাগন্‌-য়েক্কনবা। 4. requiring careful treatment or skilful handling ; চোক্‌শিন্না নত্রগা হৈ-শিংনা তৌগদবা নত্রগা পায়্‌গদবা। 5. (of colours) soft ; not strong ; (মচু) থোৎপা ; য়াক্তবা। 6. (of senses or instruments) able to appreciate or indicate very small changes or differences, (ঈন্দ্রি, খুৎলাই) খজিক্ত হোংলকপদা নত্রগা খেন্নবদা হেক্তা খঙ্‌বঙবা। 7. taking great care not to be immodest, not to hurt the feelings of others, মীনা নুংঙাই-তবা তৌদনবা য়াম্না চ্যেক্‌শিন্‌বা। 8. (of food) pleasing to the taste and not strongly flavoured, (চিঞ্জাক্) অহাউবা অমসুং মনম্ কন্দবা। *adv.* ~**ly.** *n.* **delicacy.**

delicatessen (ডেলিক'টেসন্) *n.* (shop selling) prepared foods, অথোংবা চিঞ্জাক্‌শিং (য়োন্‌বা দুকান্)।

delicious (ডিলি'শস্) *adj.* giving delight (to the taste, smell and humour), (মহাউ, মনম অমসুং ফাগী-দা) নুংঙাইবপোক্পা। *adv.* ~**ly.**

¹**delight** (ডি'লাইট্) *v.t.* & *i.* 1. please greatly ; য়াম্না নুংঙাইহন্‌বা নত্রগা পেল্‌হন্‌বা। 2. take or find great pleasure, (কারিগুম্বদগী) নুং-ঙাইবা ফংবা নত্রগা লৌবা।

²**delight** (ডি'লাইট্) *n.* 1. great pleasure ; joy ; য়াম্না পেন্‌বা নত্রগা নুংঙাইবা ; হরাউবা। 2. cause or source of great pleasure ; য়াম্না পেন্‌বগী নত্রগা নুংঙাইবগী মরম (হৌ-রক্‌কম্)। *adj.* ~**ful.** *adv.* ~**fully.**

Scanned by TapScanner

delimit (ডী'লিমিট্) ; **delimitate** (ডী'লিমিটেইট্) *v.t.* determine the limits or boundaries of ; ওয়েখ (সীমানা) লেপ্পা। *n.* **delimitation.**

delineate (ডি'লিনিএইট্) *v.t.* show by drawing or by describing, য়েক্তুনা নত্রগা শব্দোক্লা হায়দুনা তাক্পা। portray. (করিগুম্বা অমবু) অয়েকপা লাই ওইনা উৎপা। *n.* **delineation.**

delinquent (ডি'লিংকন্ট্) *n. & adj.* (person) doing wrong ; failing to perform a duty ; লমহেন্নবা (মী) ; মথৌ তৌদবা (মী)। *n.* **delinquency.**

deliquescent (ডিলি'ক্বেসন্ট্) *adj.* becoming liquid in air (by absorbing moisture), (ঈশিংমনিল্ চুপ্শিন্দুনা) মুংশিত্তা মহী লাঙবা।

delirium (ডি'লিরিঅম্) *n.* violent mental disturbances caused by illness, often with wild talk, esp. with feverish illness ; wild excitement ; লাইহোৌগুম্বনা পাখত্তুনা ঙাওবা ; (হরাওবনচিংবনা) ঙাওনা ময়াইকাবা। *adj.* **delirious.** *adv.* **deliriously.**

deliver [ডি'লিব(র্)] *v.t.* 1. take (letters, parcels, etc.) to person to whom they are addressed, (ডাক্পিয়ন্না চিঠি, পার্সেল্নচিংবা) পুংকম ওইরিবা মী অদুদা পীবা। 2. save ; rescue ; set free from ; (খুদোংথীবদগী) কনবা ; (ফারবদগী) থাদোক্পা। 3. give forth in words, (ৱাথলবু) ৱাহৈনা ফোঙদোক্পা। 4. (of a medical attendant) help a woman in childbirth, (মাইবা-মাইবীনা মীরোন্বীবু) অঙাং পোক্পা। 5. ~up (over, to), surrender ; give up ; hand over to ; লান্লে নত্রগা মায়থীরে হায়না ৱাবা ; থাদোক্পা ; পীবা। 6. aim ; নিশান্ তৌবা। *n.* ~**er, one** who ~s ; rescuer ; saviour ; চিঠিনচিংবা পুরকপা মী ; কনবীবা মী। *ns.* ~**ance** ; ~**y.**

dell (ডেল্) *n.* small valley, অপীকপা তম্পাক্।

delouse (ডী'লাউস্) *v.t.* rid (sb.) of lice or other vermin, (কনাগুম্বু) হীক্ নত্রগা অতৈ মহীক্ লৈহন্দবা।

Delphic ('ডেল্ফিক্) *adj.* of the oracle at Delphi (in ancient Greece) ; obscure ; with a double meaning ; (থায়নগী গ্রীস্কী) ডেল্ফাই কোবা মফমদা ফাওবা লাইফাওগী (ওইবা) ; শেংনা উদবা নত্রগা খঙদবা ; অর্থ অনী লৈবা।

delphinium (ডেল্'ফিনিঅম্) *n.* garden plant with blue flowers, শংবানবা লৈ শাৎপা, লৈ-পাম্বী।

delta ('ডেল্টা) *n.* Greek letter d (△) ; land in the shape of the letter ~ ; গ্রীক্কী ময়েক্ 'ডি' ; ময়েক্ অদুগী মওঙ মানবা লম্ (ব-দ্বীপ)।

delude (ডি'লূড্) *v.t.* deceive ; mislead (on purpose) ; নমথাক্ তৌবা ; লান্না লমজিংবা।

deluge ('ডেল্যূজ্) *n.* 1. great flood ; heavy rush of water ; য়াম্না চাউবা ঈচাউ ; ঈশিংনা শাফুকন্না চেন্শিন্বা। *The D*~, the flood at the time of Noah, নোআগী মতমগী (প্রলয়গী) ঈচাউ। 2. anything in a heavy rush, কন্না চেন্শিল্লকপা করিগুম্বা অমা। *v.t.* flood ; come down on (sb. or sth.) like a ~ ; ঈচাউনা তাউথোক্পা ; ঈচাউগুম্না লাক্শিন্বা।

delusion (ডি'লূজন্) *n.* 1. deluding or being deluded, লোৌনশ্বা নত্রগা লোৌনশীবা। 2. false opinion or belief, that may be symptom of madness ; অঙাওবগী খুদম ওইবা, অরানবা মোৎ নত্রগা থাজবা। *adj.* **delusive.** *adv.* **delusively.**

Scanned by TapScanner